ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜꯗꯨꯒꯤ ꯈꯣꯟꯊꯥꯡ

ইরাওখোলদুগী খোন্থাং

ꯑꯦꯁ. ꯑꯦꯝ. ꯅꯨꯇꯦꯁ

ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜꯗꯨꯒꯤ ꯈꯣꯟꯊꯥꯡ

ইরাওখোলদুগী খোন্থাং

ꯗꯥ. ꯑꯥꯏ. ꯑꯦꯁ. ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ

ডা. আই. এস. যুম্নাম



ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯍꯥꯔꯥꯝ ꯈꯣꯔꯖꯩ ꯂꯨꯞ (ꯅꯍꯈꯂ)

ꯌꯨꯔꯦꯝꯕꯝ

IRAOKHOLDUGI KHONTHANG

(A collection of 108 sonnets)

Dr. I.S. Yumnam



First Published - 2007

Price : Rs.95.00

Cover: Ranbir Khoisnam, Nambol

Published by :
Solomon Haoba on behalf of
NOHAKHOL, Yurembam, New Cachar Road, Imphal - 795001

Printed at Khoriphaba Offset Press,
Nambol Chingmang, Manipur - 795134



(ꯃꯇꯝ ꯇꯤꯋꯥꯪꯅ ꯂꯨꯝꯇꯦꯝ ꯀꯪꯝꯀꯦ)
ꯁꯀꯦꯜꯂꯤ ꯀꯏꯝꯁ ꯌꯃꯃꯕꯤ -
"ꯁꯕꯤꯋꯪꯄꯪꯅꯁꯨꯂꯤ ꯄꯪꯦꯖꯋ"

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯑꯍꯁꯡ ꯈꯂꯤꯝ ꯄꯦ ꯈꯇꯤꯕꯥ ꯁꯔꯤꯝ ꯁꯤꯝ ꯁꯔꯦꯂꯤꯂꯤꯈ
ꯁꯤꯍ ꯁꯤꯗꯗꯤꯕꯂꯤ — “ꯄꯗꯤꯑꯤꯅꯤꯅꯈꯤ ꯅꯤꯦꯑꯝ

ꯑꯂꯈꯡ ꯈꯑꯁꯗꯕ ꯅꯤꯑꯇꯈ ꯇꯄꯇ ꯄꯗꯤꯑ ꯑꯤꯄꯡ ꯄꯄꯤꯗꯑꯇꯥ ꯈꯁꯈꯥꯤ ꯗꯦꯅ ꯑꯝ ꯇꯤꯑꯝꯈ ꯂꯝꯈꯄꯗꯕ ꯄꯅꯤꯅꯥꯤ ꯄꯗꯤꯑꯤꯅꯤꯅꯁꯡ ꯅꯤꯦꯑꯝ ꯅꯤꯡ ꯂꯤꯅꯇꯕ ꯁꯔꯦꯂꯤ ꯑꯈꯥꯤ ꯈꯂꯑ ꯅꯅꯅꯡ ꯂꯥꯍꯅꯕꯂꯤꯈꯑ ꯂꯄꯤꯁꯗꯥꯤ ꯁꯔꯑꯝꯤꯄ ꯇꯦꯥꯤ ꯑꯈ ꯑꯤꯁꯥꯄꯗ ꯑꯈꯈꯤꯅꯄ ꯇꯑꯤꯇꯅꯤ꯫

ꯇꯄꯗꯤꯑꯂꯤꯈꯑ ꯑꯤꯄꯂꯂꯕ ꯄꯤꯍꯂꯗꯑꯁꯔꯄ ꯁꯔꯑꯂꯤꯝ ꯑꯤꯥꯍꯁꯔꯤꯗꯑꯅꯤꯕ ꯇꯤꯅꯂꯂ ꯈꯁꯤꯝ ꯁꯔꯝꯕꯤꯗꯑꯅꯤꯕ ꯅꯅꯤꯄ ꯁꯔꯈꯂꯈꯑꯝꯤ ꯈꯦꯈꯄ ꯂꯤꯝꯈꯇꯗꯤꯄꯄꯕ ꯇꯈꯦ ꯁꯤꯦꯂꯤꯦꯇꯗꯤ ꯫

ꯑꯣꯄ. ꯑꯤꯂ. ꯅꯈꯂꯈ

ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯋꯥꯍꯩ ꯄꯔꯦꯡ

[illegible]

[illegible]

ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯩꯔꯛꯄꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯕ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯑꯃꯒꯨꯝꯕꯥ ꯅꯤꯡ
ꯅꯤꯡꯕ ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯀꯄꯥ ꯃꯤꯅꯨꯡ ꯁꯤꯡꯕꯥ, ꯐꯖꯔꯕꯥ ꯊꯧꯅꯥ
ꯅꯤꯡꯖꯕ ꯍꯥꯏ ꯐꯔꯦ ꯑꯣꯏꯅꯕꯥ ꯀꯌꯥꯀꯥ ꯁꯦꯝꯒꯠꯂꯀꯄꯥ
ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯃꯗꯝꯁꯤꯒꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯂꯩꯃꯁꯤꯡꯕ
ꯀꯥꯡꯂꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯍꯧꯔ ꯑꯀꯥꯟꯕ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ ꯑꯃꯁꯨ ꯀꯔꯤꯁꯨ
ꯂꯩꯃꯥꯏꯄꯥꯀꯄ ꯅꯤꯡ ꯍꯧꯗꯣꯀꯈꯤ ꯫ ꯑꯃꯁꯨ
ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯀꯅꯕ ꯁꯤꯡꯂꯦꯛꯄ ꯃꯅꯕ ꯁꯟꯗꯣꯛꯄ
ꯃꯤꯁꯤꯡꯗ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ ꯌꯥꯝꯂꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ
ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯅꯤꯡꯊꯧꯁꯤꯡ ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯒ ꯅꯤꯡ ꯅꯤꯡꯕ
ꯅꯤꯡꯖꯕ ꯑꯀꯥꯟꯕ ꯂꯩꯃꯥꯏ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯁꯦꯝꯒꯠ ꯄꯤꯖꯕ
॥ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯁꯤꯡꯂꯕ ꯁꯦꯝꯒꯠ ꯂꯩꯔꯤ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ
ꯁꯤꯡ ꯑꯀꯥ ꯅꯤꯡꯖꯕꯥ ꯫ ꯑꯗꯨꯅ ꯅꯤꯡꯖꯕꯥꯕ ꯂꯩꯔꯤ ꯫
ꯑꯗꯨꯕ ꯑꯣꯏꯕ ꯀꯔꯤ ꯍꯦꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯍꯦꯛꯇ ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯁꯦꯝꯒꯠ
ꯂꯩꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯍꯦꯛꯇ ꯀꯔꯝꯕ ꯁꯦꯝꯒꯠꯂꯨ ꯫
ꯑꯣꯏꯕꯥꯡ ꯀꯁꯤꯡ ꯁꯤꯡꯁꯤꯡ ꯅꯤꯡꯖꯕ ꯀꯣꯏꯕꯤ ॥

ꯁꯤꯡꯂꯨꯡ ꯃꯀꯤ ꯁꯤꯡꯂꯕ — ꯗ. ꯆꯌꯅꯃꯂꯕ ꯀꯤꯁꯤ
ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯆꯤꯡꯗ — ꯲꯶/꯰꯳/꯲꯰꯰꯸

ꯄ꯭ꯔꯀꯥꯁꯀꯀꯤ ꯋꯥꯍꯩ

ꯄꯦꯝꯕꯨꯔꯥ ꯔꯍꯥꯁ ꯅꯍꯥꯇꯩ ꯂꯨꯞ (ꯄ꯭ꯔꯀꯥꯁꯟ) ꯅꯥ ꯄꯔ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃ. ꯑꯦꯁ. ꯑꯦꯜ. ꯁꯃꯨꯗꯥꯒꯤ ꯂꯩꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯇꯥꯍꯟꯕ "ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯒꯤ ꯅꯍꯥ" ꯂꯨꯞ ꯑꯃꯅꯤꯒꯤ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯣꯏꯔꯦ ꯁꯦꯝꯒꯠꯂꯛꯄ ꯑꯃꯅꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯁꯥꯖꯤꯟꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯑꯣꯏꯔꯤ ꯫ ꯂꯩꯃꯥꯏꯔꯣꯡ ꯂꯣꯅꯄꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯣꯏꯔꯦ, ꯃꯁꯤꯗ ꯔꯤꯇꯥꯒꯤ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯒꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯇꯧꯕꯗ ꯅꯍꯥꯛꯇꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯔꯍꯨꯄꯤ ꯫ ꯑꯃꯅꯤꯒꯤ ꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯂꯩꯃꯥꯌ ꯑꯃꯥ ꯔꯤꯇꯥꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯔꯦ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯩꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯫ ꯂꯩꯃꯥꯌ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯀꯔꯤ ꯂꯩꯔꯦ, ꯃꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕ ꯑꯣꯏꯔꯤ ꯫ ꯂꯩꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕ ꯅꯍꯥꯛꯇꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯤ ___ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯃꯁꯤꯡ ꯂꯨꯞ ꯑꯣꯏ ꯑꯣꯏꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯫

ꯄ꯭ꯔꯀꯥꯁꯀꯀꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨ ꯀꯔꯤꯍꯥꯛꯇꯒꯤ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯩꯃꯥꯏ ꯃꯁꯤꯡ ꯀꯔꯤ ꯂꯩꯃꯥꯏꯒꯤ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯂꯣꯏꯔꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯔꯤ ꯫

ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ ꯂꯩꯃꯥꯏ ꯄꯨꯝꯕꯥꯁꯤꯡ
ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤ
ꯄꯦꯝꯕꯨꯔꯥ ꯔꯍꯥꯁ ꯅꯍꯥꯇꯩ ꯂꯨꯞ (ꯄ꯭ꯔꯀꯥꯁꯟ)
ꯏꯝꯐꯥꯜ

[illegible]

ꯄꯥꯔꯤꯃ-ꯆꯥꯡꯗꯝ

ꯃꯥꯏꯄꯥꯛ-ꯂꯦꯏꯔꯛ

"[illegible]"

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥

ꯂꯤꯀꯂꯝ

ꯑꯩꯇꯅ ꯈꯪꯏ ꯅꯪꯕꯨ ꯀꯅꯥꯅꯣ ___
ꯑꯩꯇꯅ ꯇꯤꯜꯂꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗ,
ꯅꯪꯇꯅ ꯈꯪꯡꯨ ꯑꯩꯕꯨ ꯀꯅꯥꯏꯅꯣ
ꯅꯪꯅꯤ ꯑꯩꯅ ꯁꯦꯟꯂꯤꯁꯨ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗ,
ꯑꯩꯇꯒꯤ ꯅꯠꯇ ꯈꯕ ꯅꯪꯇꯒꯤ
ꯑꯩꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯜꯂꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯁꯗꯣꯡꯁꯨ,
ꯅꯪꯇꯒꯤ ꯅꯠꯇ ꯅꯌꯥꯅꯤ ꯃꯥꯒꯤ
ꯑꯩꯅ ꯆꯦꯜꯍꯜꯂꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯁꯨ,
ꯆꯣꯡꯊꯧ ꯆꯥꯌꯥꯏ ꯄꯥꯀꯜ ꯏꯄꯥꯛꯇꯨꯗꯩ ___
ꯐꯪꯂꯣꯏ ꯐꯥꯡꯅꯂꯣꯏ ꯈꯜꯂꯤ ꯅꯍꯥꯛꯀꯤ,
ꯆꯨꯝꯃꯨ ꯂꯩꯈꯥꯏꯕ ꯍꯤꯅꯥꯏ ꯍꯤꯗꯦꯟꯗꯩ
ꯆꯠꯅꯤ ꯅꯗꯣꯝ ꯂꯝꯕꯤꯗꯤ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ,
ꯀꯤꯍ ꯇꯣꯕꯕꯅꯤ ꯌꯧꯅ - ꯏꯄꯥꯛꯇꯕꯨ
ꯅꯪꯈꯛ ꯈꯪꯡꯨ ꯀꯅꯥꯅꯣ - ꯑꯩꯇꯕꯨ॥

꯲꯴/꯰꯲/꯹꯶

লিকলম

ঐতনা খঙই নঙবু কনানো ___
ঐতনা তিল্লি নংগী তাইবঙদা,
নঙতনা খঙঙু ঐবু কনাইনো
নঙনি ঐনা শেনলিসু সংসাবদা,
ঐতগী নত্ত খব নঙতগী
ঐনা পুনশিল্লি নঙগী শদোংসু,
নঙতগী নত্ত ন'যানি মাগী
ঐনা চেলহল্লি নঙগী ঈচেলসু,
চোংথৌ ছাযাই পাকল ঈপাক্তুদৈ
ফংলোই ফাঙনলোই খল্লি নহাক্কী,
চুম্মু লৈখাইব হীনাই হীদেনদৈ
চৎনি নদোম লম্বীদি মহাক্কী,
কীহ তোববনি যৌনা - ঈপাক্তবু
নঙখক খঙঙু কনানো - ঐতবু।

২৪/০২/৯৬

ꯏꯔꯥꯜ

ꯄꯨꯔꯅꯤꯃꯥꯏ ꯊꯥꯕꯜ, ꯊꯥꯁꯤ ꯊꯝꯅꯤꯜꯂꯥ ___
ꯁꯦꯟꯂꯅꯂꯦ ꯅꯉꯅꯥ - 'ꯅꯤꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕ,
ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯊꯥꯕꯔꯥꯜꯂꯥ, ꯑꯍꯤꯡ ꯇꯅꯗꯂꯂ' ___
ꯈꯉꯍꯜꯂꯦ ꯅꯉꯅꯥ - 'ꯅꯤꯒꯤ ꯅꯩꯅꯕ',
ꯂꯥꯡꯕꯟꯒꯤ ꯅꯩꯁꯥ, ꯅꯩꯆꯥꯛ ꯀꯥꯡꯅꯕꯩ ___
ꯎꯠꯂꯛꯂꯦ ꯅꯉꯅꯥ - 'ꯁꯤꯕꯨ ꯈꯦꯟꯅꯕꯔꯥ,
ꯏꯕꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛ, ꯄꯝꯊꯨꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯩ ___
ꯇꯥꯛꯂꯅꯂꯦ ꯅꯉꯅꯥ - 'ꯁꯤꯕꯨ ꯅꯥꯟꯅꯕꯔꯥ,
ꯏꯉꯥꯏ ꯅꯣꯡꯖꯨꯁꯨ, ꯋꯥꯛꯆꯤꯡ ꯅꯣꯡꯍꯧꯁꯨ ___
ꯆꯨꯍꯜꯂꯦ ꯅꯉꯅꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯅꯣꯡꯕꯨ,
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯆꯥꯌꯥ, ꯃꯥꯕꯚꯨꯃꯤ ꯃꯥꯌꯥꯁꯨ ___
ꯆꯤꯡꯂꯅꯂꯦ ꯄꯡꯇꯤ - ꯃꯥꯟꯅꯦ ꯂꯩꯏꯕꯨ,
ꯃꯥꯍꯥ ꯃꯥꯌꯥ, ꯃꯥꯌꯥꯁꯨ ꯆꯌꯥꯒꯤ ___
ꯑꯣꯏꯕꯀꯂꯦ ꯏꯔꯥꯜ ꯈꯉꯗꯔ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ॥

꯲꯷/꯰꯷/꯰꯲

ইরাল

পুর্ণিমাই থাবল, থাশি থম্নিল্লা ___
শেনলনলে নঙনা - 'নিগী খেন্নবা,
নোংদোল থাব্রাল্লা, অহিং তনদলল' __
খঙহল্লে নঙনা - 'নিগী নৈনবা',
লাঙবনগী নৈশা, নৈচাক কাংনবৈ ___
উৎলক্লে নঙনা - 'শীবু খেন্নব্রা,
ঈ:বগী ঈপাক, পম্থুং নুংশিবৈ ___
তাকলনলে নঙনা - 'শিবু নান্নব্রা,
ইঙাই নোংজুসু, ৱাকচিং নোংহৌসু
চুহল্লে নঙনা খেন্নবা নোংবু,
পুন্সি ছায়া, মাবভুমি মায়াসু ___
চিংলনলে পংতি - মান্নে লৈইবু,
মাহা মায়া, মায়াসু ছয়াগী ___
ওইবকলে ইবাল খঙদ্র পুন্সিগী।

২৭/০৭/০৩

ꯅꯣꯡꯂꯩꯒꯤ ꯄꯡꯈꯨꯡ

ꯇꯝꯊꯤꯕ - ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯅꯉꯒꯤ ꯅꯥꯄꯟꯅ ___
ꯊꯛꯇꯨꯅ - ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯄꯥꯝꯃꯦꯟ ꯄꯥꯏꯈ꯭ꯔꯗ,
ꯈꯉꯗꯦ - ꯀꯩꯗꯧꯉꯩ ꯀꯩꯗ ꯀꯥꯎꯗꯨꯅ ___
ꯊꯨꯡꯅꯤ - ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯍꯥꯡ ꯑꯇꯤꯌꯥꯗ,
ꯆꯦꯛꯂꯥꯎ - ꯄꯥꯏꯈ꯭ꯔꯣ ꯄꯨꯗꯨꯅ ꯄꯣꯠꯄ ___
ꯀꯥꯎꯕ - ꯑꯁꯨꯝ ꯑꯍꯧꯕꯤ ꯑꯔꯣꯏꯗꯣ,
ꯊꯤꯈ꯭ꯔꯣ - ꯁꯥꯟꯇꯤ ꯁꯥꯟꯅꯐꯝ ꯁꯀꯂꯣꯠꯄ ___
ꯊꯥꯗꯣꯀꯜ - ꯃꯜꯂ ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯃꯥꯂꯡꯗꯣ,
ꯆꯦꯜꯂꯤꯅꯤ - ꯂꯃꯖꯦꯜ ꯂꯃꯊꯨꯡ ꯂꯩꯔꯕ ___
ꯊꯤꯕ - ꯏꯄꯥꯛ ꯏꯆꯦꯟ ꯏꯈꯥꯏꯔꯁꯦ,
ꯀꯩꯒꯤ - ꯃꯤꯍꯧ ꯃꯉꯂꯥꯟ ꯃꯉꯐꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕ ___
ꯊꯤ - ꯊꯃꯅꯕꯩ ꯊꯥꯃꯂꯥ ꯊꯥꯖꯕꯁꯦ,
ꯀꯩꯕꯨ - ꯁꯦꯝꯃꯤ ꯁꯦꯃꯉꯃꯗ꯭ꯔ ꯁꯡꯁꯥꯔꯗꯩ ___
ꯊꯥ - ꯄꯨꯟꯅ ꯄꯡꯈꯨꯡꯁꯤꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯩ ॥

꯱꯶/꯰꯷/꯰꯱

নোংলৈগী পঙ্খুং

তমথিবা - নোংলৈ নঙগী নাপন্না ___
থক্তুনা - পুন্সি পাম্মেন পাইখ্রদা,
খঙদে - কৈদৌঙৈ কৈদা কাউদুনা ___
থুংনি - অমুক আহাঙ আতিযাদা,
চেকলাও - পাইখ্রো পুদুনা পোৎপা ___
কাওব - অসুম অহৌবি অরোই 'দো,
থীখ্রো - শান্তি শান্নফম শকলোৎপা ___
থাদোকল - মল্ল মাযাই মালংদো,
চেল্লিনি - লমজেল লমথুং লৈরবা ___
থীব - ঈপাক ঈচেন ঈখাইরসে,
কৈগী - মীহৌ মঙলান মঙফাওদ্রবা ___
থী - থমনবৈ থামলা থাজবসে,
কৈবু - শেম্মি শেমঙমদ্র সংসারদৈ ___
থা - 'পুন্না পঙ্খুংসিনা পুন্সিদৈ।

২৮/০৭/০৩

ꯃꯪꯐꯝ

ꯂꯝꯍꯨꯏꯅ ꯅꯣꯡꯁꯥꯕꯨ ꯁꯔꯥꯛ ꯇꯃꯗ꯭ꯔ
ꯏꯁꯤꯡ ꯁꯣꯛꯇ ꯀꯩꯑꯣꯏꯕ ꯎꯇꯣꯡꯗ,
ꯐꯃꯥꯡ ꯑꯅꯥꯕꯅ ꯃꯥꯏꯕ ꯄꯥꯃꯗ꯭ꯔ
ꯐꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯐꯃꯁꯦꯕ ꯐꯃꯁꯦꯕꯤ ꯐꯃꯗ,
'ꯃꯥꯏꯕꯅ 'ꯃꯥꯏꯕꯤ ꯂꯥꯏꯕꯨꯡꯗ ꯆꯤꯡꯗ꯭ꯔꯥ
ꯃꯔꯤ ꯇꯣꯞꯇ꯭ꯔꯦ ꯁꯦꯕꯣꯡꯀꯥ ꯃꯥꯏꯔꯦꯜꯒꯥ,
ꯚꯨꯠꯅ ꯍꯦꯜꯂꯣꯏ ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡ ꯁꯥꯟꯅꯗ꯭ꯔꯥ
ꯄꯣꯜꯂꯤꯊꯤꯟ ꯇꯥꯑꯣꯗ꯭ꯔꯦ ꯏꯔꯦꯜꯗ ꯍꯣ'ꯒꯥ,
ꯆꯦꯜꯂꯤ ꯏꯔꯩ ꯄꯟꯊꯥꯡꯅ ꯊꯠꯇꯗꯤ
ꯑꯃꯝ ꯑꯉꯥꯟ ꯃꯨꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯊꯤꯗ꯭ꯔꯦ,
ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯌꯨꯛꯇꯤ ꯃꯤ ꯈꯣꯡꯗꯥꯔꯛꯇꯗꯤ
ꯁꯣꯔꯦꯟ ꯍꯔꯤ ꯁꯣꯌꯣꯟ ꯁꯛ-ꯁꯣꯟꯊꯤꯗ꯭ꯔꯦ,
ꯂꯩ। ꯂꯝꯗꯝꯗꯨ ꯂꯩꯀꯪꯂꯥꯗ ꯂꯣꯛꯇ
ꯃꯣꯡ ꯕꯩ ꯃꯪꯐꯝꯅꯤ ꯃꯐꯝꯗꯨ ꯃꯛꯇ ॥

꯰꯶/꯰꯸/꯰꯳

মংফম

লমহুইনা নোংশাবু শরাক তমদ্র
ঈশিং শোক্ত কৈওইবা উতোংদা,
ফমাং অনাবনা মাইবা পামদ্র
ফমদ্রে ফমশেবা ফমশেবী ফমদা,
'মাইবনা 'মাইবী লাইবুংদ চিংদ্রা
মরি তোপত্রে সেবোংকা মাইরেলগা,
ভুৎনা হেল্লোই শান্নবুং শান্নদ্রা
পোল্লিথিন তাওদ্রে ঈরেলদা হো'গা;
চেল্লি ঈরৈ পনথাঙনা থত্তদি
অমম অঙান মুক্তা শান্নথিদ্রে,
নুঙগী যুক্তী মী খোঙদারক্তদি
শোরেন হরি শোয়োন শক-শোনথিদ্রে,
লৈ! লমদমদু লৈকংলাদা লোক্ত
মোং বৈ মংফমনি মফমদু মক্ত।

০৬/০৮/০৩

ꯇꯤꯟꯐꯥ

ꯃꯅꯖꯨꯅꯔ ꯁꯦꯒꯥꯏꯔ ꯑꯣꯕꯣꯡꯒꯤ -
ꯁꯡꯊꯗꯨꯅꯥ ꯇꯡꯂꯕꯥ ꯂꯡꯖꯥꯁꯤꯡ,
ꯀꯤꯒꯨꯔ ꯑꯔꯥꯡꯕꯥ ꯐꯤꯒꯣꯟꯗꯨꯒꯤ -
ꯑꯃꯌꯃꯇ ꯇꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯤ ꯂꯡꯂꯥꯁꯤꯡ,
ꯌꯦꯟꯇꯨꯝꯒꯤꯗꯤ ꯅꯥꯍꯨꯡ ꯅꯥꯔꯦꯡꯗꯨꯅꯤ -
ꯀꯤꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯊꯣꯜꯂꯤꯒꯤ ꯀꯤꯁꯤꯅꯥ,
ꯇꯄꯇꯥꯒꯤꯕꯨ ꯑꯍꯤꯡꯕꯩ ꯈꯨꯔꯖꯤꯅꯤ -
ꯅꯥꯡꯉꯣꯛꯈꯤ ꯐꯤꯖꯤꯟꯗꯨ ꯄꯜꯂꯣꯟꯗꯅꯥ;
ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯥ ꯇꯝꯕꯨꯔꯔꯤꯕꯥ -
ꯃꯐꯨꯡꯂꯛꯇꯗꯤ ꯆꯔꯜ ꯆꯔꯜꯂ,
ꯅꯨꯡꯄꯥꯜ ꯊꯛ-ꯊꯥꯗꯨꯝ ꯑꯣꯜꯍꯜꯂꯔꯤꯕꯥ -
ꯍꯒꯤ ꯃꯍꯗꯨꯅꯅꯤꯅꯦ ꯇꯨꯜꯂ,
ꯀꯦ-ꯀꯨ - ꯁꯥꯐꯣꯡꯂꯛꯄꯗꯤ ꯅꯨꯡꯗ-ꯐꯣꯡ -
ꯇꯥꯏꯕꯪꯒꯤꯗꯤ ꯃꯥꯂꯡꯕꯅꯁꯨ ꯐꯣꯡ ॥

꯲꯲/꯰꯸/꯰꯳

তিনফা

মনজুনর সেগাইর ওবোংগী -
শংথদুনা তংলবা লংজাশিং,
কীগুর অরাংবা ফিগোন্দুগী -
অময়মত তাইশিল্লি লংলাশিং ,
যেন্তুমগীদি নাহুং নারেংদুনি -
কিশীল্লিবা থোল্লিগী কিশীনা,
তপতাগীবু অহীংবৈ খুরজিনি -
নাঙ্গোকখি ফিজিন্দু পল্লোন্দনা;
হনজিন হনজিন্না তম্বুররিবা -
মফুংলক্তদি চরল চরল্ল,
নুংপাল থক-থাদুম ওলহল্লরিবা -
হগী মহদুননিনে তুল্ল ,
কে-কু - শাফোঙলকপদি নুংদ-ফোঙ -
তাইবঙগীদি মালংবনসু ফোঙ ।

২২/০৮/০৩

ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯕꯥꯄꯨꯖꯤ

ꯅꯣꯡꯃꯒꯤꯗꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯗꯕꯨ -
ꯄꯥꯇꯥꯔ ꯁꯥꯔꯨꯡꯍꯟ ꯇꯥꯔꯨꯡꯍꯟꯕ,
ꯊꯦꯡꯂꯕ ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯇꯥꯡꯂꯧꯗꯕꯨ -
ꯈꯧꯄꯣꯡ ꯒꯙꯥꯕꯨꯁꯨ ꯈꯣꯡꯍꯜꯂꯤꯕ,
ꯊꯥꯖꯡ ꯊꯥꯕꯨꯝꯒꯤꯗꯤ ꯊꯔꯥꯟꯕꯨꯁꯨ -
ꯔꯤꯇꯨ ꯇꯔꯨꯛꯃꯛꯇ ꯊꯧꯒꯜꯂꯤꯅꯦ,
ꯗꯤꯕꯥꯂꯤꯒꯤꯗꯤ ꯔꯒꯥꯎ ꯆꯧꯕꯣꯔꯁꯨ -
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯀꯤꯁꯨ ꯁꯤꯜꯂꯥꯅꯤꯅꯦ.
ꯄꯨꯝꯊꯔꯛꯀ ꯎꯈꯥ ꯔꯥꯈꯥꯇꯅ -
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯥꯏꯌꯨꯝꯒꯤꯗꯤ ꯄꯣꯠꯊꯥꯐꯝꯗꯤ,
ꯆꯦꯈꯥꯎꯒꯤ ꯈꯣꯏꯊꯨꯜꯂ ꯃꯣꯙꯨꯔꯇꯅ -
ꯊꯔꯥꯏꯒꯤꯁꯨ ꯈꯣꯜꯂꯥꯡ ꯑꯃꯔꯤꯇꯅꯤ.
ꯊꯧꯔꯤ ꯑꯥꯟꯗꯣꯂꯟꯗꯨꯅ ꯊꯨꯝꯍꯤꯒꯤ -
ꯆꯣꯡꯊꯍꯜꯂꯤ ꯗꯣꯂꯥꯏ ꯃꯊꯛꯇꯒꯤ ॥

꯲꯳/꯰꯸/꯰꯳

কলিগী বাপূজী

নোংমগীদি নুংথিল নোংমাইদবু -
পাতার শারুঙহন তারুংহনবা,
থেঙলবা অহিংগী তাংলৌদবু -
খৌপোং গধাবুসু খোংহল্লিবা,
থাজং থাবুমগীদি থরানবুসু -
ঋতু তরুক্মক্তা থৌগল্লিনে,
দিবালিগীদি রগাও চৌবোরসু -
পুন্সি খোঙচৎকীসু শিল্লানিনে,
পুমথরক্ক উখা রাখাতনা -
থম্মোয় লাইয়ুমগীদি পোৎথাফম্দি,
চেখাওগী খোয়থুল্ল মোধুরতনা -
থরায়গীসু খোল্লাং অমৃতনি,
থৌরি আন্দোলন্দুনা থুমহিগী -
চোংথহল্লি দোলাই মথক্তগী ।

২৩/০৮/০৩

ꯑꯟꯗ꯭ꯔꯣꯒꯤ ꯃꯩ

ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ꯑꯍꯤꯡ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯅꯥꯏꯔꯤꯈꯦ
ꯑꯆꯨꯝ ꯑꯔꯥꯟ ꯈꯠꯅꯥ ꯌꯩꯅꯊꯤꯅꯤ,
ꯄꯣꯛꯄꯥ ꯁꯤꯕꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯂꯩꯔꯤꯃꯈꯦ
ꯔꯥꯛꯆꯤꯡ ꯎꯟꯅꯦꯟ ꯎꯟꯈꯥ ꯊꯥꯔꯊꯤꯅꯤ,
ꯍꯝꯃꯤ ꯌꯩꯅꯤ ꯁꯖꯤꯕꯨꯏ ꯅꯣꯡꯂꯩꯁꯨ
ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯃꯇꯝ' ꯁꯩꯖꯥꯗꯥ,
ꯀꯤꯟꯊꯨꯅꯤ ꯖꯝ-ꯖꯝ ꯏꯉꯥꯏ ꯅꯣꯡꯖꯨꯁꯨ
ꯉꯝꯃꯥ ꯆꯦꯟꯊ ꯏꯆꯦꯂꯒꯤ ꯏꯔꯩꯗꯥ.
ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯄꯣꯗꯣꯟ ꯗꯣꯁꯤ ꯆꯥꯛꯔꯤꯉꯩ
ꯃꯥꯌꯥꯂꯛꯇꯦ ꯑꯆꯨꯝ ꯊꯥꯎ ꯆꯨꯞꯈꯠꯅꯥ,
ꯑꯃꯝꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯩ - ꯁꯅꯥ ! ꯇꯥꯜꯂꯤꯉꯩ
ꯃꯝꯂꯣꯏ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯃꯨꯠꯅꯥꯏꯗ꯭ꯔ ꯃꯩꯔꯥꯅꯥ,
ꯆꯥꯛꯔꯤ - ꯂꯣꯠꯂꯤ - ꯁꯣꯛꯉꯝ ꯎꯉꯝꯗ꯭ꯔꯁꯤꯡ
ꯀꯦꯝꯍꯟꯅꯤ - ꯇꯌꯥꯜ - ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯤꯁꯤꯡ ॥

꯲꯲/꯰꯹/꯰꯳

অন্দ্রোগী মৈ

তাইবঙদা অহিং নুংথিল নাইরিখে
অচুম অরান খৎনা যৈনথিনি,
পোকপা শিবা পুন্সি লৈরিমখে
রাকচিং উন্নেন উনখা থারথিনি,
হম্মি যৈনি শজিবুই নোংলৈসু
নিংঙাই তৌদুনা মতম' শৈজাদা,
কীন্থুনি জম-জম ঈঙাই নোংজুসু
ঙম্মা চেন্থ ঈচেলগী ঈরৈদা.
পুন্সিগী পোদোন দোশি চাক্রিঙৈ
মায়ালক্তে অচুম থাউ চুপখৎনা,
অমম্বা তাইবঙদৈ - শ্না ! তাল্লিঙৈ
মম্লোই মালেম মুৎনাইদ্র মৈরানা,
চাক্রি - লোৎলি - শোকঙম উঙমদ্রশিং
কেমহন্নি - তযাল - জগোই শারিশিং ।

২২/০৯/০৩

ꯇꯣꯛ

ꯊꯧꯔꯕ ꯇꯣꯛ ꯊꯨꯏꯍꯩꯕꯩ ꯊꯨꯡꯂꯥꯏꯅꯤ
ꯍꯅꯨꯕꯤꯒꯤ ꯄꯥꯂꯁꯨ ꯇꯣꯛꯀꯥ ꯊꯥꯁꯤ,
ꯏꯕꯨꯙꯧ ꯃꯉ꯭ꯒꯥꯁꯨ ꯇꯣꯛꯀꯥ ꯇꯥꯟꯅꯤ
ꯎꯌꯨꯡꯒꯤ ꯎꯈꯨꯂꯕꯨ ꯇꯣꯛꯀꯥ ꯇꯧꯁꯤ,
ꯃꯣꯔꯦꯒꯤ ꯎꯆꯤꯗꯤ ꯇꯣꯛ ꯇꯥꯟꯁꯤꯁꯦ
ꯇꯣꯛ ꯇꯣꯛ - ꯇꯥꯝꯅꯥꯗꯨꯅꯥ ꯇꯧꯊꯤꯁꯤꯅꯦ,
ꯚ꯭ꯔꯤ-ꯚ꯭ꯔꯤ - ꯃꯌꯥꯗꯨꯝꯃ ꯇꯣꯛ ꯊꯥꯡꯈꯤꯁꯤꯁꯦ
ꯈꯣꯟꯖꯦꯟ ꯈꯣꯛꯀꯥ ꯇꯣꯛ-ꯇꯣꯛ - ꯇꯧꯊꯣꯛꯁꯤꯅꯦ.
ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯇꯣꯛ ꯈꯨꯠꯂꯣꯏꯔꯕ ꯈꯨꯂꯥꯏꯔꯥ
ꯐꯧꯒꯩꯕꯨ ꯇꯣꯛ ꯂꯥꯎꯅꯗꯨꯝꯃ ꯊꯤꯟꯗꯡꯂꯤ,
ꯐꯛꯂꯥꯡ ꯇꯣꯛ ꯑꯃꯝꯕꯩ ꯍꯣꯒꯥꯏꯔꯤꯔꯥ
ꯇꯣꯛꯀꯅꯤ ꯇꯣꯛ ꯁꯦꯕꯥꯛꯀꯨꯝꯃ ꯐꯥꯛꯀꯣꯛꯀꯤ,
ꯀꯕꯆꯆꯥ ꯅꯨꯡꯕꯆꯆ ꯇꯣꯛꯄꯨ ꯐꯥꯛꯀꯣꯛ
ꯁꯨꯛ-ꯁꯨ 'ꯃꯝꯕꯩ ꯁꯨꯛꯈꯣꯟꯒꯨꯝꯃꯥ ꯇꯣꯛ-ꯇꯣꯛ ...

꯲꯶/꯰꯹/꯰꯳

তোক

থৌরবা তোক থুইহৈবৈ থুংলাইনি
হনুবীগী পালসু তোক্কা থাশি,
ঈবুধৌ মঙ্গাসু তোক্কা তান্নি
উয়ুংগী উখুলবু তোক্কা তৌশি,
মোরেগী উচিদি তোক তানশিসে
তোক তোক - তাম্নাদুনা তৌথিশিনে,
ভ্রী-ভ্রী - ময়াদুম্ম তোক থাংখিশিসে
খোনজেন খোক্কা তোক-তোক - তৌথোকশিনে:
খুৎসু তোক খুৎলোয়রবা খুলায়রা
ফৌগৈবু তোক লাউনদুম্ম থিন্দংলি,
ফক্লাং তোক অমম্বৈ হোগাইরিরা
তোক্কনি তোক শেবাক্কুম্ম ফাক্কোক্কি,
কবচ্চা নুংবচ্চ তোকপু ফাক্কোক
শুক-সু 'মম্বৈ শুকখোনগুম্মা তোক-তোক ...

২৬/০৯/০৩

ꯀꯩꯅꯧ ꯔꯥꯌꯦꯜ

ꯑꯍꯤꯡꯕꯇꯅꯥ ꯑꯁꯤꯕꯕꯨ ꯀꯤ -
ꯑꯁꯤꯕꯒꯥ ꯁꯝꯅꯨꯗꯦ ꯊꯔꯥꯏꯅꯥ,
ꯑꯁꯤꯕꯅꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯕꯨꯁꯨ ꯀꯤ
ꯈꯜꯂꯤꯕꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯅꯥ,
ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯗꯨꯏ ꯈꯣꯡꯒꯨꯟꯅꯥ ꯇꯝꯅꯔꯗꯦ
ꯂꯝꯅꯧꯗꯨꯗꯥ ꯂꯣꯝꯅꯧꯗꯤ ꯉꯥꯡꯂꯤꯅꯤ,
ꯅꯣꯡ'ꯇꯥ ꯔꯥꯌꯦꯜꯁꯪꯗꯥ ꯇꯦꯡꯊꯔꯗꯦ
ꯃꯤꯊꯤꯟ ꯆꯩꯗ꯭ꯔꯨꯁꯨ ꯀꯤꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤ;
ꯑꯉꯝꯕꯅꯥ ꯊꯦꯜꯂꯤ ꯑꯁꯣꯟꯕꯁꯤꯡ
ꯊꯨꯅꯨꯗꯨꯒꯨꯝꯕ ꯄꯣꯟꯗ ꯇꯨꯅꯔꯤꯕꯥ,
ꯎꯔꯥꯏ ꯁꯤꯔꯕꯅꯤ ꯇꯨꯁꯣꯟꯕꯁꯤꯡ
ꯁꯦꯠꯇꯪ ꯁꯦꯠꯇꯨꯅꯥ ꯆꯥꯊꯣꯛꯂꯨꯕꯥ,
ꯑꯉꯛꯇ ꯍꯤꯡꯍꯟꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ
ꯀꯩꯅꯧꯒꯤ ꯔꯥꯌꯦꯝꯅꯤꯅꯦ ꯀꯂꯤꯗꯥ॥

꯲꯷/꯰꯱/꯰꯳

কৈনৌ রায়েল

অহীংবতনা অশিববু কি -
অশিবগা শম্নুদে থরায়না,
অশিবনা অহীংববুসু কি
খল্লিবনি তাইবঙদা হীংলিনা,
খোঙথাংদুই খোঙগুন্না তম্নরদে
লম্নৌদুদা লোম্নৌদি ঙাংলিনি,
নোং'তা রায়েলশংদা তেংথরদে
মীথিন চৈদ্রুসু কিদ্রবনি;
অঙম্বনা থেল্লি অশোনবশিং
থুনুদুগুম্ব পোন্দ তুনরিবা,
উরাই শিরবনি তুশোনবশিং
শেত্তং সেত্তুনা চাথোক্লুবা,
অঙক্ত হীংহনবা তাইবঙদা
কৈনৌগী রায়েম্নিনে কলিদা।

২৭/০১/০৩

ꯁꯃꯄꯨꯔꯤ

ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯐꯝꯑꯣ -
ꯀꯗꯥꯏꯗꯅꯣ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ,
ꯊꯔꯥꯏ ꯄꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯩꯗꯥꯡꯐꯝꯑꯣ -
ꯀꯩꯗꯕꯨ ꯂꯣꯠꯊꯕꯒꯦ ꯉꯃꯅꯃꯛ,
ꯃꯇꯝ'ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯇꯤꯁꯤꯡ ꯂꯣꯠꯊꯤꯅꯨ
ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯀꯂꯣ ꯐꯟ-ꯐꯟꯗꯨꯝ ꯉꯁꯤꯁꯨ,
ꯁꯇꯤꯈꯣꯡꯅꯥꯡ - ꯁꯥꯕꯤꯠꯔꯤ - ꯊꯝꯕꯥꯜꯂꯨ
ꯁꯤꯇꯥꯁꯨ - ꯀꯨꯟꯇꯤꯁꯨ - ꯗ꯭ꯔꯧꯄꯗꯤꯁꯨ;
ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯅꯇꯧꯁꯤꯡꯕꯨ ꯇꯝꯕꯅꯥ
ꯊꯣꯀꯂꯔꯦ ꯃꯇꯃꯗꯨꯏ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯕꯨ,
ꯏꯃꯥ ꯑꯃꯃꯇꯥ ꯊꯣꯔꯀꯍꯜꯂꯨꯅꯥ
ꯄꯣꯛꯂꯛꯅꯕꯥ ꯃꯥꯌꯆꯧ ꯑꯃꯃꯇꯕꯨ,
ꯀꯗꯥꯌꯗꯅꯣ ꯊꯥꯕꯤꯁꯤ ꯃꯩꯀꯂꯣ
ꯁꯃꯄꯨꯔꯤ ꯇꯔꯦꯠꯃꯀꯄꯨ ꯊꯣꯔꯛꯀꯣ ॥

꯲꯰/꯰꯵/꯰꯲

শমপুরী

তাইবঙ জীবশিংগী হৌরকফমও -
কদাইদনো ঙসিদি পুম্নমক ,
থরায় পানবশিংগী শৈদাংফমও -
কৈদবু লোৎথবগে ঙমনমক ,
মতম'মাগী সতিশিং লোৎথিনু
চোংথোরকলো ফন-ফন্দুম ঙসিসু ,
সতিখোংনাং - সাবিত্রি - থম্বাল্লু
সীতাসু - কুন্তিসু - দ্রৌপদীসু;
নখোয়গী নতৌশিংবু তম্বনা
থোকলরে মতমদুই থৌদোকশিংবু ,
ইমা অমত্তা থোরকহল্লুনা
পোক্লনবা মায়চৌ অমত্তবু ,
কদায়দনো থাম্বীসি মৈকল্লো
শমপুরী তরেৎমকপু থোরক্কো ।

৩০ /০১ /০৩

[illegible]

ꯀꯂꯤꯗꯥ ꯁꯛꯇꯤ

ꯃꯍꯥꯛ ꯑꯗꯨ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝꯗꯥ
ꯊꯅꯨꯡ ꯂꯣꯛ ꯆꯥꯛꯀꯕꯥ ꯃꯇꯝꯆꯨꯞꯂꯦ,
ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯥꯅꯕꯥ ꯃꯤꯗꯥ
ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯃꯩꯅꯥ - ꯄꯦꯟꯊꯣꯛꯄꯦ ꯀꯪꯊꯣꯛꯄꯦ
ꯊꯦꯡꯅꯔꯨ ꯚꯧꯔꯛ ꯂꯣꯠ ꯁꯥꯝꯕꯝꯕꯥ
ꯃꯤꯎꯖꯤꯌꯝ ꯊꯦꯟꯕꯩ ꯄꯨꯔꯀꯎ ꯄꯨꯟꯅꯥ,
ꯃꯕꯨꯡ ꯇꯕꯦꯠ ꯁꯤꯜꯂꯔꯣꯏ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯥ
ꯀꯖꯦꯡꯂꯩ ꯊꯣꯝꯅꯤ ꯁꯨꯝꯃꯨ ꯌꯥꯏꯉꯪꯅꯥ;
ꯂꯩꯔꯛ ꯂꯥꯂꯨꯕꯩ ꯎꯌꯨꯜ ꯄꯛꯀꯝꯔꯤ
ꯃꯩꯁꯥ ꯂꯥꯡꯂꯝꯔꯤ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯀꯣꯏꯔꯨꯕꯩ,
ꯌꯦꯟꯊꯥ ꯊꯣꯛꯂꯨꯕꯩ ꯂꯩꯈꯣꯝ ꯇꯩꯅꯤ
ꯂꯩꯀ꯭ꯔꯥꯡ ꯅꯞꯂꯝꯔꯤ ꯀꯥꯆꯤꯟ ꯆꯉꯂꯨꯕꯩ,
ꯁꯇꯤ ꯁꯤꯇꯥꯅꯥ ꯆꯉꯊꯤꯒꯨꯝ ꯂꯩꯅꯨꯡ
ꯆꯉꯈ꯭ꯔꯣ ꯑꯣꯝꯃꯥ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯊꯌꯥꯠꯅꯨꯡ ॥

꯰꯱/꯱꯰/꯰꯳

কলিদা শক্তি

মহাক অদু লৈরিবা মালেমদা
থনুং লোক চাক্কবা মতম্চুপ্লে ,
মপুরোইবা মানা চানবা মীদা
নুংশি মৈনা - পেনথোকপে , কংথোকপে
থেংনরু ভৌরক লোৎ শামবম্বা
মীউজিযম থেনবৈ পুরকউ পুন্না ,
মবুং তবেৎ শিল্লরোই চাক্কৌবা
কজেংলৈ থোম্নি শুম্মু যাইঙংনা ;
লৈরক লালুবৈ উযুল পক্কম্রি
মৈশা লাংলম্রি লৈকাই কোইরুবৈ ,
যেনথা থোকলুবৈ লৈখোম তৈনি
লৈক্রাং নপ্লম্রি কাচিন চঙলুবৈ ,
সতি সীতানা চঙথিগুম লৈনুং
চঙখ্রো ওম্মা মতমগী থয়াৎনুং ।

০১ /১০ /০৩

ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯀꯥꯌꯔ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ

ꯃꯨꯅꯤ - ꯉꯧꯔ ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯝ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯦ
ꯀꯔꯤ ! ꯀꯅꯥ ꯃꯉꯐꯥꯎꯗꯦ ꯇꯨꯝꯈꯨꯟꯗꯥ,
ꯉꯧꯔꯛꯂꯤ ꯏꯒꯤ ꯃꯆꯨ - ꯇꯝꯂꯦ
ꯃꯣꯢꯊꯥꯞ ꯂꯨꯞꯄꯨ ꯅꯨꯡ ꯇꯥꯎꯔꯛꯂꯕꯗꯥ,
ꯇꯦꯡꯊꯥꯢ ꯔꯥꯇꯣꯟ ꯎꯇꯣꯜꯗꯥ ꯂꯝꯖꯥꯁꯤꯡ
ꯌꯣꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯇꯝꯅꯥ ꯍꯣꯢ ꯁꯤꯔꯁꯤꯡꯁꯨ,
ꯄꯥꯢꯔꯦ ꯇꯨꯃꯤꯠ ꯌꯨꯔꯥꯂꯒꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡ
ꯍꯩꯈꯣꯛ ꯂꯣꯌꯔ' ꯀꯦꯜꯂ ꯍꯩꯕꯣꯡꯗꯦꯁꯨ;
ꯃꯨꯠꯂꯝꯗꯥꯢ ꯊꯥꯎꯃꯩ ꯊꯡꯖꯥꯜ ꯖꯥꯟꯒꯨꯂꯦ
ꯀꯌꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯔꯦ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ,
ꯐꯥꯔꯤ ꯑꯦꯀꯁꯤꯁꯇꯦ ꯅꯥꯝꯊꯣꯛ ꯄꯥꯢꯔꯛꯂꯦ
ꯀꯜꯂ ꯁꯥꯐꯨꯅꯥ ꯎꯉꯂꯤꯕꯥ ꯈꯨꯡꯒꯤ,
ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯎꯠꯂꯤ ꯃꯖꯥꯜ ꯃꯁꯦꯛꯂꯤ
ꯅꯣꯡꯆꯨꯞꯇꯨ ꯊꯣꯛꯂꯤ ꯆꯤꯡꯂꯣꯟ ꯂꯥꯝꯅꯤ ॥

꯰꯱/꯱꯰/꯰꯷

খোঙচৎ কায়র পৃথিবী

মুনি ঙৌর শঙ্গোম মঙলাক্লে
করি ! কনা মঙফাওদে তুমখুন্দা ,
ঙৌরক্লি ঈগী মচু - তম্লে
মোইথাপ লুপথ্র নুঙ তাওরক্লবদা ,
তেংথাই রাতোন উতোলদা লমজাশিং
য়োংলৈবাক তমনা হোই শিরশিংসু ,
পাইরে তুমিৎ য়ুরালগী মচাশিং
হৈখোক লোয়র ' কেল্ল হৈবোংদৈসু ,
মুৎলমদাই থাউমৈ থংজাল জানগুল্লে
কয়া নীংথিরে মালেম অসিগী ,
ফারি একশিশতে নাম্থোক পাইরক্লে
কল্ল শাফুনা উঙলিবা খুংগী ,
মত্লদা উৎলি মজাল মশেক্লি
নোংচুপ্তু থোক্লি চীংলোন লামনি ।

০১ /১০ /০৭

ꯀꯦꯟꯗꯜ

ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯁꯤꯡꯉꯥ ꯁꯩꯍꯧꯗꯨꯗꯒꯤꯅꯤ
ꯊꯤꯡꯉꯝꯂꯨꯗ꯭ꯔ ꯃꯤꯠꯂꯨꯏ ꯂꯥꯏꯖꯅꯕꯨ,
ꯁꯪꯁꯥꯕꯁꯤꯗꯥ ꯃꯉꯥꯜ ꯄꯤꯔꯔꯤꯅꯤ
ꯇꯞꯄꯥ ꯇꯞꯄꯨꯇꯥ ꯁꯤꯡꯉꯔꯒꯕꯨ,
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯀꯥꯏꯔꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯨꯡꯗꯨꯗꯩ
ꯁꯨꯛꯔꯥ ꯃꯟꯔꯕꯥ ꯀꯥꯊꯂꯗꯒꯤꯗꯤ,
ꯅꯠꯇꯦꯅꯦ ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯁꯨ ꯒꯪꯒꯥꯗꯩ
ꯇꯦꯡꯊꯥꯔꯤꯅꯤ ꯆꯥꯛꯔ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤꯗꯤ;
ꯆꯦꯟꯊꯨꯔꯤ-ꯏ ꯌꯣꯠꯄꯤ ꯃꯈꯨꯟꯗꯨꯒꯤ
'ꯃꯟꯕꯗꯩ ꯊꯣꯕꯛꯂꯤꯅꯤ' ꯉꯥꯟꯕꯅꯥ,
ꯄꯜꯂꯣꯟꯅꯨꯡꯗꯥ ꯄꯜꯂꯤꯁꯨ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ
ꯄꯥꯊꯣꯕꯛꯀꯏ ꯏꯆꯦꯜ ꯏꯊꯥꯏꯗꯨꯅꯥ,
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯁꯤꯡꯉꯥꯅꯥ ꯂꯣꯏꯔꯛꯂꯕꯗꯥ
ꯀꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ ꯄꯤꯔꯥꯡꯁꯨ ꯃꯤꯠꯂꯨꯗꯥ ॥

꯰꯵/꯱꯰/꯰꯳

কেন্দল

শিল্লম শিঙ্গা শৈহৌদুদগীনি
থিংঙমলুদ্র মীৎলুই লাইজনবু,
সংসাবশিদা মঙাল পিররিনি
তপ্পা তপ্পুতা শিঙ্গরগবু,
খোঙচৎ কাইরবা থম্মোয়নুংদুদৈ
শুক্রা মন্রবা কাথলদগীদি,
নত্তেনে ঈচেলদুসু গঙ্গাদৈ
তেংথারিনি চাক্র থম্মোয়গীদি;
চেন্থুরি-ঈ যোৎপী মখুন্দুগী
'মন্বদৈ থোবক্লিনি' ঙানবনা,
পল্লোন্নুংদা পল্লিসু পুক্লিংগী
পাথোবকই ঈচেল ঈথাইদুনা,
পুন্সি শিঙ্গানা লোইরক্লবদা
কংশিল্লক্লে পিরাংসু মীৎলুদা।

০৫ /১০ /০৩

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

꯰꯷/꯱꯰/꯰꯴

হিংচাবিগী থয়াৎ

হিংচাই থয়াৎ বর্মুদাই মাইএঙ্গম্রি
মাযাগী থোঙনি থোঙনা যাওদ্রবা ,
হিমালয চীংফাও উফুল মরিক্লি
চাকথাওনি চারি খুদিং চল্লবা ,
ফ্রিং ফ্রিং নমশিনবিথিবা চখোমও -
মতোং চাথোক ঈহিং চুপথোকথিয়ে ,
কোল্লু চপ ঈস্তোরক্কে চুবাও -
তরও মালং মালেমদা তুমথিযে .
হাকথিখন খুদিং থোঙযাম্বী পাইথি
হক্কামচন খুদিং হৈথৈ তিনবোংশিং ,
যাবক্তে হনযামশিং প্রোক-প্রোক কেনথি
লেংলেং চৎলকই মহিক মতাংশিং ,
কেনথিশুম মুল্ল তিনফা কাকফৈনা
কেন্ন্রে মাতগী কর্মগী ফোম্না ।

০৫ /১০ /০৩

ꯇ꯭ꯔꯤꯁꯨꯜ

"ꯄꯦꯟꯗꯕꯥ" - ꯖꯤꯕꯩ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯥꯏꯅꯥꯅꯤ
ꯚꯥꯟꯊꯣꯏ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡꯒꯤ ꯑꯥꯁꯟ ꯃꯊꯛꯇꯥ,
ꯀꯣꯛꯁꯨ ꯇꯣꯟꯁꯨ ꯈꯪꯉꯝꯗ꯭ꯔ ꯃꯥꯌꯥꯅꯤ
ꯄꯦꯟꯗꯕꯩ ꯄꯣꯠꯂꯨꯝ ꯊꯔꯥꯏ ꯀꯣꯛꯊꯛꯇꯥ,
ꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯅꯥ ꯄꯨꯕꯗꯥ ꯆꯣꯛꯊꯔꯒꯥ
ꯁꯤꯕꯥ ꯆꯪꯕꯥ ꯑꯥꯁꯥꯒꯤ ꯔꯥꯡꯃꯗꯥ,
ꯊꯔꯥꯏ ꯀꯌꯥ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯀꯦꯜꯂꯒꯥ
ꯀꯤꯔꯨꯞ ꯀꯤꯔꯨꯞ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯅꯥ ꯀꯗꯣꯝꯗꯥ;
ꯃꯥꯡ-ꯇꯥꯛꯍꯟꯗ꯭ꯔ ꯎꯇ꯭ꯇꯥ ꯘꯤ ꯍꯩꯒꯨꯝꯅꯥ
ꯎꯕꯥ ꯐꯪꯂꯀꯏ ꯄꯨꯟꯅꯤꯒꯤ ꯃꯁꯛ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯀꯥꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯩꯒꯤ ꯆꯤꯡꯅꯥ
ꯈꯥꯎꯕꯥ ꯉꯜꯂꯀꯏ ꯄꯦꯟꯗꯕꯩ ꯅꯨꯡꯁꯛ,
ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯆꯜꯂꯀꯏ ꯏꯟꯗ꯭ꯔꯤ' ꯑꯄꯥꯝꯕꯥ
ꯃꯄꯨꯏ ꯇ꯭ꯔꯤꯁꯨꯜꯅꯤ ꯇꯧꯅꯤꯡ ꯇꯧꯉꯝꯕꯥ॥

꯰꯶/꯱꯰/꯰꯳

ত্রিসুল

''পেন্দবা'' - জীবৈ থম্মোয় লায়নানি
ভানথোই পুক্রিংগী আসন মথক্তা,
কোকসু তোনসু খঙঙমদ্র মায়ানি
পেন্দবৈ পোৎলুম থরায় কোকথক্তা,
কোকথোং না পুবদা চোকথরগা
শিবা চংবা আশাগী রাংমদা,
থরায় কয়া ঙসিদি কেল্লগা
কিরুপ কিরুপ মীৎয়েংনা কদোমদা;
মাং-তাকহন্দ্র উত্তা ঘী হৈগুম্না
উবা ফংলকই পুন্নিগী মশক,
থম্মোয় লকানুংগী মৈগী চীংনা
খাওবা ঙল্লকই পেন্দবৈ নুংশক,
খুদুম চল্লকই ঈন্দ্রি' অপাম্বা
মপুই ত্রিশুন্নি তৌনিং তৌঙম্বা।

০৬/১০/০৩

ꯑꯍꯤꯡꯒꯔꯕ ꯑꯁꯩꯕꯒꯤ ꯑꯃꯔꯤꯠ

ꯀꯦꯟꯅꯕ ꯊꯟꯃꯣꯏꯑꯣ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ -
ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯇꯣꯕꯕꯥꯟꯗꯕꯨ ꯅꯊꯟꯇꯨ,
ꯄꯤꯔꯥꯡꯒꯤ ꯄꯥꯇꯔꯗꯨꯕꯨ ꯄꯥꯏꯔꯤꯅꯣ
ꯑꯍꯤꯡꯒꯔꯕ ꯑꯁꯩꯕꯒꯤ ꯑꯃꯔꯤꯠ.
ꯏꯒꯤ ꯏꯆꯦꯟꯗꯦ ꯏꯊꯥꯏꯔꯀꯂꯒꯥ
ꯂꯤꯔꯤ-ꯍꯨꯝꯕ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ ꯌꯦꯜꯂꯤꯗꯣ,
ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯀꯅꯥꯗꯕꯨ ꯀꯠꯂꯒꯥ
ꯀꯔꯤꯕꯨꯅꯣ ꯅꯡꯇꯅꯥ ꯚꯥꯏꯔꯤꯗꯣ;
ꯅꯣꯡꯃꯗꯣꯟꯊꯛ ꯇꯝꯃ ꯅꯣꯛꯂꯤꯕꯗꯤ
ꯚꯥꯏꯍꯥꯛꯁꯨ ꯁꯥꯝꯅꯔꯤꯕ ꯅꯥꯔꯥꯒꯨꯝ,
ꯑꯃꯨꯛꯁꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯛ ꯀꯞꯂꯤꯕꯗꯤ
ꯃꯤꯄꯥꯏꯔꯛꯀꯨꯕ ꯀꯣꯜꯂꯕ ꯈꯥꯡꯒꯨꯝ,
ꯏꯌꯥꯏꯊꯛꯀꯤ ꯍꯦꯜꯂꯣꯏ ꯍꯤꯅꯥꯎꯒꯨꯝꯕ
ꯂꯝꯗꯟꯍꯜꯂꯤ ꯃꯪꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯅꯡꯅꯥ ॥

꯰꯵/꯱꯰/꯰꯹

অহিঙ্গরবা অশৈবগী অমৃত

কেন্নবা থন্মোয়ও করিগীনো -
অহিংগী তোববান্দবু নথন্তু ,
পিরাংগী পাত্রদুবু পাইরিনো
অহিঙ্গব অশৈবৈ অমৃত ,
ঈগী ঈচেন্দে ঈথাইরকলগা
লিরি-হুম্বা মালংদা য়েল্লিদো ,
করিগী কনাদবু কৎলগা
করিবুনো নঙতনা ভাইরিদো ;
নোংমদোনথক তম্ম নোক্লিবদি
ভাইহাকসু শাম্নরিবা নারাগুম ,
অমুকসু নীংশিংলক কপ্লিবদি
মীপাইরক্কুবা কোল্লবা খাংগুম ,
ঈয়াইথককী হেল্লোই হীনাওগুম্বা
লমদনহল্লি মংলৈবাক্তা নঙনা ।

০৬/১০/০৩

ꯑꯍꯤꯡꯕ ꯏꯇꯤꯍꯥꯁ

ꯐꯟ-ꯐꯟ ꯇꯊꯛ ꯆꯣꯡꯂꯤꯕ ꯃꯤꯡꯃꯥꯡꯗ
ꯊꯣꯛꯂꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯂꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯂꯥ,
ꯁꯨꯛꯔ ꯂꯣꯛꯅꯨꯡꯗ ꯀꯅꯥ ꯊꯉꯉꯝꯗ
ꯅꯣꯡꯂꯩ-ꯁꯥꯍꯨꯝ ꯅꯡꯊꯔꯥ ꯎꯖꯥꯎ ꯐꯨꯛꯂꯥ,
ꯊꯦꯡꯂꯥ ꯑꯍꯤꯡ ꯂꯧꯁꯤꯄꯥꯡ ꯁꯅꯝꯕ
ꯂꯣꯡꯉꯝꯗꯦ ꯊꯣꯡꯒꯨꯜ ꯇꯣꯕꯕꯥꯅꯤ ꯂꯩꯉꯣꯏꯊꯛ,
ꯀꯧꯔꯤꯅꯦ ꯃꯔꯧ ꯆꯥꯎꯕ ꯁꯥꯗꯥꯅꯕ
ꯁꯅꯥ-ꯐꯥꯒꯣꯛ ꯊꯦꯜ ꯇꯝꯐꯥ ꯒꯥꯗꯤꯊꯛ .
ꯁꯤꯀꯥꯔꯤ ꯍꯨꯏꯁꯨ ꯃꯤꯡꯀꯞ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤ
ꯏꯇꯤꯍꯥꯁꯅꯤ ꯁꯤꯟ ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯖꯤꯕꯗꯦ,
ꯃꯤꯡꯀꯨꯞꯇꯥ ꯀꯥꯎꯒꯔꯥ ꯇꯨꯝꯊꯨꯟ ꯇꯥꯔꯤ
ꯇꯝꯂꯥ ꯂꯥꯏ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯦ ꯃꯉꯂꯥꯟꯗꯨꯗꯦ,
ꯃꯤꯔꯣꯜ ꯀꯌꯥꯏ ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯆꯤꯟꯕꯨꯡꯗꯒꯤ
ꯏꯇꯤꯍꯥꯁ ꯄꯣꯡꯊꯥꯗꯦ ꯃꯤꯡꯀꯨꯞ ꯀꯥꯎꯒꯤ॥

꯲꯰/꯱꯰/꯰꯳

অহীংবা ইতিহাস

ফন-ফন তথক চোংলিবা মীংমাঙদা
থোক্লি থৌদোক্লা পুন্সি থৌদোক্লা,
শুক্র লোকনুংদা কনা থঙঙমদা
নোংলৈ-শাহুম নংথ্রা উজাও ফুক্লা,
থেংলা অহিং লৌশিপাং শনম্বা
লোংঙমদে থোঙ্গুল তোববানি লৈঙোইথক,
কৌরিনে মরৌ চাওবা শাদানবা
সনা-ফাগোক থেল তমফা গাদিথক .
শিকারি হুইসু মীংকপ থোকহল্লি
ঈতিহাসনি শিন হীংলি জিবদে,
মিংকুপ্তা কাওগ্রা তুমথুন তারি
তম্লা লাই মঙলাক্লে মঙলান্দুদে,
মীরোল কয়াই হীংলি চীনবুঙদগী
ঈতিহাস পোংথাদে মীংকুপ কাওগী।

২০/১০/০৩

ꯃꯩꯀ꯭ꯔꯦꯡ

ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯝꯃꯩꯅꯥ -
ꯆꯦꯟ ꯆꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯖꯩ ꯅꯤꯡꯇꯝꯅ,
ꯇꯥꯉꯣꯏ ꯇꯥꯏ ꯁꯣꯛꯂꯨ ꯁꯤꯡ ꯃꯩꯔꯤꯗꯨꯅꯥ
ꯎꯄꯥꯜ ꯔꯥꯄꯥꯜ ꯊꯤꯕꯤꯛꯄꯨꯁꯟ ꯀꯦꯟꯅ,
ꯁꯩꯇꯥꯟꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯏ ꯁ꯭ꯅꯥꯔꯅꯥ ꯃꯩꯕꯗꯥ
ꯑꯣꯟꯅꯦ ꯃꯩꯔꯤꯒꯤ ꯂꯦꯝꯈꯥꯛ - ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ,
ꯍꯅꯊꯤ ꯊꯔꯥꯌꯁꯤꯡ ꯁꯤꯟꯅꯥ ꯄꯥꯡꯂꯃꯗꯥ
ꯅꯣꯛꯆꯩ ꯈꯦꯛꯂꯥ ꯈꯦꯛꯂꯥ ꯑꯃꯨꯔꯥꯕꯥ ,
ꯇꯨ-ꯈꯣꯡ ꯁꯃꯨꯗ꯭ꯔꯦ ꯃꯊꯥꯗꯥ ꯂꯣꯡꯈ꯭ꯔꯦ
ꯁꯗꯨꯝ ꯁꯗꯨꯝ ꯃꯌꯥꯅꯥ ꯐꯛꯂꯀꯏ ,
ꯁꯔꯨ ꯁꯌꯥꯡꯒꯤ ꯁꯩꯖꯥꯗꯥ ꯆꯦꯞꯈ꯭ꯔꯦ
ꯈꯡꯄ꯭ꯔꯦꯛ-ꯈꯡ । - ꯍꯏꯌꯥ ꯀꯕꯣꯛ ꯄꯣꯛꯂꯀꯏ ,
ꯍꯧꯅꯔꯨꯗꯥ ꯍꯣꯡꯅꯩ - ꯍꯣ-ꯍꯥ । ꯍꯣ-ꯍꯥ ...
ꯂꯥꯡꯕꯩ ꯍꯧ'ꯗ꯭ꯔꯥ ꯇꯨꯝꯔꯤ ꯁꯅꯖꯦꯟꯅꯍꯥ ॥

꯲꯴/꯰꯴/꯰꯴

মৈক্রেং

লাউ খোংদুনা চাক্লিবা লাম্মৈনা -
চেন চোংদুনা শান্নজৈ নিংতম্ন,
তাঙ্গোই তাই শোকলু শিং মৈরীদুনা
উপাল রাপাল থিবিকপুস্ন কেন্ন,
শৈতানগী নুংশাই শ্নারনা মৈবদা
ওন্নে মৈরীগী লেমখাক - অহীংবা,
হনথি থরায়শিং শিন্না পাংলমদা
নোকচৈ খেক্লা খেক্লা অমুরাবা,
তু-খোং সমুদ্রে মথাদা লোংখ্রে
শদুম শদুম ময়ানা ফক্লকই,
শরু শয়াংগী শৈজাদা চেপখ্রে
খংপ্রেক-খং! - হইয়া কবোক পোক্লকই,
হৌনরুদা হোংনৈ - হো-হা! হো-হা!...
লাংবৈ হৌ'দ্রা তুম্রি শনজেন্নহা।

২৪/০৪/০৪

ꯍꯩꯕꯣꯡꯅꯨꯡꯒꯤ ꯁꯪꯁꯥꯔ

ꯁꯅꯝꯕꯒꯤ ꯁꯪꯒꯨ ꯁꯪꯒꯨꯁꯤꯡꯅꯥ
ꯄꯥꯡꯀꯤ ꯄꯥꯡꯆꯤꯟꯗ-ꯂꯨꯝ ꯄꯣꯡꯊꯥꯅꯕꯤ,
ꯗꯥꯛꯔꯥꯒꯤꯗꯤ ꯗꯥꯆꯤꯛꯁꯨ ꯗꯥꯔꯤꯟꯅꯥ
ꯏꯕꯦꯜꯒꯤ ꯏꯕꯩꯅꯨꯡꯗꯥ ꯏꯔꯣꯢꯔꯤ,
ꯇꯣꯕꯕꯥꯅꯤꯊꯛ ꯇꯧꯕꯪꯀꯤ ꯇꯣꯛꯄꯁꯦ
ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯤꯇꯥꯟꯕꯤꯕꯅꯤ
ꯀꯨꯝꯕꯤ ꯀꯥꯂꯦꯟ ꯀꯥꯡꯂꯛꯊꯤꯗ꯭ꯔꯕꯁꯦ
ꯀꯃꯌꯂꯥꯛ ꯀꯨꯔꯨꯁꯨ ꯀꯥꯟꯕꯤꯕꯅꯤ ,
ꯑꯍꯥꯎ ꯑꯍꯥꯎꯕꯗꯥ ꯉꯥꯎꯖꯕꯁꯤꯡ
ꯉꯥꯎꯅꯤꯡ ꯉꯥꯎꯅꯤꯡꯇꯥ ꯉꯥꯎꯊꯣꯛꯔꯕꯤꯌꯦ,
ꯄꯣꯡꯂꯨꯝ ꯄꯣꯡꯄꯨꯇꯥ ꯄꯨꯅꯤꯡꯂꯤꯕꯁꯤꯡ
ꯔꯥꯅꯤꯡ ꯔꯥꯅꯤꯡꯈꯩ ꯔꯥꯊꯣꯛꯔꯕꯤꯌꯦ,
ꯁꯥꯗꯣꯛ ꯁꯤꯗꯣꯛꯀꯦ ꯁꯤꯟꯅꯥꯏꯗ꯭ꯔꯁꯤꯡꯕꯨ
ꯂꯛꯀ ꯂꯥꯛꯀꯦ ꯂꯥꯛꯀꯅꯤꯡꯂꯤꯁꯤꯡꯕꯨ ॥

꯳꯱/꯰꯵/꯰꯴

হৈবোংনুংগী সংসার

শনম্বগী শঙ্গু শঙ্গুশিংনা
পাংকী পাংচিন্দ-লুম পোংথানবি ,
ডাক্রাগীদি ডাচিকসু ডারিন্না
ঈবেলগী ঈবৈনুংদা ঈরোইরি ,
তোববানিথক তৌবঙ্কী তোকপসে
মুনা মুনা মিতানবিবনি
কুম্বী কালেন কাংলকথিদ্রবসে
কময়লাক কুরুসু কানবিবনি ,
অহাও অহাওবদা ঙাওজবশিং
ঙাওনিং ঙাওনিংতা ঙাওথোক্রবিয়ে ,
পোংলুম পোংপুতা পুনিংলিবশিং
রানিং রানিংখৈ রাথোক্রবিয়ে ,
শাদোক শিদোক্কে শিন্নাইদ্রশিংবু
লক্ক লাক্কে লাক্কনিংলিশিংবু ।

১৮/০৬/০৪

ꯃꯣꯡꯕꯍꯟꯕꯦ ꯃꯣꯡꯕꯤ

ꯃꯍꯥꯕꯂꯤ ꯎꯃꯪ ꯁꯥꯟꯅꯦ ꯌꯣꯡꯅꯥ -
ꯀꯣꯏꯇꯥꯟ-ꯇꯥꯟ ꯀꯣꯏꯔꯣꯠ-ꯂꯣꯠ ꯀꯣꯏꯆꯦꯟ ꯆꯦꯟꯖꯩ,
ꯂꯨ ꯀꯣꯛꯅ ꯊꯥꯡꯖꯩ ꯎꯔꯤ-ꯔꯥꯔꯤꯅꯥ
ꯂꯪꯖꯥ ꯀ꯭ꯂꯥꯛꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯀꯣꯏꯄꯥꯏ ꯄꯥꯏꯖꯩ,
ꯀꯧꯖꯦꯡ ꯍꯥꯔꯧ ꯂꯩꯅꯨꯡꯗꯥ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯦ
ꯁꯦꯕꯥꯛ ꯐꯥꯛꯂꯅꯥ ꯍꯤꯛꯄꯤ ꯐꯥꯔꯤꯅꯤ,
ꯎꯇꯣꯟꯗꯦ ꯆꯣꯡꯊꯔꯛ ꯕꯥꯂꯚꯨꯛ ꯃꯨꯌꯦ
ꯈꯤ-ꯈꯥ ꯚꯛꯇꯥ ꯃꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯩ ꯂꯥꯛꯂꯩꯅꯤ,
ꯃꯤꯔꯃꯗꯩ ꯌꯣꯡꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯨꯍꯣꯡ ꯊꯤꯜꯂꯤ -
ꯎꯔꯥꯂꯛ ꯎꯇ꯭ꯇꯥꯡꯕꯤ ꯅꯥꯔꯛꯇꯥ ꯇꯥꯏ,
ꯃꯣꯡꯕꯍꯟꯕꯦ ꯃꯣꯡꯕꯤ ꯃꯀꯨ ꯁꯦꯡꯂꯤ
ꯆꯦꯟꯊꯨꯔꯤ ꯏꯈꯦꯡꯂꯛ ꯇꯤꯟꯐꯥ ꯌꯥꯇꯥꯏ,
ꯏꯈꯦꯡ-ꯊꯥꯎ ꯆꯣꯠꯂ ꯃꯩꯀꯥꯝ-ꯁꯝ ꯆꯨꯔꯤ
ꯂꯩꯀꯨꯠ ꯂꯩꯔꯥꯏꯗꯦ ꯂꯥꯏꯌꯥꯝ ꯂꯥꯛꯂꯔꯤ ॥

꯱꯸/꯰꯶/꯰꯴

ম্যোংবহনবে ম্যোংবী

মহাবলী উমং শান্নে য়োংনা -
কোইতান-তান কোইরোৎ-লোৎ কোইচেন চেনজৈ,
লু কোক্ন থাঙজৈ উরি-রারিনা
লংজা ক্লাকশিংনসু কোইপাই পাইজৈ,
কৌজেং হারৌ লৈনুংদা মঙলাক্লে
শেবাক ফাক্লনা হীকপী ফারিনি,
উতোন্দৈ চোংথরক বালভুক মুয়ে
খি-খা ভক্তা মাংথোকপৈ লাক্লৈনি,
মীরমদৈ য়োংলৈবাক লুহোং থিল্লি -
উরালক উত্তাঙবী নারক্তা তাই,
ম্যোংবহনবে ম্যোংবী মকু শেংলি
চেন্থুরি ঈখেংলক তিনফা য়াতাই,
ঈখেং-থাও চোৎল মৈকাম-শম চুরি
লৈকুৎ লৈরাইদৈ লাইয়াম লাক্লরি ।

১৮/০৬/০৪

ꯂꯨꯈꯔꯥꯕꯤ ꯃꯄꯩ

ꯂꯨꯐꯦꯡ ꯂꯨꯐꯦꯡ ꯇꯥꯎꯊꯔꯩ ꯄꯜꯂꯣꯟꯗꯥ -
ꯀꯤꯔ ꯄꯣꯂꯤꯊꯤꯟ ꯃꯌꯣꯝ ꯃꯌꯣꯝꯅꯥ,
ꯗꯥꯊꯨ ꯊꯦꯡꯊꯨꯏ ꯑꯄꯨꯝ ꯑꯁꯥꯁꯤꯡꯗꯥ
ꯃꯤ ꯍꯧꯖꯩ ꯄꯤꯛꯂꯦ ꯖꯤꯕꯥ ꯀꯌꯥꯅꯥ,
ꯅꯣꯡꯂꯩꯅꯥ ꯊꯔꯥ ꯍꯜꯂꯒꯥ ꯄꯨꯔꯤ
ꯁꯦꯒꯥꯏ ꯆꯦꯠꯅꯥ ꯐꯥꯖꯤꯟꯅꯤ ꯈꯨꯠꯁꯥꯝꯅꯨ,
ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯗꯥ ꯇꯥꯎ ꯆꯦꯟꯊꯕꯤ
ꯈꯨꯗꯨꯝ-ꯁꯤꯡ ꯂꯥꯛꯂꯦ ꯈ꯭ꯕꯥꯡꯆꯦꯡ ꯃꯆꯤꯟꯅꯨ .
ꯇꯤꯟꯖꯡ ꯀꯥꯏꯖꯡꯂ ꯍꯩꯕꯨꯡ ꯍꯩꯔꯥꯡꯁꯤꯡ
ꯁꯦꯒꯥꯏ! 'ꯃꯨꯕꯩ ꯄꯣꯂꯤꯊꯤꯟꯗꯥ ꯍꯥꯞꯂꯤ,
ꯇꯊꯛ-ꯇꯊꯛꯀꯏ ꯃꯣꯡꯂ ꯈꯨꯠꯁꯥꯁꯤꯡ,
ꯊꯔꯅꯥ ꯂꯨꯁꯝ ꯀꯤꯁꯤ ꯀꯤꯁꯤꯟꯅꯤ,
ꯑꯑꯣꯝ ꯁꯛꯇꯤꯅꯥ ꯂꯡꯊꯩ ꯏꯆꯦꯟꯅꯨꯡ
ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯏꯇꯨꯗꯥ ꯐꯨꯟꯒꯠꯂꯦ ꯈꯣꯡꯅꯨꯡ ॥

꯲꯲/꯰꯶/꯰꯴

লুখ্রাবী মপৈ

লুফেং লুফেং তাওথরৈ পল্লোম্দা -
কির পোলিথিন মযোম মযোম্না,
ডাথু থেংথুই অপুম অশাশিংদা
মী হৌজৈ পিক্লে জিবা কযানা,
নোংলৈনা থরা হল্লগা পুরি
শেগাই চেৎনা ফাজিন্নি খুৎশাম্নু,
মতমগী ঈচেলদা তাও চেন্থবি
খুদুম-শিং লাক্লে খ্বাঙচেং মচিন্নু .
তিনজং কাইজংল হৈবুং হৈরাংশিং
শেগাই! 'মুবৈ পোলিথিন্দা হাপ্লি,
তথক-তথকই মোংল খুৎশাশিং,
থরনা লুশম কিশি কিশিন্নি,
অওম শক্তিনা লংথৈ ঈচেন্নুং
নোংযাই ঈতুদা ফুনগৎলে খোংনুং ।

২২/০৬/০৪

ꯑꯉꯥꯑꯣꯕꯅꯤ

ꯑꯉꯥꯑꯣꯕꯅꯤ ꯉꯥꯑꯣꯔꯕ ꯆꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤꯡꯅꯥ
ꯉꯥꯑꯣ-ꯐꯩꯅꯥ ꯂꯥꯑꯣ-ꯈꯣꯡꯅ ꯅꯥꯔꯤꯕꯁꯨ,
ꯂꯥꯛꯂꯨ-ꯐꯥꯅꯥ ꯌꯣꯠꯍꯤꯡꯊꯥꯡ ꯒ꯭ꯌꯥꯟ-ꯃꯥꯡꯅꯥ
ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯇꯣꯔꯩꯅꯥ ꯆꯦꯟꯊꯨꯔꯤꯁꯨ,
ꯐꯩꯅꯥ-ꯌꯨꯡꯅꯥ ꯇꯥꯑꯣꯊꯔꯩ ꯊꯤꯡꯉꯃꯗ꯭ꯔ
ꯏꯊꯛꯀꯤ ꯀꯥꯑꯣꯁꯤꯡꯒꯨꯝꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯔ,
ꯑꯉꯥꯑꯣꯂꯛꯀꯁꯨ ꯃꯤꯃꯥꯟꯅꯥ ꯉꯥꯑꯣꯗ꯭ꯔ
ꯅꯥꯏꯇꯣꯝ ꯂꯩꯀꯪꯂꯥꯏ-ꯌꯥꯠꯔꯤꯛꯂꯤ ꯉꯥꯑꯣꯔ,
ꯄꯟꯈꯩꯒꯤ ꯔꯥꯡꯃꯗꯥ ꯇꯥꯑꯣꯊꯔꯕ
ꯅꯤꯡꯁꯤꯡ-ꯅꯤꯡꯁꯤꯡ ꯇꯝꯅꯥ ꯑꯉꯥꯑꯣꯕꯅꯤ,
ꯄꯟꯊꯨꯡꯗꯥ ꯄꯂꯣꯟꯗꯥ ꯆꯦꯟꯊꯔꯤꯕ
ꯉꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯆꯣꯛꯊꯔꯕ ꯊꯔꯥꯏꯅꯤ,
ꯄꯤꯔꯥꯡ ꯄꯤꯔꯣꯏꯅꯔꯔꯦ ꯅꯣꯛꯄꯗꯥ
ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯃꯤꯅꯣꯛꯂꯔꯔꯦ ꯀꯞꯄꯗꯥ ‖

꯲꯸/꯰꯶/꯰꯴

অঙাওবনি

অঙাওবনি ঙাওরবা চুমদ্রিংনা
ঙাও-ফৈনা লাও-খোংন নারিবসু,
লাক্লু-ফানা যোৎহিংথাং গ্যান-মাঙনা
মতমগী তোরৈনা চেন্থুরিসু,
ফৈনা-য়ুংনা তাওথরৈ থিংঙমদ্র
ঈথক্কী কাওশিংগুম্না শান্নর,
অঙাওলক্কসু মীমান্না ঙাওদ্র
নাইতোম লৈকংলাই-যাত্রিক্লি ঙাওর,
পনখৈগী রাংমদা তাওথরবা
নীংশিং-নীংশিং তম্না অঙাওবনি,
পনথুংদা পল্লোন্দা চেন্থরিবা
ঙাওবদা চোকথরবা থরায়নি,
পিরাং পিরোইনররে নোকপদা
মোমোন মীনোক্লররে কপপদা ।

২৮/০৬/০৪

ꯌꯣꯡꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯌꯨꯕꯤꯔꯥꯛꯄꯤ

ꯌꯣꯡꯌꯥꯝꯁꯤꯡ ꯁꯥꯟꯅꯕꯤ ꯌꯣꯡꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ
ꯌꯣꯡꯕꯨꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯤ ꯂꯥꯡꯂꯤꯕꯅꯤꯅꯦ,
ꯌꯣꯡꯌꯥꯝꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯤ ꯀꯨꯟꯃꯩ ꯌꯣꯡꯂꯛꯇꯥ
ꯌꯣꯡꯕꯨꯔꯦꯟꯕꯤ ꯄꯤꯖ ꯄꯤꯊꯛꯂꯤꯅꯦ,
ꯌꯣꯡꯅꯥꯎꯁꯤꯡꯇꯅꯤ ꯆꯣꯡꯂꯤ ꯐꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯌꯣꯡꯍꯩꯕꯣꯏꯁꯤꯡ ꯐꯣꯏꯗꯖꯨꯅꯥ ꯆꯨꯞꯂꯤ,
ꯌꯣꯡꯃꯨꯈꯛꯇꯅꯤ ꯙꯨꯜꯂꯣꯛ ꯊꯤꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯌꯣꯡꯂꯩꯃꯗꯤ ꯌꯣꯡꯂꯩ-ꯏꯁꯩ ꯁꯛꯂꯤ.
ꯌꯣꯡꯃꯥꯏꯕꯩ ꯌꯣꯡꯃꯥꯏ ꯊꯥꯔꯔꯤꯁꯤꯗꯥ
ꯌꯣꯡꯊꯨꯟꯁꯤꯡꯅꯕꯨ ꯄꯩꯁꯥ ꯊꯥꯔꯕꯤ,
ꯌꯣꯡꯖꯥꯎ ꯏꯁꯤ-ꯁꯤ ꯇꯨꯝꯂꯔꯤꯁꯤꯗꯥ
ꯌꯣꯡꯃꯩꯇꯡ ꯁꯤꯊ-ꯁꯤꯊ ꯅꯣꯛꯂꯕꯤ,
ꯌꯣꯡꯇꯥꯡꯁꯤꯡꯒꯤꯁꯨ ꯇꯥꯡꯀꯤ ꯀꯨꯟꯃꯩꯅꯤ
ꯌꯣꯡꯁꯤꯡꯕꯨ ꯌꯦꯡꯍꯩꯔꯗꯤ ꯀꯨ'-ꯃꯩꯅꯤ॥

ꯏ꯱꯴/꯰꯷/꯰꯴

য়োংলৈবাক্তা য়ুবীরাকপী

য়োংযাম্মশিং শান্নবি য়োংলৈবাক্তা
য়োংবুনা শীল্লি লাংলিবনিনে,
য়োংযাম্মশিংগীনি কুন্মৈ য়োংলক্তা
য়োংবুরেনবী পীজ পীথক্লিনে,
য়োংনাওশিংতনি চোংলি ফল্লিবা
য়োংহৈবোইশিং ফোইদজুনা চুপ্লি,
য়োংমুখক্তনি ধুল্লোক থীল্লিবা
য়োংলৈমদি য়োংলৈ-ঈশৈ শক্লি:
য়োংমাইবৈ য়োংমাই থাররিশিদা
য়োংথুনশিংনবু পৈশা থারবি,
য়োংজাও ঈশি-শি তুমলরিশিদা
য়োংমৈতং শিথ-শিথ নোক্লবি,
য়োংতাংশিংগীসু তাংকী কুন্মৈনি
য়োংশিংবু য়েংহৈরদি কু'-মৈনি।

১৪ /০৭ /০৪

ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯌꯦꯟꯗꯥꯏ

ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯆꯦꯠꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯄꯥꯠꯔ ꯄꯥꯌꯔꯥ
ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯂꯩꯀꯣꯜ ꯆꯪ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯤꯡꯊꯥꯏꯗꯥ,
ꯅꯨꯡꯁꯤ' ꯁꯅꯥ ꯂꯩꯍꯥꯎꯕꯨ ꯍꯦꯛꯂꯨꯔꯥ
ꯊꯅꯒꯟꯅꯣꯏ ꯌꯦꯟꯗꯥꯏ ꯃꯄꯣꯛ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗꯥ,
ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯥ ꯃꯗꯤ ꯃꯍꯥ ꯏꯄꯥꯛꯅꯤ
ꯃꯨꯔꯥꯕꯩꯗꯤ ꯍꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯃꯗꯤ,
ꯃꯥꯌꯥ ꯃꯥꯒꯤꯁꯨ ꯃꯍꯥ ꯆꯥꯌꯥꯅꯤ
ꯊꯕꯥꯏ ꯑꯃꯔꯤꯇꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯃꯗꯤ;
ꯃꯂꯪ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯁꯍꯃꯁꯨ ꯀꯤꯔꯨꯗꯦ
ꯁꯨꯛꯔꯥ ꯂꯣꯛꯅꯨꯡꯗꯩ ꯇꯄꯄꯥ ꯆꯦꯝꯕꯨꯔꯤ,
ꯃꯇꯝꯃꯥ ꯏꯔꯩ ꯇꯝꯕꯥꯛꯇꯥ ꯁꯨꯃꯗꯦ
ꯄꯤꯛꯔꯥ ꯊꯕꯥꯏ ꯆꯔꯥ ꯆꯤꯟꯗꯝꯕꯤꯔꯤ,
ꯕꯥꯡꯂꯕꯥ ꯆꯤꯡꯃꯥꯏ ꯀꯌꯥ ꯂꯥꯟꯗꯨꯅꯥ
ꯂꯨꯔ ꯏꯄꯥꯛ ꯇꯤꯟꯊꯤ ꯏꯆꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ॥

꯰꯸/꯰꯷/꯰꯸

নুংশি-য়েন্দাই

খুত্তা চেৎনা নুংশি-পাত্র পায়রা
নুংশি-লৈকোল চঙ থম্মোয় নিংথাইদা,
নুংশি' সনা লৈহাওবু হেক্লুরা
থনওন্নোই য়েন্দাই মপোক খুদিংদা,
নুংশিবা মাদি মাহা ঈপাকনি
মুরাবৈদি হনি নুংশি মাদি,
মায়া মাগীসু মাহা ছায়ানি
থবায় অমৃতনি নুংশি মাদি;
মালং নোংলৈ শহমসু কিরুদে
শুক্রা লোকনুংদৈ তপ্পা চেম্বুরি,
মতম্মা ঈরৈ তম্বাক্তা শুমদে
পীক্রা থবায় চরা চিন্দম্বীরি,
বাংলবা চীংমাই কয়া লান্দুনা
লুর ঈপাক তিনথি ঈচেন্দুনা।

০৮ /০৭ /০৮

ꯀꯅꯥꯅ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕ ! ꯀꯅꯥꯅ ꯁꯤꯔꯤꯕ !

ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯀꯅꯥꯅ - ꯁꯤꯔꯤꯅ ꯀꯅ -
ꯍꯪꯅꯕꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯕ ꯍꯪꯁꯤꯡ,
'ꯁꯤꯕꯩ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗ ꯀꯅ ꯍꯤꯡꯂꯤꯅ
ꯇꯦꯡꯊꯥꯏ ꯕꯩꯇꯔꯅꯤ ꯇꯣꯕ꯭ꯕꯔꯅꯤ' ꯊꯔꯥꯏꯁꯤꯡ,
ꯍꯤꯡꯍꯜꯂꯨ - ꯍꯦꯟꯅꯤ ꯆꯕ ꯍꯤꯡꯗ꯭ꯔꯤꯐꯥꯎ ...
ꯀꯅꯥꯅ 'ꯁꯤꯕ 'ꯍꯤꯡꯕꯩ ꯁꯪꯁꯥꯔꯗ,
ꯍꯤꯡꯍꯜꯂꯨ - ꯍꯦꯟꯅꯤ ꯆꯕ ꯁꯤꯗ꯭ꯔꯤꯐꯥꯎ ...
ꯂꯥꯎꯔꯤ ꯐꯤꯗꯧ ꯌꯧ ꯁꯣꯚꯥꯌꯥꯠ꯭ꯔꯥꯗ;
'ꯁꯤꯕ ꯈꯪꯃꯗꯦ - 'ꯍꯤꯡꯕ ꯎꯃꯗꯦ
ꯑꯁꯤꯕꯅ ꯊꯜꯂꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯍꯤꯡꯈ꯭ꯔꯦ.
ꯀꯅꯥꯅ ꯀꯅ ꯀꯅꯁꯨ ꯈꯪꯗꯦ
ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯨ ꯂꯧꯔꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯁꯤꯈ꯭ꯔꯦ.
ꯍꯤꯡꯕ ꯁꯤꯕ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯑꯙꯤꯀꯥꯔꯅꯤ
ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯅꯥꯏꯕ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯅꯤ ॥

꯱꯵/꯰꯷/꯰꯴

কনানা হীংলিবা ! কনানা শিরিবা !

হীংলি কনানা - শিরিনা কনা -
হংনবি পাওখুম ফংদ্রবা হংশিং,
'শিবৈ তাইবঙদা কনা হীংলিনা
তেংথাই বৈতরনি তোববর্নি' থরায়শিং,
হীংহল্লু - হেন্নি চবা হীংদ্রিফাও ...
কনানা 'শিবা 'হীংবৈ সংসারদা,
হীংহল্লু - হেন্নি চবা শিদ্রিফাও ...
লাওরি ফিডৌ যেঁৌ সোভাযাত্রাদা;
'শিবা খঙম্দে - 'হীংবা উম্দে
অশিবনা থল্লি মখোয় হীংখ্রে,
কনানা কনা কনাসু খঙদে
অহীংবসু লৌরি মখোয় শিখ্রে,
হীংবা শিবা তাইবঙ অধিকারনি
অহোংবা নাইবা পুন্সি খোঙচৎনি ।

১৫/০৭/০৪

ꯍꯦ ꯍꯤꯗꯤꯡꯉꯥ ꯂꯂꯣꯟꯕ

ꯇꯥꯢꯕꯪ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯨꯗꯗꯤ
ꯅꯣꯡꯗꯝꯕ ꯃꯕꯨ ꯇꯦꯝꯁꯤꯡꯅꯔꯤꯕꯔꯥ,
ꯅꯧꯔꯦꯜꯒꯤ ꯖꯒꯣꯢꯁꯨ ꯁꯔꯤꯕꯗꯤ
ꯃꯄꯨꯒꯤꯗꯤ ꯁꯤꯟꯊꯥꯕꯨ ꯄꯥꯎꯂꯤꯕꯔꯥ,
ꯀꯥꯍꯠꯂ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡꯕꯨ ꯀꯨꯞꯁꯤꯜꯂꯒꯥ
ꯇꯔꯡ ꯃꯥꯂꯪꯗꯁꯨ ꯇꯥꯎꯊꯔꯤꯕ.
ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨꯕꯨ ꯈꯨꯗꯨꯝꯅ ꯁꯨꯔꯒꯥ
ꯀꯅꯥꯗꯅꯣ ꯃꯤꯠꯆꯤꯅ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕ.
ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅ ꯃꯤꯍꯧꯔꯤꯁꯨ
ꯍꯥꯎꯂꯕ ꯀꯣꯛꯀꯣꯟꯒꯤ ꯁꯪꯕꯥꯌꯗꯨꯅ,
ꯇꯥꯛꯂꯤ ꯍꯜꯂꯦ ꯇꯥꯢꯕꯪ-ꯀꯩꯊꯦꯜꯗꯩꯁꯨ
ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯗꯨꯝ ꯀꯥꯔꯨꯕꯅ,
ꯈꯨꯕꯥꯝ ꯇꯤꯡꯗꯨꯅꯗꯨꯝ ꯍꯜꯂꯛꯂꯦꯅꯦ
ꯊꯔꯥꯌ ꯐꯤꯔꯥꯡ-ꯐꯤꯊꯨꯞ ꯀꯥꯌꯔꯛꯂꯦꯅꯦ ॥

꯱꯷।꯰꯷।꯰꯴

হে হিদিঙ্গা লল্লোনবা

তাইবঙ পুন্সিগী ঈপাক্তুদদি
নোংদম্বা মাবু তেমশিংনরিব্রা,
নৌরেলগী জগোইসু শরিবদি
মপুগীদি শিন্থাবু পাওলিব্রা,
কাহৎল মায়থোঙবু কুপশিল্লগা
তরঙ মালংদসু তাউথরিবা,
থম্মোয়দুব্রু খুদুম্না শুরগা
কনাদনো মীৎচিনা তাল্লিবা.
করিনো থম্মোয়না মিহৌরিসু
হাওলবা কোক্কোনগী শংবায়দুনা,
তাক্লি হল্লে তাইবঙ-কৈথেলদৈসু
খুদুম শীংদুনদুম কারুবনা,
খুবাম তিংদুনদুম হল্লক্লেনে
থরায় ফিরাং-ফিথুপ কায়রক্লেনে।

১৭/০৭/০৪

ꯅꯥꯏꯇꯣꯝ ꯁꯣꯚꯥ ꯌꯥꯇ꯭ꯔ ꯆꯠꯂꯤꯕꯤꯑꯣ

ꯍꯤꯡꯕ ꯁꯤꯕ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯂꯡꯗꯥꯏꯗ
ꯆꯠꯂꯤ ꯆꯤꯡꯂꯥꯏ ꯃꯁꯣꯡꯊꯛ ꯌꯥꯎꯕꯤꯒꯤ,
ꯀꯜꯂꯥ ꯅꯣꯛꯄꯥ ꯄꯅꯈꯩꯒꯤ ꯋꯥꯡꯃꯗ
ꯀꯣꯔꯧ ꯆꯦꯄꯈ꯭ꯔ ꯁꯉ꯭ꯒꯨꯔꯛ ꯃꯀꯨꯒꯤ,
ꯆꯛꯔ ꯇꯤꯎꯕ ꯌꯨꯡꯅ ꯊꯥꯉ꯭ꯒꯠꯅ
ꯁꯗꯨꯡ ꯏꯜ ꯃꯥꯎꯂꯃꯆꯠꯀꯤ ꯈꯨꯗꯨꯡꯕꯨ,
ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯇꯨꯡꯏꯟꯕ ꯌꯥꯎꯗꯅ
ꯑꯁꯥ ꯐꯥꯎꯃꯗꯦ - ꯊꯨꯄ꯭ꯂꯤ ꯄꯅꯊꯨꯡꯕꯨ;
ꯃꯇꯝ ꯅꯣꯡꯂꯩ - ꯇꯠꯁꯥꯃꯨ-ꯅꯣꯄꯨꯔꯁꯨ
ꯄꯥꯎꯊꯥꯡ ꯌꯩꯔꯤꯕ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯈꯣꯟꯊꯥꯡꯒꯨꯝ,
ꯍꯨꯝꯃꯡꯃꯗꯦ ꯇꯔꯡ ꯃꯥꯂꯡꯂꯥ ꯁꯨꯔꯁꯨ
ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯡꯁꯤꯗ ꯎꯔꯤꯠ ꯅꯥꯄꯡꯒꯨꯝ
ꯃꯈꯥꯁꯨ ꯀꯥꯡꯉꯣꯡ ꯑꯋꯥꯡꯁꯨ ꯀꯥꯡꯉꯣꯡ
ꯁꯦꯕꯥꯛ ꯐꯥꯀꯣꯛꯍꯜꯂꯤ ꯀꯣꯕꯨꯡ ꯐꯥꯉꯣꯡ ꯫

꯱꯷।꯰꯸।꯰꯴

নাইতোম সোভা যাত্র চৎলিবীও

হীংবা শিবা অনিগী লংদাইদা
চৎলি চীংলাই মশোংথক যাওবীগী,
কল্লা নোকপা পনখৈগী ৱাংমদা
কোরৌ চেপখ্র শঙ্গুরক মকুগী,
চক্র তিউব য়ুংনা থাঙ্গত্না
শদুং ইল মাওলমচৎকী খুদুংবু,
মীযাম খোঙচৎ তুংইনবা য়াওদনা
আশা ফাওমদে - থুপ্লি পনথুংবু;
মতম নোংলৈ - তৎশামু-নোপুরসু
পাউথাঙ য়ৈরিবা খোনজেল খোন্থাংগুম,
হুমঙমদে তরঙ মালংলা সুরসু
মালেম পুংশিদা উরিৎ নাপংগুম
মখাসু কাংঙোং অৱাংসু কাঙ্গোং
শেবাক ফাকোকহল্লি কোবুং ফাঙ্গোং ।

১৭/০৮/০৪

ꯎꯠꯄꯨꯡ

ꯇꯨꯝꯃꯣꯅꯦ - ꯇꯨꯝꯃꯣꯅꯦ - ꯇꯨꯝꯃꯣꯅꯦꯍꯦ -
ꯇꯨꯝꯃꯣꯏꯅꯥ ꯇꯨꯝꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯨꯝꯃꯣꯀꯣ,
ꯄꯨꯡꯗꯣꯅꯦ - ꯄꯨꯡꯗꯣꯅꯦ - ꯄꯨꯡꯗꯣꯅꯦꯍꯦ -
ꯄꯨꯡꯖꯣꯏꯅꯥ ꯄꯨꯡꯒꯨꯝꯅꯥ ꯄꯨꯡꯗꯣꯀꯣ,
ꯁꯧꯔꯣꯅꯦ - ꯁꯧꯔꯣꯅꯦ - ꯁꯧꯔꯣꯅꯦꯍꯩ -
ꯁꯧꯁꯧꯕꯤꯅꯥ ꯁꯧꯒꯨꯝꯅꯥ ꯁꯧꯔꯣꯁꯦ,
ꯁꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯁꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯁꯥꯡꯂꯣꯅꯦꯍꯩ -
ꯁꯥꯡꯅꯥ ꯁꯥꯡꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯁꯥꯡꯂꯣꯁꯦ,
ꯌꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯌꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯌꯥꯡꯂꯣꯅꯦꯍꯥꯏ -
ꯌꯥꯏꯕꯤꯔꯦꯅꯥ ꯌꯥꯡꯒꯨꯝꯅꯥ ꯌꯥꯡꯂꯣꯗꯣ,
ꯇꯝꯃꯣꯅꯦ - ꯇꯝꯃꯣꯅꯦ - ꯇꯝꯃꯣꯅꯦꯍꯥꯏ -
ꯇꯝꯅꯥ ꯇꯝꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯝꯃꯣꯗꯣ,
ꯄꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯄꯥꯡꯂꯣꯅꯦ - ꯄꯥꯡꯂꯀꯎꯅꯦ -
ꯄꯥꯈꯣꯏꯅꯥ ꯄꯥꯡꯒꯨꯝꯅꯥ ꯄꯥꯡꯂꯝꯃꯨꯅꯦ ॥

꯲꯲।꯰꯸।꯰꯴

উৎপুং

তুম্মোনে - তুম্মোনে - তুম্মোনেহে -
তুম্মৌনা তুম্বগুম্না তুম্মোকো,
পুংডোনে - পুংডোনে - পুংডোনেহে -
পুঞ্জয়োন্না পুংগুম্না পুংডোকো,
শৌরোনে - শৌরোনে - শৌরোনেহৈ -
শৌশৌবীনা শৌগুম্না শৌরোসে,
শাংলোনে - শাংলোনে - শাংলোনেহৈ -
শাঙ্গনা শাংপগুম্না শাংলোসে,
যাঙ্লোনে - যাঙ্লোনে - যাঙ্লোনেহাই -
যাইবীরেন্না যানগুম্না যাঙ্লোদো,
তম্মোনে - তম্মোনে - তম্মোনেহাই -
তম্মনা তম্মগুম্না তম্মোদো,
পাঙলোনে - পাঙলোনে - পাঙলকউনে -
পখৌনা পাঙগুম্না পাঙলম্মুনে।

২২/০৮/০৪

ꯇꯥꯎꯔꯣꯏꯅꯥꯏ

ꯍꯥꯝꯖꯤꯜꯂ ꯕꯩꯇꯔꯅꯤ ꯇꯣꯕꯕꯥꯅꯤꯊꯛꯇꯥ
ꯑꯐꯛꯀ ꯀꯨꯕꯥꯡꯁꯨ ꯊꯥꯡꯂꯛꯀꯗꯨꯅꯥ,
ꯌꯣꯡꯌꯥꯝꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯨꯖꯤꯟ ꯗꯥꯛꯐꯝꯂꯛꯇꯥ
ꯌꯩꯅꯥ ꯄꯨꯡꯗꯨꯗ-ꯇꯝ ꯈꯣꯉꯊꯥꯡꯗꯨꯅꯥ,
ꯊꯝꯃꯣꯏꯅꯗꯤ ꯇꯕꯉ ꯃꯥꯂꯡꯂꯛꯀ
ꯆꯤꯡꯅꯨꯡ ꯄꯤꯔꯥꯡꯅꯤ ꯆꯦꯟꯊꯔꯛꯀꯤꯕꯥ,
ꯂꯥꯏꯖꯩ ꯏꯔꯣꯟꯅꯨꯡ ꯀꯤꯁꯤ-ꯅꯥꯏꯌꯨꯝꯂ
ꯏꯐꯨꯇꯩ ꯃꯩꯒꯤ-ꯆꯤꯡ ꯄꯣꯛꯊꯥꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ,
ꯇꯥꯕꯨꯅꯨꯡ ꯇꯥꯎꯕꯩ ꯇꯥꯎꯔꯣꯏꯅꯥꯏꯁꯤꯡꯕꯨ
ꯁꯥꯝꯍꯜꯂꯛꯀꯦꯅꯦꯕ꯭ꯔꯖ ꯂꯤꯁꯤꯡ,
ꯍꯅꯥ ꯆꯥꯝꯊꯣꯛꯀꯕꯥ ꯅꯣꯡꯂꯤꯛꯁꯤꯡꯕꯨ
ꯆꯔꯥ ꯆꯤꯟꯗꯒ꯭ꯔꯤ ꯂꯝꯖꯥ-ꯁꯔꯥꯁꯤꯡ,
ꯅꯣꯛ-ꯈꯦ ꯍꯔꯥꯎ-ꯃꯊꯣꯏ ꯀꯥꯍꯜꯂꯤꯅꯤ
ꯊꯔꯣ-ꯃꯥꯕꯣ ꯀꯥꯡꯗ꯭ꯔꯨꯝ ꯑꯣꯂꯍꯜꯂꯤꯅꯤ ॥

꯲꯵।꯰꯴।꯰꯵

তাওরোইনাই

হামজিল্ল বৈতরনী তোববানিথক্তা
অফ্ক কুবাংসু থাংলক্কদুনা,
যোংযামশিংগী থুজিন দাকফম্লক্তা
যৈনা পুংদুদ-তম খোঙথাংদুনা,
থম্মোয়নদি তবঙ মালংলক্ক
চীংনুং পিরাংনি চেন্থরক্কিবা,
লাইজৈ ঈরোননুং কিশি-নাইয়ুম্ল
ঈফুতৈ মৈগী-চীং পোকথাইদ্রিবা;
তাবুনুং তাওবৈ তাওরোইনাইশিংবু
শামহল্লক্কেনেব্রজ লীশিং,
হনা চামথোক্কবা নোংলিকশিংবু
চরা চীন্দগ্রি লমজা-শরাশিং,
নোক-খে হরাও-মথোই কাহল্লিনি
থরো-মাবো কাংদ্রুম ওলহল্লিনি ।

২৫/০৪/০৫

ꯄꯨꯖꯥꯔꯤ

ꯁꯀꯣꯟ ꯍꯗꯨꯅꯥ ꯖꯒꯣꯢ ꯁꯔꯤꯕꯤ
ꯔꯥꯡꯂꯥ ꯍꯤꯃꯥꯂꯌ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯄꯥꯢꯍꯟꯊꯤ,
ꯁꯨꯟꯅꯥ ꯁꯊꯦꯛꯇꯅꯥ ꯊꯣꯡ ꯅꯧꯔꯤꯕꯤ
ꯂꯥꯟꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯂꯨꯔ ꯂꯥꯢꯖ ꯂꯥꯟꯍꯟꯊꯤ,
ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯀꯕꯤꯒꯤ ꯐꯩꯅꯥ ꯌꯨꯡꯅꯥ
ꯁꯨꯀꯨꯡꯗꯨꯗꯥ ꯐꯥ ꯀꯅꯥ ꯈꯉꯉꯃꯗ
ꯂꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯅꯉꯅꯥ
ꯐꯝꯕꯥꯛꯀꯨꯗꯥ ꯂꯩꯈꯥꯢ ꯄꯨꯢ ꯕꯔꯃꯨꯗ;
ꯐꯣꯡꯍꯜꯂꯤꯕꯥ - ꯐꯣꯡ - ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯂꯦꯃꯐꯨꯅꯨꯡ
ꯅꯣꯡꯖꯨꯢ ꯏꯆꯥꯎꯗꯥ ꯀꯥꯌ ꯂꯧꯅꯝꯕꯥꯂꯁꯤꯡ .
ꯁꯥꯟꯅꯍꯜꯂꯤꯕꯥ - ꯀꯦ - ꯀꯨ ꯀꯥꯡꯈꯨꯢꯅꯨꯡ
ꯆꯩꯟꯊꯦ ꯆꯤꯡꯃꯥꯢꯗꯩ ꯈꯨꯢꯔ ꯂꯤꯂꯤꯁꯤꯡ,
ꯉꯥꯢꯈꯣ - ꯂꯣꯡꯈꯣ - ꯁꯥꯡꯈꯣꯀꯣ ꯅꯉꯇꯗꯤ
ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯊꯝꯕꯥꯜ ꯎꯊꯝꯕꯥꯜ ꯅꯉꯇꯗꯤ ॥

꯲꯸|꯰꯴|꯰꯵

পুজারি

শকোন হদুনা জগোই শরিবী
রাংলা হিমালয় লান্না পাইহনথি,
শুন্না শথেক্তনা থোং নৌরিবী
লানঙমদ্রে লুর লাইজ লানহনথি,
অদুগা কবিগী ফৈনা য়ুংনা
শুকুংদুদা ফা কনা খঙঙমদ
লাক্তুনা চিংশিল্লি মখোয় নঙনা
ফম্বাক্কুদা লৈখাই পুই বর্মুদ;
ফোংহল্লিবা - ফোং - কৌব্রু লেমফুনুং
নোংজুই ঈচাওদা কায় লৌনম্বালশিং
শান্নহল্লিবা - কে-কু কাংখুইনুং
চেৈন্থে চীংমাইদৈ খুইর লিলিশিং,
ঙাইখো - লোংখো - শাংখোকো নঙতদি
চীংগী থম্বাল উথম্বাল নঙতদি।

২৮/০৪/০৫

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

꯱꯰।꯰꯴।꯰꯵

ইম্ফাল তুরেন!

ইমাও নওদি লমচৎ নাইদবী
অরু অনৈ চেন্থে ঈরিদুনা,
তাওজও পলেম মহ পুরিবী
খোওচৎ লেপত্রিদ্রে ঈগী ঈচেন্না,
নপারি' ঈখেং থক্লিদি করি
কলি' কুন্তি ভৈবিবীনি নওসে,
নম্মোমগী মীরেল ফীজিদা কিবি
থাওবদা রারে লৌতাক ইমাসে;
সমুদ্রনুং যাতাই গঙ্গা মাসু
মাহাসাগর ঈথক্তি মোং হাদে,
পিরাং শিন্থদে তাদে খোল্লাওসু
ঈশংসু পাক্তে ঈনাংসু থাংদে,
করিগী চেন্দে নওগী ঈচেলদি
পন লাল খোবক্রনি চন্দ্রনদি।

৩০/০৪/০৫

ꯃꯍ ꯅꯨꯡꯍ

ꯃꯨꯁꯨꯛ-ꯃꯨ-ꯍ ꯆꯦꯜꯂꯤꯅꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ
ꯅꯥꯕꯔꯥ ꯅꯥꯎꯊꯦꯝꯂꯨꯗꯦ ꯅꯤꯡꯗꯨꯝꯕꯤꯁꯤꯡ,
ꯃꯌꯥꯏ-ꯅꯨꯡꯌꯥꯏ ꯆꯝꯃꯤꯅꯤ ꯉꯝꯃꯛ
ꯆꯔꯥ ꯆꯤꯟꯗꯝꯃꯤꯟꯅꯩ ꯅꯨꯡꯗꯨꯝꯕꯤꯁꯤꯡ,
ꯍꯇꯅꯥ ꯍꯟꯗꯗꯤ ꯑꯃꯔꯤꯇꯅꯤ
ꯍꯟꯗꯗꯤ ꯅꯨꯡꯍꯅꯤ ꯑꯃꯔꯤꯇꯅꯥ,
ꯀ꯭ꯋꯥꯛꯀꯤꯗꯤ ꯂꯥꯟꯕꯥꯎꯇꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯥꯅꯤ
ꯇꯦꯜꯍꯩꯕꯩ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ ꯁꯥꯗꯥꯟꯕꯅꯥ;
ꯑꯇꯤꯌꯥ ꯃꯀꯣꯏꯗꯥ ꯁꯥꯈꯞ-ꯇꯣꯏꯔꯤ
ꯃꯤꯠꯆꯤꯇꯦꯟꯗꯤ ꯇꯦꯟꯗꯟꯔꯤ ꯆꯨꯃꯊꯥꯎꯗꯥ
ꯃꯥꯂꯦꯝꯒꯤ ꯄꯨꯡꯉꯣꯜꯗꯗꯤ ꯉꯥꯏꯔꯤ
ꯇꯥ ꯈꯣꯏꯁꯥꯔꯤꯕꯅꯤ ꯁꯟꯅꯊꯣꯎꯗꯥ,
ꯁꯔꯨ ꯍꯨꯃꯗꯥꯡꯁꯤꯡꯁꯦ ꯍꯤꯛꯊꯔꯀꯏ
ꯂꯤꯛꯂꯃꯅꯨꯡꯗꯩ ꯇꯨ-ꯈꯣꯡ ꯇꯨꯊꯦꯔꯀꯏ ॥

꯳꯰।꯰꯴।꯰꯵

মহ নুংহ

মুসুক-মু-হ চেল্লিনি খুদিংমক
নাব্রা নাওথেমলুদে নিংদুম্বীশিং,
ময়াই-নুংয়াই চম্মীনি ঙম্মক
চরা চীন্দম্মিন্নৈ নুংদুম্বীশিং,
হতনা হন্দদি অমৃতনি
হন্দদি নুংহনি অমৃতনা,
ক্বাক্কীদি লানবাওতনা শিল্লানি
তেলহৈবৈ পুন্সিনি শাদানবনা;
অতিয়া মকোইদা শাখপ-তোইরি
মীৎচিতেন্দি তেন্দন্ত্রি চুমথাওদা
মালেমগী পুংঙোলদদি ঙাইরি
তা খোঁইশারিবনি শন্নথোওদা,
শরু হুমদাংশিংশে হিকথরকই
লিক্লমনুংদৈ তু-খোং তুথেরকই।

৩০/০৪/০৫

ꯂꯤꯟꯗꯨ

ꯐꯔꯦ ꯐꯔꯦ ꯆꯔꯣꯠ ꯍꯥꯕꯨꯡ ꯇꯧꯔꯥꯎꯊꯛꯇꯥ
ꯔꯥꯏꯅꯨꯅꯥ ꯅꯦꯝ ꯅꯦꯝ ꯈꯨꯊꯦꯛ ꯖꯒꯣꯏ-ꯇꯝ,
ꯊꯦꯛꯂꯥ ꯊꯦꯛ ꯐꯨꯃꯗꯤ ꯍꯥꯎꯗꯤ ꯀꯝꯊꯛꯇꯥ
ꯁꯤꯡꯉꯦꯟꯅꯥ ꯅꯣꯝ ꯅꯣꯝ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯁꯥꯡ-ꯇꯝ,
ꯍꯥꯅꯧ ꯅꯍꯥꯅꯥ ꯄꯝꯕꯨꯡ-ꯇꯝ ꯂꯦꯡ ꯂꯦꯡ
ꯍꯧ ꯍꯥ ꯆꯥꯛꯇꯥꯕꯤ ꯁꯥꯕꯤ ꯁꯥꯅꯧꯅꯥ,
ꯁꯤꯜꯂꯥ ꯄꯥꯡ ꯗꯤ ꯉꯥꯟꯅꯥ ꯉꯥꯝꯅꯥ ꯂꯦꯡ
ꯍꯧ - ꯍꯥ ꯍꯩꯌꯥ ꯍꯦ ꯄꯥꯔꯤ ꯃꯃꯣꯝꯅꯥ,
ꯊꯟꯕꯥ ꯃꯥꯏ ꯊꯥ' ꯂꯤꯡꯖꯦꯜ ꯍꯥꯛꯃꯝꯅꯕꯥ
ꯂꯤꯔꯤ ꯍꯨꯝ ꯃꯥꯏ ꯈꯤꯠꯆꯤꯁꯨ ꯀꯩꯗꯧꯗꯦ,
ꯊꯣꯏꯕꯤ ꯄꯨꯛꯆꯦꯞ ꯁꯨꯔꯤ ꯊꯧꯃꯝꯅꯔꯥ
ꯂꯩꯔꯥꯡ' ꯂꯩꯍꯤ ꯂꯩꯅꯝ'ꯐꯥ ꯄꯨꯟꯅꯗꯦ,
ꯍꯔꯤ ꯎꯊꯥꯟ ꯀꯥꯡꯖꯤꯡ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ - ꯔꯤ-ꯔꯤ
ꯃꯥꯌꯥ ꯃꯥꯂꯪ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯁꯍꯨꯝ - ꯔꯤ-ꯔꯤ ॥

꯳꯰।꯰꯴।꯰꯵

লীন্দু

ফ্রে ফ্রে চরোৎ হাবুং তৌরাওথক্তা
রাইনুনা নেম নেম খুথেক জগোই-তম,
থেক্লা থেক ফুমদি হাওদি কমথক্তা
শিঙেন্না নোম নোম লৈরাং লৈশাং-তম,
হানৌ নহানা পম্বুং-তম লেং লেং
হৌ হা চাক্তাবি শাবী শানৌনা,
শিল্লা পাং ডি ঙান্না ঙাম্না লেং
হৌ-হা হৈয়া হে পারী মমোম্না.
থন্বা মাই থা' লিংজেল হাকমম্নবা
লিরি হুম মাই খীৎচিসু কৈদৌদে,
থোইবী পুকচেপ শুরি থৌমম্নরা
লৈরাং' লৈহি লৈনম'ফা পুন্নদে,
হরি উথান কাংজিং নিংঙাই - রি-রি
মাযা মালং নোংলৈ শহুম - রি-রি।

৩০ /০৪ /০৫

ꯄꯥꯎ ꯈꯣꯜꯂꯣꯏ

ꯀꯥꯡꯈꯤꯜꯁꯨ ꯀꯥꯏꯈ꯭ꯔꯦ ꯃꯔꯣꯜ-ꯔꯥꯡ ꯇꯥꯛꯂꯥ
ꯁꯥꯒꯜꯁꯨ ꯍꯤꯛꯊꯈ꯭ꯔꯦ ꯃꯆꯦꯠ ꯃꯆꯦꯠ,
ꯂꯪꯖꯥꯁꯨ ꯄꯥꯏꯈ꯭ꯔꯦ ꯃꯂꯪ ꯇꯔꯡꯅꯥ
ꯃꯂꯪꯕꯟꯁꯨ ꯍꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦ ꯈ꯭ꯋꯥꯡ' ꯈ꯭ꯋꯥꯡꯆꯦꯡ,
ꯈꯣꯡꯒꯨꯜꯁꯨ ꯃꯨꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯎꯐꯨꯜ ꯃꯔꯤꯛꯂꯛ
ꯃꯃꯤꯁꯨ ꯁꯥꯃꯈ꯭ꯔꯦ ꯑꯍꯤꯡ ꯂꯥꯛꯂꯦꯗꯥ,
ꯐꯤꯖꯪꯅꯁꯨ ꯀꯨꯞꯈ꯭ꯔꯦ ꯈꯣꯜꯂꯥꯡ ꯇꯥꯜꯂꯛ
ꯃꯂꯪꯗꯁꯨ ꯇꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ ꯃꯤ ꯇꯥꯜꯂꯗꯥ;
ꯐꯤꯖꯣꯜꯁꯨ ꯍꯣꯡꯈ꯭ꯔꯦ ꯊꯔꯥꯏ ꯑꯍꯟꯕꯥ
ꯈꯣꯡꯆꯠꯁꯨ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯦ ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯏꯄꯥꯛ-ꯇꯝ,
ꯁꯩꯍꯧꯁꯨ ꯁꯩꯗꯃꯈ꯭ꯔꯦ ꯁꯤꯜꯂꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ
ꯂꯥꯟꯁꯨ ꯊꯦꯡꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯀꯨꯔꯨꯛꯁꯦꯇ꯭ꯔ ꯇꯝ,
ꯁꯩꯔꯣꯏꯁꯨ ꯁꯀꯈ꯭ꯔꯦ ꯇꯝꯕꯥꯛꯇꯦ ꯀꯨꯝꯃ꯭ꯔꯦ
ꯈꯨꯗꯣꯜꯁꯨ ꯇꯃꯈ꯭ꯔꯦ ꯇꯝꯕꯥꯛꯇꯥ ꯀꯨꯝꯃ꯭ꯔꯦ ॥

꯰꯴।꯰꯷।꯰꯷

পাউ খোল্লোই

কাংখিলসু কাইখ্রে মরোল-'রাং তাক্লা
শাগলসু হিকথখ্রে মচেৎ মচেৎ,
লংজাসু পাইখ্রে মালং তরঙনা
মালংবনসু হুমখ্রে খ্বাঙ' খ্বাঙচেং,
খোঙ্গুলসু মুৎখ্রে উফুল মরিক্লক
মমিসু শামখ্রে অহিং লাক্লেদা,
ফিজংনসু কূপখ্রে খোল্লাং তাল্লক
মালংদসু তিনখ্রে মি তাল্লদা;
ফিজোলসু হোংখ্রে থরায় অহনবা
খোঙচৎসু হৌখ্রে মায়াই ঈপাক-তম,
শৈহৌসু শৈদমখ্রে শিল্লা পাংবা
লানসু থেংনখ্রে কুরুক্ষেত্র তম,
শৈরোইসু শকখ্রে তম্বাক্তে কুম্ম্রে
খুদোলসু তমখ্রে তম্বাক্তা কুম্ম্রে ।

০২ /০৫ /০৫

ꯄꯟꯊꯩ ꯃꯃꯥ ! ꯆꯩꯊꯩ ꯃꯃꯥ !

ꯉꯥꯎꯔꯕꯒꯤꯅꯤ - ꯃꯥ ꯄꯨꯔꯤ ꯅꯈꯣꯏ -
ꯃꯈꯣꯏꯒꯤ ꯕꯥ ꯅꯈꯣꯏꯅꯥ ꯊꯪꯈꯤꯗꯦ,
ꯁꯣꯏꯅꯥꯏꯕꯩꯅꯤ - ꯅꯈꯣꯏ ꯂꯧꯔꯤ ꯃꯈꯣꯏ
ꯅꯈꯣꯏ' - ꯃꯍꯩ ꯃꯈꯣꯏꯅꯥ ꯈꯪꯈꯤꯗꯦ,
ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯤ ꯍꯪꯂꯥꯏꯒꯨꯝ ꯅꯈꯣꯏꯅꯥ
ꯀꯨ - ꯀꯨ-ꯀꯨ ꯀꯨꯁꯥꯕꯥꯕꯨ ꯀꯧꯔꯕꯤ,
ꯀꯨ ꯁꯥꯔꯤ ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯔꯣꯕꯣꯡꯃꯀ꯭ꯔꯥ
ꯃꯩꯕꯤ ꯃꯩꯕꯥ ꯃꯩꯀ꯭ꯔꯦꯡ ꯃꯩꯔꯥꯏꯕꯕꯤ,
ꯁꯦꯟꯖ꯭ꯔꯦꯡ ꯁꯦꯝꯄꯥꯛ ꯁꯦꯅꯕꯨꯡ ꯁꯧꯗꯣꯔꯛꯏ
ꯊꯞ ꯊꯞ ꯊꯨꯅꯨꯁꯤꯡꯅꯥ ꯊꯝꯅꯨꯡ ꯂꯣꯝꯗꯥ,
ꯆꯦꯡꯖꯦꯟ ꯆꯈꯨ ꯆꯞꯈꯥꯏ ꯆꯤꯡꯊꯦꯔꯛꯏ
ꯀ꯭ꯔꯦꯝ ꯀ꯭ꯔꯦꯝ ꯀꯤꯝꯕꯨꯔꯤ ꯀ꯭ꯀꯥꯔꯨꯕꯥꯀ꯭ꯔꯣꯝꯗꯥ.
ꯅꯣꯡꯗꯨꯝꯗꯩ ꯅꯣꯡꯂꯤꯛ ꯅꯥꯟꯊꯩ ꯅꯥꯔꯛꯇꯥ
ꯅꯣꯡꯊꯥꯡꯗꯩ ꯅꯥꯊꯩ ꯅꯣꯡꯈꯣꯡ ꯅꯣꯡꯂꯛꯇꯥ ॥

꯰꯵।꯰꯵।꯰꯵

পণথৈ মমা ! চৈথৈ মমা !

ঙাওরবগীনি - মা পুরি নখোয -
মখোযগী বা নখোযনা থংখিদে,
শোইনাযবৈনি - নখোয লৌরি মখোয
নখোয' মহৈ মখোযনা খঙখিদে,
জগোই শারি হংলাইগুম নখোযনা
কূ, কু-কু কূশাবাবু কৌরবি,
কূ শারি কলিগী রোবোংমক্রা
মৈবী মৈবা মৈক্রেং মৈরাযববি;
শেনজ্রেং শেমপাক শেনবুং শৌদোরকই
থপ থপ থূনুশিংনা থমনুংলোমদা,
চেংজেন চখু চপখাই চিংথেরকই
ক্রেম ক্রেম কিম্বুরি ক্কারুবাক্রোমদা
নোংদুমদৈ নোংলিক নানথৈ নারক্তা
নোংথাংদৈ নাথৈ নোংখোং নোংলক্তা ।

০৫ /০৫ /০৫

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

মীহৎথোং

থৌনাবু হন্দ্রবদা চৈথেংলক
ঙাকপিবা ওল্লকই নুংশিচাওরক,
মীহৌবু নমথরদা মৈরীলক
হবান্দবা পাল্লকই থাঙহৈরক,
পুক্নিংবু ফংলক্লবদা শান্তি
খঙনিংবা পোক্লকই তল্লক্কুনা,
অচুম্ববু চিংলবদা পংতি
অশাওবা তাক্লকই কল্লক্কুনা.
হকচাংবু শেংদোক্লদা তু-খোংদা
ইন্দ্রি-কাবা শিথরকই মযাই,
মাযাবু ছাযাদা শঙ্কুমলদা
থোঙনাই থোঙবা ফাওজিল্লকই শঙযাই,
পতালদম্বু মর্ত্তদগী
স্বর্গলাম্বা ফংলকই থরাযবু।

০৮/০৫/০৫

ꯁꯨꯟꯗ꯭ꯔꯨꯡꯒꯤ ꯊꯣꯡꯆꯠ

ꯁꯔꯠ ꯔꯤꯇꯨꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯀꯨꯝꯃꯩꯅꯤ
ꯊꯣꯏꯖꯪꯕ꯭ꯔꯥ - ꯊꯣꯡꯂꯤ ꯊꯣꯟ ꯎꯃꯪꯂꯥꯏꯁꯨ,
ꯁꯛ ꯁꯣꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯝꯅꯕꯤ ꯁꯥꯌꯥꯏꯅꯤ
ꯃꯤꯠꯆꯥꯝꯅꯗꯦ ꯃꯤꯠꯆꯤ ꯇꯦꯟ ꯃꯅꯥꯏꯁꯨ,
ꯃꯨꯕꯥ ꯃꯨꯕꯥꯕꯤ ꯊꯣꯛꯊꯤ ꯍꯧꯟꯅꯥ
ꯂꯩꯔꯦꯝꯅꯤ ꯆꯤꯟꯕꯤꯔꯤ ꯃꯤꯔꯣꯜ ꯀꯌꯥꯏ,
ꯊꯣꯛꯊꯤ ꯀꯤꯁꯤ ꯌꯦꯡꯃꯗ꯭ꯔ ꯃꯇꯝꯅꯥ
ꯅꯤꯡꯗꯨꯝ ꯅꯨꯡꯗꯨꯝꯕꯩ ꯅꯥꯑꯣꯐꯝꯅꯤ ꯃꯥꯌꯥꯏ;
ꯏꯔꯣꯏꯅꯥ ꯁꯥꯝꯅꯩ ꯊꯣꯏꯍꯤ ꯍꯤꯗꯦꯟꯗꯥ
ꯔꯥꯊꯜ ꯑꯇꯤꯌꯥ-ꯄꯛ ꯀꯣꯏꯄꯥꯏ ꯄꯥꯏꯔꯦ,
ꯁꯥꯊꯦꯛ ꯂꯩ ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯏꯊꯛ-ꯏꯄꯣꯝꯗꯥ
ꯁꯨꯟꯗ꯭ꯔꯨꯡ ꯊꯣꯡꯆꯠ ꯃꯥꯂꯪ ꯇꯔꯡꯅꯔꯦ,
ꯃꯥꯗꯔꯁꯤꯞ ꯀꯥꯏꯈ꯭ꯔ ꯏꯁꯄꯦꯁꯛꯔꯣꯞ ꯀꯥꯏꯅꯣ
ꯆꯥꯛꯀꯤ ꯃꯩꯔꯤꯅꯥ ꯔꯥꯏꯔꯤ ꯀꯩꯗꯅꯣ ॥

꯲꯲|꯰꯵|꯰꯵

শুন্দ্রুংগী থোঙচৎ

শরৎ ঋতুগী তাইবঙ কুম্মৈনি
থোইজংব্রা - থোংলি থোন উমংলাইসু,
শক শোন্দুনা শাম্নবি ছায়াইনি
মীৎচাম্নদে মীৎচি তেন মনাইসু,
মুবা মুবাবী থোকথি হৌননা
লৈরেম্নি চিনবিরি মীরোল কযাই,
থোকথি কিশি যৈঙমদ্র মতাম্না
নীংদুম নুংদুম্বৈ নাওফম্নি মাযাই;
ঈরোইনা শাম্নৈ থোইহী হীদেন্দা
রাথল অতিয়া-পক কোইপাই পাইরৈ,
শাথেক লৈ শুরগী ঈথক-ঈপোমদা
শুন্দ্রুং থোঙচৎ মালং তরঙনরৈ,
মাদরশিপ কাইখ্র ইশপেশক্রাপ কাইনো
চাক্কি মৈরীনা রাইরি কৈদনো।

২২/০৫/০৫

꯱

ꯃꯨꯔꯂꯤꯅꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤꯕꯥ ꯍ ꯍꯗꯨꯅꯥ
ꯃꯨꯔꯂꯤꯅꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤꯕꯥ ꯁꯥꯍꯤꯡ ꯇꯥꯍꯤꯡ,
ꯁꯥꯊꯦꯛꯂꯥ ꯁꯨꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯉ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯥ
ꯁꯥꯊꯦꯛꯂꯥ ꯁꯨꯛꯂꯤꯕꯥ ꯏꯍꯤꯡ ꯅꯥꯢꯍꯤꯡ,
ꯂꯪꯅꯥ ꯐꯥꯜꯂꯤꯕꯥ ꯇꯠꯂ ꯆꯨꯞꯂꯤꯗꯥ
ꯂꯪꯅꯥ ꯐꯥꯜꯂꯤꯕꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯢꯕꯤꯒꯨꯝ,
ꯕꯣꯀꯨꯜꯅꯥ ꯄꯣꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯪꯂ ꯎꯗꯥ
ꯕꯣꯀꯨꯜꯅꯥ ꯄꯣꯜꯂꯤꯕꯥ ꯄꯣꯔꯣꯡ ꯂꯣꯡꯒꯨꯝ;
ꯒꯡꯒꯥꯅꯥ ꯆꯦꯜꯂꯤꯕꯥ ꯊꯣꯡꯅꯨꯡ ꯏꯊꯛ
ꯒꯡꯒꯥꯅꯥ ꯆꯦꯜꯂꯤꯕꯥ ꯚꯥꯒꯤꯔꯊ ꯂꯥꯛ,
ꯁꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯇꯣꯕꯔꯕꯅꯤ ꯊꯛ
ꯁꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯄꯣꯠꯄꯨ ꯂꯥꯛ,
ꯇꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯦꯝꯅꯥꯔꯤꯕꯥ - "ꯑꯅꯤ"
ꯇꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯦꯝꯅꯥꯔꯤꯕꯥ - ꯑꯅꯤ ॥

꯲꯵/꯰꯵/꯰꯵

১

মুর্লিনা মুল্লিবা হ হদুনা
মুর্লিনা মুল্লিবা শাহিং তাহিং,
শাথেক্লা শুক্লিবা মঙ মঙলাক্লা
শাথেক্লা শুক্লিবা ঈহিং নাইহিং,
লংনা ফাল্লিবা তৎল চুপ্লিদা
লংনা ফাল্লিবা ঈশিং চাইবীগুম,
বোকুলনা পোল্লিবা কংল উদা
বোকুলনা পোল্লিবা পোরোং লোঙ্গুম;
গঙ্গানা চেল্লিবা থোংনুং ঈথক
গঙ্গানা চেল্লিবা ভাগীরথ লাক,
শথিনা লাক্লিবা তোববর্নি থক
শথিনা লাক্লিবা পোৎপু লাক,
তেন্দুনা থেম্নারিবা - "অনী"
তেন্দুনা থেম্নারিবা - অনী ।

২৫/০৫/০৫

ꯃꯤꯅꯣꯛꯂꯨꯒꯤ ꯃꯃꯜ

ꯁꯛꯊꯣ ꯁꯩꯁꯛꯄꯥ ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯁꯪꯁꯥꯔꯗꯥ -
ꯁꯨꯝꯍꯜꯂꯣ ꯊꯔꯥꯏ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝ ꯏꯁꯩꯂꯛ,
ꯅꯣꯛꯊꯣ ꯊꯌꯣꯏ ꯊꯦꯜꯂꯣ ꯆꯤꯟꯕꯥꯟꯗꯨꯗꯥ -
ꯇꯥꯎꯍꯜꯂꯣ ꯇꯥꯏꯕꯎ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯜꯂꯛ,
ꯀꯟꯊꯤꯌꯦ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯃꯥꯂꯪꯕꯥ -
ꯃꯤꯡꯂꯨꯏ-ꯂꯥꯏꯖꯥ ꯎꯃꯨꯜ-ꯆꯣꯡ ꯊꯩ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ,
ꯇꯤꯡꯈꯎ-ꯇꯨꯝꯕꯧ ꯁꯪ' ꯃꯆꯨ ꯂꯥꯔꯕꯥ -
ꯅꯎꯒꯤ ꯃꯤꯔ-ꯊꯣꯟꯖꯦꯟꯅꯥ ꯊꯤ ꯈꯣꯛꯇ꯭ꯔꯥꯡ;
ꯌꯦꯃꯤꯡ ꯀꯪꯂꯥ ꯎꯄꯥꯂꯒꯤ ꯎꯅꯥꯁꯨ
ꯂꯝꯕꯤꯒꯤ ꯆꯤꯊꯛ ꯄꯥꯎꯊꯥꯡ ꯃꯩꯔꯤ,
ꯀꯦꯟꯅꯔꯤꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯃꯦꯜꯁꯨ
ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ ꯀꯤꯁꯤ ꯄꯔꯦ ꯊꯣꯛꯂꯔꯤ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯀꯥꯅꯨꯡꯗꯩ ꯃꯆꯦꯠ ꯇꯥꯅꯥ
ꯀꯤꯆ꯭ꯆꯔꯛꯔꯤ ꯊꯛꯎ ꯈꯣꯡꯕꯣꯝ ꯊꯝꯅꯥ ॥

꯲꯵।꯰꯵।꯰꯵

মীনোক্লুগী মমল

শকথো শৈশকপা শুরগী সংসারদা -
শুমহল্লো থরায় নাউশুম ঈশৈলক,
নোকথো থয়োয় থেল্লো চিনবান্দুদা -
তাওহল্লো তাইবও ঈথক ঈপোল্লক,
কনথিয়ে নোংলৈ মায়াই মালংবা -
মীংলুই-লাইজা উমুল-চোং থৈ খোঙথাং ,
তিংখও-তুম্বৌ শং' মচু লাররা -
নওগী মির-থোনজেন্না থি খোক্ত্রাং ;
য়েমিং কংলা উপালগী উনাসু
লম্বীগী চিথক্ত পাওথাং মৈরি,
কেন্নরিনি পুন্সি মাই পামেলসু
পুক্লিংগী কিশি পরে থোক্লরি,
থম্মোয় লকানুংদৈ মচেৎ তানা
কীচ্ছরক্রি থকউ খোঁবোম থম্না ।

২৫ /০৫ /০৫

...

ꯎꯕ꯭ꯔꯥ ꯊꯪꯗꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯣꯠꯂꯤꯕꯥ
ꯊꯪꯕ꯭ꯔꯥ ꯎꯗꯕꯁꯤꯕꯨ ꯐꯣꯡꯂꯒꯥ,
ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ ꯂꯣꯠꯇꯕꯁꯤꯕꯨ ꯊꯦꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯂꯣꯠꯇꯕ꯭ꯔꯥ ꯂꯩꯕꯁꯤꯕꯨ ꯊꯨꯞꯂꯒꯥ,
ꯇꯨꯝꯕ꯭ꯔꯥ ꯆꯥꯔꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯎꯝꯁꯥꯏꯅꯥ
ꯆꯥꯕ꯭ꯔꯥ ꯇꯨꯝꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯅꯥꯈꯣꯛꯂꯦ,
ꯗꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥ ꯁꯪꯗꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯁꯪꯒ꯭ꯔꯤꯛꯂꯥ
ꯁꯪꯕ꯭ꯔꯥ ꯗꯥꯡꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯥꯎ-ꯈꯣꯡꯂ;
ꯃꯃꯕ꯭ꯔꯥ ꯇꯥꯟꯗ꯭ꯔꯕꯁꯤꯕꯨ ꯊꯥꯁꯤꯗꯥ
ꯇꯥꯟꯕ꯭ꯔꯥ ꯃꯃꯗ꯭ꯔꯕꯁꯤꯕꯨ ꯄꯨꯔꯅꯤꯃꯥ,
ꯍꯤꯡꯕ꯭ꯔꯥ ꯁꯤꯔꯕꯁꯤꯕꯨ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ
ꯁꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯣꯏꯃꯥ-ꯃꯥ,
ꯈꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤꯗꯤ
ꯐꯪꯕ꯭ꯔꯥ ꯈꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯩꯇꯅꯗꯤ ...

꯲꯵/꯰꯵/꯰꯵

...

উব্রা থঙদবশিবু লোৎলিবা
থঙব্রা উদ্দবশিবু ফোংলগা,
লৈব্রা লোত্তবশিবু থেল্লিবা
লোত্তব্রা লৈবশিবু থুপলগা,
তুম্ব্রা চারিবশিবু উম্মশাইনা
চাব্রা তুম্লিবশিবু নাখোক্লে,
ডাংব্রা শংডিবশিবু শংগ্রিক্লা
শংব্রা ডাংলিবশিবু লাউ-খোংল;
মম্ব্রা তান্দ্রবশিবু থাশিদা
তানব্রা মমদ্রবশিবু পুর্ণিমা,
হীংব্রা শিরবশিবু তাইবঙদা
শিব্রা হীংলিবশিবু কোইমা-মা,
খিব্রা ফংদ্রবশিবু লৈত্রিদি
ফংব্রা খিবশিবু লৈতনদি...

২৫/০৫/০৫

ꯆꯣꯡꯊꯔꯛꯂꯦ ꯍꯤꯗꯦꯟꯗꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤ

ꯃꯥꯏꯈꯨꯝ ꯐꯤ ꯅꯠꯇꯦ ꯍꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯥꯒꯤ
ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯐꯤꯊꯨꯞ ꯀꯥꯡ ꯇꯝꯅꯦꯅꯤ ꯊꯔꯥꯏ,
ꯏꯈꯦꯡ ꯅꯠꯇꯦ ꯆꯦꯡꯒꯨꯔꯤ ꯀ꯭ꯔꯣꯁꯇꯒꯤ
ꯂꯤꯟꯈꯥꯛ ꯑꯍꯤꯡꯗꯥ ꯁꯥꯡꯍꯜꯂꯤ ꯂꯔꯥꯏ,
ꯌꯣꯡꯒꯤ ꯃꯈꯨꯟ ... ꯇꯥꯡꯕꯣ ꯀꯥꯡꯒꯤ ꯀꯥꯡꯈꯨꯟ ...
ꯄꯥꯎꯈꯣꯡꯅꯤ ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯏꯄꯥꯛ' ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯗꯥ,
ꯃꯇꯝ' ꯏꯔꯩ ꯂꯩꯈꯥꯏ ꯆꯤꯡꯊꯩ ꯂꯩꯈꯨꯟ
ꯑꯐꯛ ꯀꯨꯔꯥꯡ ꯊꯥꯡ ꯍꯥ ꯀꯥꯏ ꯂꯩꯈꯥꯗꯥ,
ꯄꯤꯔꯥꯡ ꯁꯤꯡꯒꯨ ꯈꯨꯗꯣꯜꯂꯤ ꯊꯤꯟ ꯂꯥꯎꯖꯦ ...
ꯇꯥꯗꯩ ꯎꯔꯤꯠ ꯁꯜꯂꯥꯡ ꯐꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯏ,
ꯃꯥꯡꯁꯨ ꯂꯥꯡ ꯇꯨꯡꯁꯨ ꯇꯦꯟ ꯂꯥꯡꯃꯤꯠ ꯂꯥꯎꯖꯦ
ꯐꯣꯡꯂꯅꯨ - ꯇꯥꯎ - "ꯁꯩꯇꯥꯟ ꯁꯩꯗꯥꯡꯒꯤ ꯁꯥꯏ",
ꯊꯩꯒꯅꯤꯅꯤ ! ꯃꯩꯒꯤ ꯆꯤꯡ ꯄꯣꯛꯈꯥꯏ - ꯇꯥꯋꯩ
ꯌꯨꯛꯇꯤ ꯇꯥꯟ ꯌꯨꯛꯇꯤ ꯐꯪ ꯇꯣꯕꯕꯅꯤ ꯇꯥꯋꯩ ॥

꯱꯷/꯰꯵/꯰꯵

চোংথরক্লে হীদেন্দা অহীংবা নুঙগী মুর্তি

মাইখুম-ফি নত্তে হাংলিবা মাগী
থম্মোয় ফিথুপ কাং তম্নেনি থরায়,
ঈখেং নত্তে চেঙ্গুরি ক্রোশতগী
লিনখাক অহিংদা শাংহল্লি লরায়,
যোংগী মখুন ... তাঙবো কাঙগী কাঙখুন ...
পাউখোংনি মায়াই ঈপাক' কাওশিংদা,
মতম' ঈরৈ লৈখাই চিংথৈ লৈখুন
অফক-কুরাং থাং হা কাই লৈখাদা;
পিরাং শিঙ্গু খুদোল্লী থিন লাউজে ...
তাদৈ উরিৎ শল্লাং ফা জগোই শাই,
মাংসু লাং তুংসু তেন লাংমিৎ লাওজে
ফোংলনু - তাও - "শৈতান শৈদাং-গী শাই,"
থৈগ্নিনি! মৈগী চীং পোকখাই - তাৱৈ
যুক্তি তান যুক্তি ফং তোববনি তাৱৈ।

১৮/০৬/০৫

ꯈꯣꯝꯕ ꯁꯗꯣꯡꯒꯤ ꯃꯍꯥꯎ

ꯂꯩꯀꯡꯄꯥꯇꯥ ꯁꯟꯅꯥꯡ-ꯐꯥ ꯏꯜ ꯆꯤꯡꯕꯤ
ꯌꯥꯏꯅꯥ ꯌꯥꯏꯕꯤꯗꯥ-ꯇꯣꯞ ꯌꯥꯏꯕꯤ ꯂꯦꯡꯂꯩ,
ꯂꯩꯀꯔꯛ ꯃꯁꯣꯡꯅꯥ ꯈꯨꯅꯤꯡ ꯁꯥꯠꯀꯥꯏꯕꯤ
ꯆꯦꯟꯊꯔꯤ ꯏꯈꯦꯡꯂꯛ ꯏꯄꯥꯜ ꯂꯥꯡꯂꯩ,
ꯗꯥꯅꯞ ꯗꯥꯛꯔꯤꯖꯧ ꯗꯥꯃꯨ ꯗꯥꯔꯦꯃꯥ
ꯃꯌꯥ ꯄꯥꯟꯕꯅꯥ ꯃꯌꯥꯅꯥ ꯆꯤꯛꯂꯦ,
ꯊꯜꯂꯕ ꯂꯨꯛ ꯈꯨꯝꯖꯤꯜꯂꯤ ꯃꯊꯨꯝꯅꯥ
ꯃꯁꯣꯡ ꯍꯣꯒꯥꯏꯅꯩ ꯃꯆꯤ ꯍꯩꯒꯥꯏꯅꯩ;
ꯍꯌꯤꯡ ꯈꯣꯡꯌꯥꯟꯅꯤ ꯁꯤꯡ ꯁꯣꯌꯣꯜ ꯁꯛꯂꯤ
ꯀꯛ-ꯀꯛ ꯐꯀꯛꯂ ꯊꯤꯠꯀꯞ ꯈꯣꯔꯀꯏ,
ꯀꯥꯆꯤꯟ ꯀꯣꯏꯌꯥꯗꯅꯥ ꯂꯦꯡ-ꯂꯦꯡ ꯆꯠꯂꯤ
ꯃꯤ ꯊꯤꯇꯥꯔꯝꯅꯥ ꯁꯡ-ꯁꯡ ꯎꯔꯀꯏ,
ꯌꯦꯛꯂꯦ ꯃꯥꯏꯈꯨꯝꯐꯤ ꯃꯔꯨꯞ ꯌꯨꯈꯝꯐꯤ
ꯃꯥꯂꯡ ꯁꯍꯜꯂꯨꯛ ꯃꯥꯟꯅꯩ ꯊꯥꯛꯅꯐꯤ ॥

꯰꯳/꯰꯷/꯰꯵

খোমবা শদোংগী মহাও

লৈকংপাতা শন্নাং-ফা ঈল চিংবী
যাইনা যাইবিদা-তোপ যাইবি লেংলৈ,
লৈক্রক মশোংনা খুনিং শাৎকাইবী
চেন্থরি ঈখেংলক ঈপাল লাংলৈ,
ডানপ ডাক্রিজৌ ডামু ডারেমা
ময়া পানবনা ময়ানা চীক্লে,
থল্লবা লুক খুমজিল্লি মথুম্না
মশোঙ হোগাইনৈ মচী হৈগাইনৈ;
হয়িং খোঙযান্নী শিং শোয়োল শক্লি
কক-কক ফকক্ল থীৎকপ খোরকই,
কাচিন কোইয়াদনা লেং-লেং চৎলি
মি থীতারম্না শং-শং উরকই,
য়েক্লে মাইখুমফি মরুপ য়ুখমফি
মালং শহল্লুক মান্নৈ থাকনফি।

০৩/০৭/০৫

ꯃꯀꯨꯏ ꯌꯥꯎꯁꯪ

ꯍꯤꯃꯥꯂꯌ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝꯗ ꯎꯟ ꯇꯨꯝꯕ
ꯀꯣꯔꯧ ꯃꯁꯦꯛꯄ ꯃꯨꯅ ꯃꯤꯇꯥꯔꯩ,
ꯔꯥꯡꯂꯥ ꯆꯤꯡꯃꯥꯏ ꯒ꯭ꯂꯦꯁꯤꯌꯥꯔ ꯀꯤꯡꯀꯕ
ꯈꯪꯂ ꯃꯀꯨꯁꯤꯡ ꯂꯣꯛꯅꯨꯡꯗꯩ ꯄꯥꯏꯕꯩ,
ꯁꯩꯗꯥꯡꯂꯩ ꯀꯣꯅꯨꯡ' ꯃꯤꯊꯨꯡ ꯀꯥꯗꯨꯗ
ꯍꯥꯏꯔꯦ ꯑꯃꯩ ꯄꯣꯠꯄꯨꯕꯤ ꯄꯔꯦꯡꯅ,
ꯑꯍꯤꯡ ꯇꯥꯡꯂꯧ ꯂꯩꯅ ꯊꯦꯡꯂꯕꯗ
ꯃꯈꯣꯌꯅꯤ ꯅꯤꯀ꯭ꯂꯤꯕ ꯁꯔꯛ ꯁꯤꯅ.
ꯂꯩꯉꯥꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ ꯆꯣꯜꯂꯣꯝꯗ ꯆꯣꯛꯊꯁꯤꯡ
ꯏꯁꯤꯡ-ꯇꯞꯄ ꯇꯞ-ꯇꯞ ꯇꯥꯏ - ꯇꯥꯔꯤꯕ,
ꯇꯨꯃꯈꯨꯟ ꯇꯥꯜꯂꯤ ꯁꯤꯡꯒꯥ ꯍꯣꯡꯂꯕꯁꯤꯡ
ꯅꯥꯝꯕ ꯊꯦꯡꯉꯤ ꯁꯤꯔꯝ ꯁꯤꯡꯒꯨꯔꯤꯕ,
ꯀꯣꯅꯖꯤꯟꯗꯩ ꯊꯣꯛꯂꯝ ꯊꯣꯡꯖꯤꯟꯗꯩ ꯀꯥꯟꯊꯤ
ꯃꯨꯁꯤꯜꯂꯤ ꯆꯟꯗꯜ ꯁꯤꯟꯗꯨꯔ ꯄꯥꯊꯣꯛꯀꯊꯤ॥

꯰꯴/꯰꯸/꯰꯵

মকুই য়াওশং

হিমালয় নাউশুমদা উন তুম্বা
কোরৌ মশেক্পা মুনা মীতারৈ,
রাঙলা চীংমাই গ্লেশিয়ার কীঙ্কবা
খংল মকুশিং লোকনু ংদৈ পাইবৈ,
শৈদাংলৈ কোনুং' মীথুং কাদুদা
হাইরে অমৈ পোৎপুবী পরেংনা,
অহিং তাংলৌ লৈনা থেঙলবদা
মখোয়নি নীক্লিবা শরক শিনা,
লৈঙাং হোংদোক চোল্লোমদা চোকথশিং
ঈশিং-তপ্পা তপ-তপ তাই - তারিবা,
তুমখুন তাল্লি শিঙ্গা হোংলবশিং
নাম্বা থেংঙি শিরম শিঙ্গুরিবা,
কোনজিন্দৈ থোক্লম থোংজিন্দৈ কানথি
মুশিল্লি চন্দল শিন্দুর পাথোকথি।

০৪/০৮/০৫

[illegible]

[illegible]

[illegible]

তাজমহন্না তাক্লি

থেংল থাবন্না চাম' তাজ তন্বাক্তা
খোইমু কিজ নাথৈ লৈকোল লৈনম,
খন্বল নুঙজৌ থক্তোক মডাল 'শেক্তা
লীরি হুম্ব হন্লৈ হৈকোল হৈনম,
জামুনাই নিংডাই 'শৈ ঙংনু ঙমদে
হে মমতাজ ! করম জগোই তমনুশি,
নিদ্রাই নাউশুম তাইবঙ শুমনু যাদে
হা নিংথৌ ! করম তুমখুন তানথিশি;
থাজৈ মডাল কোরৌ মৈশা রাইরৈ
থম্মোয নুঙ কৈদৈ চেষ্টে ঈচেল 'মা,
লংজা ক্লাক শদুম মুমা মীতারৈ
পন কযাই পলোন্দে চুম ঈচেল'মা,
মালং খুজোক শোকথি থোং ঈচেল 'চা
তাজ কীষ্টকংলোই থম্মোযদুই 'চেল'চা।

১০/০৮/০৫

ꯆꯩꯊꯦꯡꯗꯨꯒꯤ ꯆꯩꯅꯥꯈꯣꯜ

ꯆꯥꯝꯊꯣꯛꯅꯨ ꯌꯥꯗꯦ ꯑꯍꯤꯡ ꯊꯥꯕꯟꯅꯥ
ꯂꯥꯛꯅꯨ ꯌꯥꯗꯥ ꯕꯁꯟꯇ ꯔꯤꯇꯨꯁꯨ,
ꯂꯛꯂꯅꯨ ꯌꯥꯗꯦ ꯅꯣꯡꯖꯥꯕꯤ 'ꯄꯩꯅꯥ
ꯍꯨꯟꯅꯅꯨ ꯌꯥꯗꯥ ꯂꯤꯔꯤ ꯍꯨꯝꯕꯁꯨ,
ꯃꯤꯇꯥꯅꯨ ꯑꯣꯝꯗꯦ ꯍꯩꯀꯣꯜ ꯍꯩꯔꯥꯡꯁꯤꯡ
ꯇꯝꯂꯅꯨ ꯑꯣꯝꯗꯥ ꯂꯩꯅꯝ ꯂꯩꯀꯣꯟꯅꯨꯡ
ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯅꯨ ꯑꯣꯝꯗꯥ ꯊꯧꯈꯔ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ
ꯔꯥꯅꯨ ꯑꯣꯝꯗꯦ ꯊꯥꯑꯣꯑꯣꯝꯗꯔ ꯊꯝꯃꯣꯏꯅꯨꯡ;
ꯈꯣꯡꯂꯒꯅꯨ - ꯍꯦ ꯀꯣꯀꯤꯜ ꯅꯑꯣꯕꯨꯅꯦ
ꯑꯣꯡꯂꯅꯨ ꯅꯑꯣꯁꯨ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯄꯨꯑꯣꯝꯗꯦ,
ꯇꯦꯡꯊꯥꯔꯅꯨ - ꯍꯦ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯅꯑꯣꯁꯨꯅꯦ
ꯃꯤꯆꯧꯅꯨ ꯊꯦꯜꯂꯤꯁꯦ ꯀꯩ' ꯈꯑꯣꯑꯣꯝꯗꯦ ,
ꯈꯟꯅꯨ ꯍꯣꯡꯂꯤ ꯈꯜꯂꯨꯔ ꯆꯩꯅꯥꯅꯤ
ꯊꯥꯝꯅꯨ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯥꯀꯩꯠꯊꯥꯏ ꯅꯥꯄꯦꯠꯅꯤ॥

꯱꯰।꯰꯸।꯰꯵

চৈথেংদুগী চৈনাখোল

চামথোকনু যাদে অহিং থাবন্না
লাকনু যাদা বসন্ত ঋতুসু,
লক্লনু যাদে নোংজাবী 'পৈনা
হুন্ননু যাদা লিরী হুম্বসু,
মীতানু ওমদে হৈকোল হৈরাংশিং
তম্লনু ওমদা লৈনম লৈকোন্নুং
নীংশিংনু ওমদা থৌখ্র থৌদোকশিং
রানু ওমদে থাওওমদ্র থম্মোয়নুং,
খোংলগনু - হে কোকিল নওবুনে
ওংলনু নওসু থম্মোয় পুওমদে,
তেংথারনু - হে পুক্রিং নওসুনে
মীচৌনু থেল্লিশে কৈ' খওওমদে,
খন্নু হোংলি খল্লুর চৈনানি
থামনু থম্মোয় নাকৈত্থাই নাপেৎনি।

১০/০৮/০৫

ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯊꯣꯛꯅ ꯃꯉꯐꯥꯎꯅꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯉ

ꯇꯨꯝꯗ ꯃꯉ ꯃꯉꯅ ꯃꯉꯐꯥꯎꯔꯛꯄꯗ
ꯃꯉꯐꯥꯎꯕ꯭ꯔ ꯃꯉꯂꯥꯟꯗ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯦ ꯃꯉ,
ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯊꯣꯛꯂꯦ ꯃꯉ ꯃꯉꯐꯥꯎꯅꯔꯗ
ꯃꯉꯐꯥꯎꯕ꯭ꯔ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗ ꯀꯉꯂꯥꯛꯂꯦ ꯃꯉ,
ꯇꯨꯝꯊꯗꯅ ꯀꯔꯝꯅ ꯃꯉ ꯃꯉꯂꯤ
ꯅꯣꯡꯊꯥꯡ ꯖꯒꯣꯏ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯀꯤꯔꯤꯕ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯉꯝꯕꯨ ꯍꯥꯛꯃꯟꯅ ꯁꯣꯟꯃꯜꯂꯤ
ꯊꯣꯏꯅ ꯆꯤꯛꯂꯒ ꯍꯌꯤꯡ ꯊꯤꯔꯤꯕ .
ꯊꯣꯏꯒꯤꯗꯤ ꯃꯍ ꯍꯌꯤꯡ' ꯃꯊꯤꯅꯤ
ꯃꯍꯔ ꯃꯥꯏꯍꯤꯡꯂ ꯅꯉ ꯄꯥꯜꯂꯤꯁꯦ,
ꯃꯃꯨ ꯁꯪꯂꯨꯏ ꯊꯣꯏꯍꯤꯗꯨꯏ 'ꯌꯥꯏꯅꯅꯤ
ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯆꯩꯅꯥꯅꯤ ꯃꯥꯏꯊꯣꯡ ꯁꯣꯏꯅꯥꯏꯁꯦ,
ꯄꯨꯝꯁꯤ ꯆꯩꯁꯤꯡ ꯀꯛꯂꯤꯗꯤ ꯎꯔꯨꯗꯦ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯥꯏꯃꯟ ꯀꯥꯡꯊꯧꯗꯧ ꯊꯕ꯭ꯔꯨꯗꯦ ॥

꯱꯰।꯰꯸।꯰꯵

মীৎকপ থোক্‌না মঙফাওনখিদ্রবা মঙলান

তুমদ মঙ মঙনা মঙফাওরকপদা
মঙফাওব্রা মঙলান্দা মঙলাক্লে মঙ,
মীৎকপ থোক্লে মঙ মঙফাওনরদা
মঙফাওব্রা তাইবঙদা কঙলাক্লে মঙ,
তুমথদনা করম্না মঙ মঙলি
নোংথাং জগোই করিগী কিরিবা,
থম্মোয় নঙম্বু হাকমন্না শোনমল্লি
থোইনা চিক্লগা হয়িং থিরিবা।
থোইগীদি মহ হয়িং' মথীনি
মহরা মাইহীংলা নঙ পাল্লিশে,
মমু শংলুই থোইহীদুই 'যাইননি
চৈথেং চৈনানি মাইথোং শোইনাইশে,
পুম্সি চৈশিং কক্লিদি উরুদে
থম্মোয় লাইমন কাংথৌদৌ থব্রুদে।

১০/০৮/০৫

ꯇꯥꯏꯕꯉꯒꯤꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗ ꯇꯥꯠ ꯇꯧꯔꯤꯕ ꯇꯣꯛꯄ

ꯇꯥꯏꯕꯉꯗ ꯇꯦꯝꯅꯔꯥ' ... ꯇꯦ ꯇꯨ ...ꯇꯦ-ꯇꯨ...
ꯇꯥꯝꯅ ꯇꯥꯝꯅ ꯇꯥꯌ ... ꯇꯥꯕꯨꯅꯨꯡ ꯇꯣꯞꯄ,
ꯇꯣꯕꯩ ꯇꯣꯊꯨꯞꯂꯛꯁꯨ ꯇꯦ-ꯇꯨ ... ꯇꯦ ꯇꯨ ...
ꯇꯕꯉꯜ ꯇꯥꯎ ꯇꯥꯝꯍꯧꯔꯦ ... ꯇꯣꯞ ꯇꯥꯝꯅ,
ꯇꯠ ꯇꯠ ꯇꯩꯅ ꯇꯩꯅ ꯇꯤꯟꯅꯕꯝꯅ
ꯇꯣꯞ ꯇ ꯇꯥꯅ ꯇꯥꯅ ꯇꯩꯅꯕꯅꯤ,
ꯇꯥꯛ ꯇꯥꯛ ꯇꯣꯠꯅ ꯇꯣꯠꯅ ꯇꯤꯅꯁꯤꯟꯅꯕ
ꯇꯞ ꯇꯞ ꯇꯤꯟꯅ ꯇꯤꯟꯅ ꯇꯣꯠꯅꯕꯅꯤ,
ꯇꯥꯏ ! ꯇꯥꯏ ! ... ꯇꯧꯉꯝꯕꯤ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤ ꯇꯣꯛꯄ
ꯇꯨ ꯇꯨꯏ ! ꯇꯍ ꯇꯍ ꯇꯤꯡꯉꯧꯕꯒꯤ,
ꯇꯤꯡ ! ꯇꯤꯡ ! ꯇꯞꯄꯨ ꯇꯞꯄꯨ ꯇꯤꯅꯖꯡꯂꯛꯄ
ꯇꯧꯔꯤꯅꯤ ꯇꯣꯞ - ꯇꯣꯞ ꯇꯣꯝꯅ ꯇꯥꯏꯕꯉꯒꯤ,
ꯇꯧ ꯇꯧ ꯇꯥꯡꯂꯕ ꯇꯥꯡꯅꯤ ꯇꯧꯐꯗ
ꯇꯞ ꯇ ꯇꯠꯇꯨꯅ ꯇꯣꯏꯔ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗ ॥

꯰꯵/꯰꯵/꯰꯵

তাইবঙগীনি তাইবঙদা তাৎ তৌরিবা তোকপা

তাইবঙদা তেম্নরা' - তে তু ... তে-তু ...
তাম্না তাম্না তায ... তাবুনুং - তোপ্পা,
তোবৈ তোথুপ্লকসু তে-তু ... তে তু ...
তবঙল তাও তামহৌরে ... তোপ তাম্না,
তৎ তৎ তৈনা তৈনা তিন্নবম্না
তোপ তা তানা তানা তৈনবনি,
তাক তাক তোৎনা তোৎনা তিনশিন্নবা
তপ তপ তিন্ন তিন্ন তোৎনবনি;
তাই! তাই! ... তৌঙম্বী তৌরক্লী তোকপা
তু তুই! তহা তহা তীঙৌবগী,
তিঙ! তিঙ! তপ্পু তপ্পু তীনজংলকপা
তৌরিনি তোপ - তোপ তোম্না তাইবঙগী,
তৌ তৌ তাংলবা তাংনি তৌফদা,
তপ তা তত্তুনা তোইর তাইবঙদা।

০৫ /০১ /০৫

ꯃꯧꯅꯤ ꯂꯨꯞꯇꯥ

ꯁꯅꯥ ꯁꯉ꯭ꯒꯥꯏ ꯌꯨꯝꯖꯥꯎ ꯏꯇꯥꯎ ꯇꯥꯎꯕꯥ
ꯃꯄꯨ ꯌꯥꯏ ꯂꯩꯃꯅꯁꯨ ꯐꯥꯎꯗꯦ ꯂꯩꯅꯝ,
ꯃꯌꯥ ꯏꯄꯥꯛ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡ ꯏꯇꯥꯎ ꯇꯥꯎꯕꯥ
ꯍꯅꯨ ꯍꯅꯨꯔꯩ ꯍꯩ ꯍ'ꯗꯦ ꯍꯩꯅꯝ,
ꯈꯣꯏꯕꯤ-ꯇꯤꯡ ꯈꯣꯏꯖꯥꯛ-ꯊꯥ ꯃꯤꯠꯆꯤ ꯈꯞ ꯈꯞ…
ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯆꯥꯎꯔ ꯍꯕꯤ ꯅꯣꯡꯅꯥꯡ ꯁꯨꯠ ꯁꯨꯠ,
ꯇꯥꯟꯗꯣꯞ ꯖꯒꯣꯏꯗꯥ ꯃꯤꯍꯨꯟꯅꯥ ꯈꯞ ꯈꯞ…
ꯀꯕꯥꯛ-ꯈꯟ ꯍꯨꯏꯒꯪ ꯊꯥꯡꯂꯒꯥ ꯁꯨꯠ ꯁꯨꯠ,
ꯁꯖꯥꯎ ꯉꯥꯖꯥꯎ ꯀꯌꯥꯏ ꯁꯥꯍꯤꯡ ꯉꯥꯍꯤꯡ
ꯁꯔꯥ ꯁꯜꯂ ꯁꯉꯉꯤ ꯑꯄꯨꯝ ꯑꯁꯥ,
ꯄꯩꯌꯥ ꯇꯦꯡꯒꯣꯠꯅꯨꯡ ꯐꯝ ꯏꯍꯤꯡ ꯅꯥꯏꯍꯤꯡ
ꯄꯨꯀꯣꯛ ꯄꯨꯔꯣꯟ ꯀꯠꯂꯤ ꯑꯄꯣꯛ ꯑꯁꯥ,
ꯇꯨꯕꯤ ꯂꯥꯕꯥ ꯇꯤꯜꯂꯤ ꯇꯤꯜꯂꯝ ꯂꯥꯏꯔꯝ
ꯊꯧ ꯇꯧꯔꯤ ꯁꯣꯔꯦꯜ ꯉꯕꯣꯡꯈꯥꯎ ꯊꯧꯔꯝ ॥

꯱꯲।꯰꯹।꯰꯵

মৌনি লুপ্তা

সনা শঙ্গাই যুমজাও ইতাও তাওবা
মপু যাই লৈমনসু ফাওদে লৈনম,
মাযা ঈপাক কাওশিং ইতাও তাওবা
হনু হনুরৈ হৈ হ'দে হৈনম,
খোইবি-তিং খোইজাক-থা মীৎচী খপ খপ ...
নিংঙাই চাওর হবী নোংনাং শুৎ শুৎ,
তান্দোপ জগোইদা মীহুন্না খপ খপ...
কবাক-খন হুইগং থাংলগা শুৎ শুৎ;
শজাও ঙাজাও কযাই শাহিং ঙাহিং
শরা শল্ল শঙঙি অপুম অশা,
পৈযা তেঙ্গোৎনুং ফম ঈহিং নাইহিং
পুকোক পুরোন কৎলি অপোক অশা,
তুবী লাবা তিল্লি তীল্লম লাইরম
থৌঁ তৌরি শোরেল ঙবোংখাও থৌঁরম ।

১২ /০৯ /০৫

ꯏꯃꯥꯅꯥ ꯀꯧꯔꯤ

ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯦ। ꯒꯣꯕꯤꯟꯗꯦ ꯀꯥꯡꯁꯤ ꯊꯣꯅꯥꯖꯦꯜꯁꯨ
ꯍꯡꯂꯥꯏꯆꯥꯁꯤꯡ ꯄꯡꯁꯜꯂ ꯅꯥ ꯐꯥꯎꯅꯥ,
ꯎꯗ꯭ꯔꯦ। ꯑꯃꯡ-ꯅꯣꯡ ꯉꯃꯖ ꯀꯨꯆꯨꯁꯨ
ꯃꯡ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯃꯤ ꯃꯃꯤ-ꯁꯥꯝꯃꯣ,
ꯊꯡꯅꯗ꯭ꯔꯦ। ꯅꯣꯔꯣꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯊꯟꯁꯤꯡꯕꯨ
ꯍꯣꯏꯍꯜ ꯅꯍꯥ ꯌꯥꯏꯔꯤ-ꯂꯦꯡ ꯄꯇꯥꯜꯗꯥ,
ꯉꯡꯗ꯭ꯔꯦ। ꯃꯨꯜꯊꯧ ꯁꯎꯂꯤꯡꯗꯩ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ
ꯁꯥꯔꯤ ꯇꯥꯟꯗꯣꯞ ꯖꯒꯣꯏ ꯄꯨꯡ-ꯆꯣꯜꯂꯣꯃꯗꯥ:
ꯊꯣꯔꯛꯂꯣ - ꯅꯎꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯎꯗ꯭ꯔꯤ
ꯍꯥ ꯎꯔꯤꯠ-ꯅꯥꯄꯡ ꯀꯔꯝ ꯀꯧꯁꯤꯕꯥ,
ꯌꯥꯎꯜꯂꯣ - ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯂꯥꯕꯥ ꯌꯥꯎꯅꯗ꯭ꯔꯤ
ꯂꯩꯆꯤꯟ ꯄꯣ-ꯀꯥꯡ ꯃꯤꯠꯀꯨ'ꯃꯥ ꯀꯨꯍꯁꯤꯕꯥ,
ꯇꯥꯜꯍꯜꯂꯣ - 'ꯃꯃꯁꯦ ꯃꯨꯛꯇꯥ ꯄꯣꯍꯜꯗꯩ
ꯆꯣꯡꯊꯧ ꯊꯩꯃꯥꯅꯤ ꯄꯛꯇꯧ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯦ ॥

꯱꯸।꯰꯹।꯰꯵

ইমানা কৌরি

তাদ্রে ! গোবিন্দে কাংশি থোনাজেলসু
হংলাইচাশিং পংশল্ল না ফাওনা,
উদ্রে ! অমং-নোং ঙমজ কুচুসু
মং মরক্তা মি মমি-শাম্মো,
থংনদ্রে ! নোরোক নিংথৌ থনশিংবু
হোইহল নহা যাইরি-লেং পতালদা,
ঙংদ্রে ! মুলথৌ শওলিংদৈ মখোয়বু
শারি তান্দোপ জগোই পুং-চোল্লোমদা:
থোরকলো - নওসু মখোয়বু উদ্রি
হা উরিৎ-নাপং করম কৌশিবা,
যাওল্লো - লাইরেন লাবা যাওনদ্রি
লৈচিন পো-কাং মীৎকু'মা কুহশিবা,
তালহল্লো - 'মমশে মুক্তা পোহলদৈ
চোংথৌ থৈমানি পক্তৌ মাঙোন্দে: ।

১৮/০৯/০৫

ꯂꯧꯇꯥꯎꯁꯪꯗꯥ ꯚꯥꯏꯍꯥꯛ ꯍꯪꯆꯤꯠ ꯂꯥꯡꯉꯩ

ꯊꯔꯥꯏ ꯑꯇꯤꯡꯉꯥ ꯈꯣꯡꯗꯣꯏ ꯃꯥꯂꯦꯝꯗꯥ -
ꯚꯧꯔ ꯐꯤꯖꯣꯟꯁꯦꯠ ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ,
ꯇꯝꯅꯥ ꯇꯥꯝꯅꯥ ꯊꯩꯁꯤꯟꯅꯩ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ
ꯃꯕꯥꯡ ꯇꯨꯔꯥꯡꯍꯟꯅ ꯃꯨ ꯀꯥꯂꯤꯅꯥ,
ꯚꯧ ꯃꯔꯤꯡ ꯃꯕꯥꯡꯂꯩ ꯃꯃꯁꯤꯜꯂꯤꯚꯩ
ꯃꯨꯁꯨꯛ ꯃꯨꯁꯤꯜꯂ ꯃꯨꯔꯥꯏ ꯃꯨꯔꯇꯤꯒꯨꯝ,
ꯂꯧꯇꯥꯎꯁꯪꯗꯥ ꯚꯥꯏꯍꯥꯛ ꯍꯪꯆꯤꯠ ꯂꯥꯡꯉꯩ
ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯆꯥꯌꯥꯏ ꯆꯥꯛꯊꯦꯀꯜ ꯀꯦꯒꯥꯝꯒꯨꯝ;
ꯀꯦꯟ ꯀꯣꯂꯍꯤꯡ ꯀꯥꯡꯃꯗꯥ ꯁꯅꯥ'ꯈꯤꯡꯕꯥ -
ꯎꯠꯆꯨꯡ ꯍꯥꯏꯊꯩ ꯊꯥꯔꯤ ꯁꯩꯖꯥꯊꯛꯇꯥ,
ꯃꯇꯠ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯇꯠꯂꯤ ꯂꯪ'ꯈꯤꯡꯕꯥ
ꯆꯥꯛꯀꯤ ꯆꯟꯗ꯭ꯔꯥ ꯆꯤꯇꯥꯏ ꯆꯤꯊꯛꯇꯥ,
ꯃꯐꯝ ꯄꯨꯡꯐꯝ ꯇꯥꯟꯖꯥꯅꯥ ꯆꯨꯟꯅꯤꯔꯥ
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡ ꯆꯜꯂꯤꯔꯥ ॥

꯱꯹/꯰꯹/꯰꯵

লৌতাওশংদা ভাইহাক হংচিৎ লাংঙৈ

থরায় অতিংঙা খোংদোই মালেমদা -
ভৌর ফীজোনশেৎ খুদুম শিংদুনা,
তম্না তাম্না ঠৈশিন্নৈ তাইবঙদা
মবাং তুরাংহন্ন মু কালিনা,
ভৌ মরিং মবাংলৈ মমশিল্লিভৈ
মুসুক মুশিল্ল মুরাই মুর্তিগুম,
লৌতাওশংদা ভাইহাক হংচিৎ লাংঙৈ
মাযাই ছাযাই চাকথেকল কেগামগুম;
কেন কোলহিং কাঙমদা সনা'খীংবা -
উৎচুং হাইথৈ থারি শৈজাথক্তা,
মতৎ কয়ানি তৎলি লং'খীংবা
চাক্কি চন্দ্রা চীতাই চীথক্তা,
মফম পুংফম তানজানা চুন্নিরা
খোঙচৎ তাইবঙদা পাউখোং চল্লিরা ।

১৯/০৯/০৫

ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯇꯔꯄꯟ

ꯁꯔꯠ ꯄꯨꯔꯅꯤꯃꯥ ꯊꯥꯁꯤ ꯅꯣꯡꯂꯩꯁꯨ
ꯃꯇꯝ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯤꯡꯉꯝꯗꯦ,
ꯃꯇꯝ' ꯇꯣꯕꯩꯂꯛ ꯇꯥꯎꯊꯩ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯁꯨ
ꯏꯆꯦꯝꯅꯥ ꯆꯦꯡꯀꯩ ꯄꯜ ꯄꯜꯂꯣꯂꯨꯗꯦ,
ꯀꯥꯂꯦꯟꯒꯤ ꯏꯉꯥ ꯊꯋꯥꯟꯒꯤ ꯂꯥꯡꯕꯟ...
ꯏꯆꯥꯎꯒꯤ ꯃꯤꯔꯥ ꯃꯩꯁꯥ ꯂꯥꯡꯂꯕꯥ,
ꯔꯤꯇꯨ ꯇꯔꯨꯛꯀꯥ ꯊꯧꯒꯜꯂꯤ ꯂꯥꯟꯕꯟ
ꯎꯔꯤꯁꯤ ꯄ꯭ꯔꯂꯌ ꯃꯩꯅꯤ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ.
ꯑꯣꯝꯆꯥꯛꯂꯨꯕꯤ ꯂꯥꯡꯕꯟ ꯅꯪ ꯂꯥꯛꯂꯗꯥ
ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯅꯨ ꯉꯝꯃꯗꯦ ꯇꯥꯝꯈ꯭ꯔꯨ ꯀꯥꯎꯈ꯭ꯔꯁꯤꯡ.
ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯅꯨꯡ ꯃꯍꯤ ꯆꯦꯛꯀꯛꯂꯗꯥ
ꯇꯔꯄꯟ ꯇꯝ ꯇꯝꯃꯦꯅꯤ ꯇꯥꯏꯌꯣꯝꯅꯁꯤꯡ,
ꯍꯒꯤ ꯂꯤꯛꯂꯤꯗꯨꯅꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯑꯩꯒꯤ
ꯆꯠꯂꯤ ꯄꯟꯊꯩ ꯋꯥꯡꯃꯥ ꯂꯤꯛꯂꯝꯗꯨꯒꯤ ॥

꯱꯹।꯰꯹।꯰꯵

নুংশি তর্পন

শরৎ পূর্ণিমা থাশি নোংলৈশু
মতম খোঙচৎ কনানা থিংঙমদে,
মতম' তোবৈলক তাওথৈ কাওশিংশু
ঈচেম্না চেঙ্কৈ পল পল্লোলুদে,
কালেনগী ইঙা থৱানগী লাংবন...
ঈচাওগী মীরা মৈশা লাংলবা,
ঋতু তরুক্কা থৌগল্লি লানবন
উরিশি প্রলয় মৈনি চাক্লিবা:
ওমচাক্লুবী লাংবন নঙ লাক্লদা
নীংশিংনু ঙম্মদে তামখ্রু কাওখ্রশিং,
থম্মোয় নুঙ মহি চেক্কক্লদা
তর্পন তম তম্মেনি তাইযোম্নশিং,
হগী লীক্লিদুনি নঙগী ঐগী
চৎলি পনথৈ ৱাংমা লীক্লমদুগী ।

১৯/০৯/০৫

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥

꯱꯵।꯰꯵।꯰꯵

ঈরাৎপুজা

তাইবঙ ঈরাৎ-পুজা থৌনিফম্মি
ভক্তিগীদমক ভক্তে থরায়গী,
পুক্রিং রাখলগী সু লৈতাফম্মি
শৈদাঃ হন্নবৈ থরায মাযাগী,
ফিজংগী মাইখুম্না হাইদোক্লদা
পোল্লগী থল্বালসু শাতকাইরকই,
পেনা চৈজিংনা চিংলক্লবদা
খোনজেনগী খোঙ্খাংসু থক্তোবকই
তম্নরাইশিং তক্তুনা তম্নরৈ
হীরুবাকথক হি -হি মোমোম্নজে,
কেল্লব থম্মোয়নসু কীহুবৈ
ঈযাইখক হিক্রু-হিক্রু তেংথাজে,
সংসারনি মীৎত্রঃ জাদুগরগীদি
ছায়াশংনি হীংলি থরায়গীদি ।

২৫/০১/০৫

[illegible]

২৬ /০৫ /০৫

থাঙ্গী মাইথোংদা করিগী মাইহিং

ও-কু - করিগীনো লোংলেবদি
মাংলবা নঙগী থম-মাইখুমথি,
সুচেলশেপ তথুম্লনি নঙদি
খোং-পোং ফোংধবনু - হাং য়ুখলাম
লাইনা চংলবা নতৌদুনবু
লাংজাকটি নদোম খোঙচৎলক্লগা,
লাপথোকনা নঙগী খোঙথাং শিংশিবু
খুনা তম্লবরে তাইএংদা,
লৈপুঙ ঙাহেন্দ্রিদৈ থামদুনা
ইদা লোপ্পবা কোবৌহনবশে,
লোপ্লবদি নঙগী খোঙচত্তুনা
থাশি পুর্ণিমা নাইখিগদ্রশে,
থাঙ্গ থরালসু থামোন্নবনি
লৈসুংদা মোয়াংসু লোংখৎলনি।

২৫ /০৯ /০৩

ꯁꯪꯒꯣꯜ

ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯊꯔꯥꯌꯅꯥ ꯊꯨꯞꯆꯥꯅꯩ 'ꯀꯣꯟꯗꯥ
ꯉꯥ-ꯆꯥꯛꯀꯤ ꯁꯤꯡꯖꯨ ꯃꯤꯅꯥ ꯆꯤꯟꯗꯝꯃꯩ,
ꯁꯥꯒꯣꯜ ꯁꯅꯕꯤ ꯁꯩꯗꯥꯡꯉꯤ ꯁꯪꯒꯣꯟꯗꯥ
ꯃꯅꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯨꯝꯁꯥꯈꯩꯅꯥ ꯆꯥꯅꯩ,
ꯆꯤꯟꯖꯥꯛ ꯇꯤꯟꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯛꯆꯥꯡ ꯃꯇꯥꯎꯅꯤ
ꯑꯃꯩ ꯔꯥꯕꯗꯥ ꯄꯤꯕꯥꯡ ꯁꯤꯟꯊꯨꯖꯩ,
ꯁꯩꯗꯥꯡꯐꯝ ꯄꯨꯟꯗ꯭ꯔ ꯊꯔꯥꯌ ꯃꯔꯨꯞꯄꯤ
ꯀꯅꯥꯏ ꯍꯕꯥꯎ'ꯗꯁꯨ ꯃꯤꯅꯣꯛ ꯇꯃꯖꯩ,
ꯍꯤꯞꯂꯨꯗꯦ ꯍꯤꯗꯥꯟꯗꯥ ꯍꯨꯏ ꯍꯪꯀꯣꯛꯂꯥ
ꯇꯟꯅꯀꯏ ꯁꯔꯥꯛ ꯃꯀꯣꯜ ꯇꯥꯃꯍꯧꯁꯤꯡ,
ꯇꯨꯝꯈꯨꯟ ꯇꯥꯜꯂꯦ ꯕꯥꯒꯣꯁꯇꯥ ꯊꯔꯥꯌ'ꯅꯥ
ꯆꯥꯏꯊꯔꯩ ꯏꯊꯦꯡꯂꯛ ꯐꯤꯖꯣꯜ ꯍꯣꯡꯁꯤꯡ,
ꯁꯥꯅꯥ ꯉꯥꯅꯥ ꯃꯥꯁꯥ ꯊꯤꯟꯗꯣꯕꯀꯏ
ꯃꯤꯒꯤ ꯈꯨꯡꯅꯥ ꯈꯨꯃꯥꯡ ꯈꯨꯃꯥꯔꯀꯏ ॥

꯲꯸।꯱꯰।꯰꯵

শঙ্গোল

তাইবঙ থরাযনা থুপচানৈ 'কোন্দা
ঙা-চাক্কী শিংজু মীনা চীনদম্মৈ,
শাগোল শনবী শৈদাংঙি শঙ্গোন্দা
মনা মশিং যুমশাখৈনা চানৈ,
চীনজাক তিন্নদ্রে হকচাং মতাওনি
অমৈ রাবদা পিবাং শিন্থুজৈ,
শৈদাংফম পুন্দ্র থরায মরুপ্পি
কনাই হবাও'দসু মীনোক তমজৈ,
হিপলুদে হীদান্দা হুই হংকোক্লা
তন্নকই শরাক মকোল তামহৌশিং,
তুমখুন তাল্লে বাগোশতা থরায'না
চাইথরৈ ঈথেংলক ফিজোল হোংশিং,
শানা ঙানা মাশা থিন্দোবকই
মীগী খুংনা খুমাং খুমারকই।

২৮/১০/০৫

ꯃꯩꯁꯥꯡꯕ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯩꯇꯦꯟꯕ ꯇꯥꯎꯕ

ꯂꯣꯛꯅꯨꯡ ꯂꯧꯗ꯭ꯔꯥꯎꯕꯤꯅꯕꯨ ꯂꯩꯉꯕ꯭ꯔꯥ -
ꯃꯥꯏꯈꯨꯝꯈꯨꯝ ꯏꯀꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯅꯕ,
ꯃꯇꯝꯒꯤꯗꯤ ꯌꯥꯎꯅꯕꯨ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ -
ꯇꯨꯖꯣꯝꯕ ꯌꯣꯡꯗꯒꯤꯕꯨ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ,
ꯀꯩꯒꯤꯁꯨ ꯀꯩꯕꯨꯁꯨ ꯏꯀꯥꯏꯕꯤꯅꯣ -
ꯃꯥꯏꯈꯨꯝꯅꯤꯒꯨꯝ ꯈꯨꯝꯖꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯥ,
ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯀꯔꯝꯁꯨ ꯊꯥꯡꯂꯤꯅꯣ -
ꯁꯦꯠꯇꯪꯂꯒꯕꯨ ꯐꯥꯏꯕꯣꯛꯀꯤ ꯈꯣꯡꯁꯥ,
ꯂꯝꯖꯥꯎꯗꯥ ꯃꯃꯩ ꯊꯦꯛꯀꯠꯂꯤꯁꯤꯕꯨ -
ꯃꯃꯩꯇꯨꯝ ꯃꯤꯔꯅꯦ - ꯇꯥꯎꯕꯔꯅꯦ,
ꯁꯣꯕꯣꯛꯊꯛ ꯀ꯭ꯔꯥꯡꯗꯕꯨ ꯂꯣꯠꯂꯤꯁꯤꯕꯨ -
ꯃꯃꯩꯄꯪ ꯇꯥꯎꯕꯔꯅꯦ - ꯃꯤꯕꯅꯦ,
ꯇꯥꯎꯕꯩ - ꯃꯤꯕꯨ ꯃꯤꯅꯤ - ꯇꯥꯎꯕꯁꯨꯅꯤ -
ꯃꯤꯁꯨ ꯇꯥꯎꯕꯁꯨ ꯅꯤꯅꯤꯇꯩꯗꯨꯏꯅꯤ ॥

꯰꯱।꯰꯱।꯰꯶

মৈশাংবা মীগী মৈতেনবা তাওবা

লোকনুং লৌদ্রাওবীনবু লৈঙব্রা ...
মাইখুমখুম ইকাইদুনা মীওনবা,
মতমগীদি যাওনবু নত্ত্রা ...
তুজোম্বা যোংদগীবু মীওইবা,
কৈগীসু কৈবুসু ইকাইবিনো ...
মাইখুম্নীগুম খুমজিন্দুনা খুৎশা,
অমম্বদা করমসু থাংলিনো ...
শেত্তংলগবু ফাইবোক্কী খোঙশা,
লমজাওদা মমৈ থেক্কৎলিশিবু ...
মমৈতুম মীরনে - তাওবরনে,
শোবোকথক ক্রাংদবু লোৎলিশিবু ...
মমৈপং তাওবরনে - মীবনে,
তাওবৈ-মীবু মীনি - তাওবসুনি ...
মীসু তাওবসু নিনিতৈদুইনি ।

০১/০১/০৬

[illegible]

অমম্বদসু অমুবৈ মমি

'মম্বদা 'মুই মমিনি তম্মুব ...
শিথনা নোক কাপথোক্লি ঈখোংদা,
শৈতান শাজং নাশিংখোং তাইনব
ঈচেল মানা তুংখ্র কোংকুত্তুদা,
মথা হিগংল মবৈ তল্লকই
খোংদুনা চোল্ল খোনজেন্দু তম্মা ,
মমিং লাওথোক্ল খোঙকাপ লাংবকই
চবেং ! উযুক্লাক শক পোলাংনা
পাইখ্র থল্লাযদা তম্ম লাওরিনি ...
খোইরি থাউঙন ওন্দ্রিফাও তাইবঙগী,
তমলু নপুদা নঙগুম থুংলনি
লেংহৌরি শল্লব্রিক 'কোক পবেংগী,
থুম্' সমুদ্রগী নুংপাল ফাওউমসু
'মন্বৈ মমিনি 'গমনুং তম্মৈসু ।

১৪/০১/০৬

ꯒꯪꯒꯥꯏ ꯏꯆꯦꯜꯁꯨ ꯆꯦꯟꯊꯕꯤ

ꯏꯆꯦꯜ ꯏꯊꯥꯏ ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜ ꯏꯔꯣꯏꯅꯥ -
ꯄꯤꯔꯥꯡ ꯄꯤꯔꯣꯏꯅꯅꯥ ꯁꯪꯇ꯭ꯔꯤꯛ ꯌꯦꯡꯖꯦ,
ꯊꯣꯡꯂꯤ ꯕꯤꯙꯤ ꯍꯤꯃꯥꯂꯌ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡꯅꯥ
ꯚꯒꯤꯔꯊ ꯍꯥ-ꯀꯥꯅꯥ ꯀꯣꯏꯆꯦꯟ ꯆꯦꯟꯖꯦ,
ꯇ꯭ꯔꯤꯕꯦꯟꯅꯤ ꯁꯪꯒꯝ ꯏꯔꯣꯡ ꯐꯥꯡꯂꯕꯦ
ꯃꯤꯅꯣꯛꯀꯨꯏ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠ ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯅꯣꯛꯆꯩ,
ꯒꯪꯒꯥ ꯌꯥꯃꯨꯅꯥ ꯁꯔꯁꯇꯤ ꯐꯨꯕꯦ
ꯑꯍꯤꯡ ꯑꯃꯩꯗꯤ ꯃꯌꯥ ꯊꯨꯗꯦꯛꯆꯩ,
ꯈꯨꯗꯣꯜꯂꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯃꯔꯤ -
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯂꯤꯕꯦ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠ ꯊꯔꯥꯌꯒꯤ,
ꯀꯄꯥꯂꯤꯛ ꯃꯤꯅꯣꯛꯀꯨꯛ ꯀꯨꯝꯊꯩ ꯁꯤꯔꯤ
ꯁꯣꯛꯂꯨꯏ ꯈꯨꯡ ꯎꯄꯨꯡꯊꯛ ꯃꯤꯔꯦꯜꯗꯨꯒꯤ,
ꯃꯣꯃꯣꯟꯅ ꯊꯔꯥꯌ ꯄꯤꯛꯔꯂꯣꯛ ꯄꯥꯡꯊꯤ
ꯔꯥꯛꯆꯤꯡ ꯄꯨꯔꯅꯤꯃꯥ ꯃꯥꯏꯈꯨꯝ ꯍꯥꯡꯂꯛꯊꯤ ॥

꯱꯴।꯰꯱।꯰꯶

গঙ্গাই ঈচেলসু চেন্থবি

ঈচেল ঈথাই ঈরাওখোল ঈরোইনা ...
পিরাং পিরোইননা শংত্রিক য়েংজে,
থংলি বিধি হীমালয় চীংশাংনা
ভগীরথ হা-কানা কোইচেন চেনজে,
ত্রীবেন্নি শঙ্গম ঈরোং ফাংলবে
মীনোক্কুই ইরাবোৎ মোমোন নোকচৈ,
গঙ্গা যামুনা শরশতি ফুবে
অহিং অমৈদি ময়া থুদেকচৈ,
খুদোল্লি থম্মোয়গী মচা মরি ...
লাউ খোংলিবে ইরাবোৎ থরায়গী,
কপালীক মীনোক্কুক কুমথৈ শিরি
শোকলুই খুং উপুংথক মীরেলদুগী,
মোমোন্ন থরায় পীক্রলোক পাংথি
রাকচীং পুর্ণিমা মাইখুম হাংলকথি ।

১৪ /০১ /০৬

ꯍ ꯆꯥꯕ ꯘꯤ

ꯅꯣꯡꯖꯨꯢ ꯏꯆꯥꯎꯗꯥ ꯅꯥꯇꯣꯟ ꯂꯤꯈꯠꯅꯥ
ꯀꯤꯔꯨꯞ ꯀꯤꯔꯨꯞꯄꯥ ꯂꯩꯁꯥꯠꯄꯨ ꯇꯝꯂꯤ,
ꯂꯩꯅꯥꯡꯒꯤ ꯂꯩꯇꯣꯡꯗꯥ ꯈꯨꯅꯤꯡ ꯀꯥꯡꯅꯥ
ꯀꯣꯕꯧ ꯃꯉꯥꯜꯗ ꯈꯣꯢꯅꯤꯡ ꯁꯩꯗꯝꯂꯤ,
ꯅꯣꯡꯌꯥꯢ ꯏꯇꯨꯗꯥ ꯀꯥꯡꯂꯥꯢ ꯇꯝꯅꯕꯩ
ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯤ ꯀꯥꯡꯍꯤꯗꯥꯛ ꯀꯥꯡ ꯀꯣꯀꯨꯕꯥ,
ꯇꯤꯜ ꯀꯥꯡꯁꯤꯡꯁꯨ ꯖꯒꯣꯢꯕꯨ ꯇꯝꯅꯔꯩ
ꯀꯣꯢꯆꯦꯟ ꯀꯣꯢꯆꯦꯟꯕꯅꯤ ꯀꯥꯡ ꯀꯣꯀꯨꯕꯥ,
ꯊꯥꯡꯂꯦꯟ ꯊꯥꯡꯒꯤ ꯊꯥꯡꯊꯛ ꯊꯥꯡꯒꯠꯂꯒꯥ
ꯃꯇꯨꯞ ꯃꯇꯨꯞ ꯀꯀꯊꯔ ꯄꯣꯂꯥꯡꯗꯥ,
ꯆꯤꯆꯧ ꯆꯥꯆꯧ ꯘꯤꯗꯕꯨ ꯇꯥꯎꯔꯒꯥ
ꯆꯈꯣꯝ ꯆꯈꯣꯝ ꯅꯃꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯊꯥꯗꯥ,
ꯄꯠꯊ ꯄꯨꯃꯊ ꯁꯤꯡꯂꯩ ꯁꯗꯨꯝꯁꯤꯡꯅꯤ
ꯊꯔꯥꯌ ꯊꯥꯟꯕꯥ ꯊꯧꯔꯤ ꯊꯨꯔꯤꯅꯤ ॥

꯱꯵।꯰꯱।꯰꯶

হ চাবা ঘী

নোংজুই ঈচাওদা নাতোন লিখৎনা
কিরুপ কিরুপ্পা লৈশাৎপু তম্লি,
লৈনাংগী লৈতোংদা খুনিং কাংনা
কোবৌ মঙালদ খোইনিং শৈদম্লি,
নোংযাই ইতুদা কাংলাই তম্নবৈ
কাপশিল্লি কাংহিদাক কাং কোকুবা,
তীল কাংশিংসু জগোইবু তম্নরৈ
কোইচেন কোইচেনবনি কাঙ কোকুবা,
থাঙলেন থাঙগী থাঙথক থাঙ্গৎলগা
মতুপ মতুপ ককথর পোলাংদা,
চীচৌ চাচৌ ঘীদবু তাওরগা
চখোম চখোম নমশিল্লিবা থাদা,
পৎথ পুমথ শিংলৈ শদুমশিংনি
থরায থানবা থৌরি থুরিনি।

১৫/০১/০৬

ꯊꯝꯕꯥꯜ

ꯑꯃꯔꯤꯇꯔ - ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯈꯣꯝꯂꯥꯡꯅꯤ
ꯄꯥꯞ ꯂꯩꯁꯤꯟꯂꯤ ꯑꯩꯈꯦꯡꯅꯍꯟꯗꯨꯅꯥ,
ꯂꯃꯟꯗꯨ ꯁꯤꯡꯕꯇꯅꯥ ꯄꯨꯏꯅꯅꯤ
ꯀꯔꯃꯅꯤ ꯀꯥꯡꯍꯅꯕꯥ ꯐꯜꯂꯔꯦꯅꯥ,
ꯀꯪꯂꯕꯗꯥ ꯍꯥꯟꯅꯨꯅꯥ ꯀꯦꯟꯖꯈꯤ
ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯅꯡꯕꯨꯅꯦ ꯐꯤꯡꯒꯠꯈꯤꯒꯅꯨ,
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯗꯥꯛꯐꯝꯗꯨꯁꯨ ꯀꯣꯛꯆꯈꯤ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯡꯕꯨꯁꯨ ꯇꯦꯡꯊꯥꯔꯛꯈꯤꯅꯨ;
ꯑꯩꯀꯣꯏ ꯀꯣꯏꯁꯤꯟꯂꯤꯕꯅꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯤ
ꯅꯤꯡꯁꯨꯅꯤ ꯃꯥꯡꯁꯨꯅꯤ ꯄꯥꯈꯪꯕꯒꯤ,
ꯑꯔꯣꯏꯕꯥ ꯄꯪꯈꯨꯡꯅꯤ ꯑꯍꯧꯕꯩꯗꯤ
ꯄꯪꯈꯨꯡꯗꯨ ꯁꯩꯍꯧꯅꯤ ꯁꯩꯗꯥ'ꯃꯒꯤ,
ꯑꯩꯁꯤꯡꯇꯅꯥ ꯆꯥꯃꯊꯣꯛꯂꯤ ꯎꯐꯨꯜꯁꯤꯡ
ꯂꯩꯊꯣꯝꯗꯩ ꯊꯤꯟꯒꯠꯂꯛꯂꯤ ꯊꯝꯕꯥꯜꯁꯤꯡ ॥

꯱꯵।꯰꯱।꯰꯶

থম্বাল

অমৃত্র - মীওইবগী খোম্লাংনি
পাপ লংশিল্লি ঈখেংনহন্দুনা,
লমন্দু শিংবতনা পুইননি
কর্মনি কাংহনবা ফল্লরৈনা,
কংলবদা হান্নুনা কেনজখি
পুক্লিং নঙবুনে ফিংগৎখিগনু,
অমুবা দাকফমদুসু কোকচখি
থম্মোয় নঙবুসু তেংথারকখিনু;
ঈকোই কোইশিল্লিবনি লম্বীদি
নিংসুনি মাংসুনি পাখংবগী,
অরোইবা পঙ্খুং নি অহৌবৈদি
পঙ্খুংদু শৈহৌনি শৈদা'মগী,
ঈশিংতনা চামথোক্লি উফুলশিং
লৈথোমদৈ থিনগৎলক্লি থম্বালশিং।

১৫/০১/০৬

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

তেলহৈবদা

নুমিৎ কাপ্পা তেলহৈবও নঙনা
থবান কোতি কোতি তনিকহল্লি,
থাজে মাইথোং কাহল্লি মাইহিঙনা
লীক্লম থৈনা খোঙচৎপু কাইহল্লি,
থাশি অহিংদা থাজবু হনু
থাঙবা ঙমদ্রে থা থাবানমিচাকসু,
তানদোপ জগোইনা শুমল হৱনু;
মীৎয়েং পৈরকলে কোরৌ হনবসু;
থুপ্তে মীৎনহা মৈখুই পৈরেবা
অহোইনা মীনোক তম আশাদুদা,
মৈরী শৈজাথক নিংঙাইদা তুম্বা
থম্মোয় পেনজে তাঙ্গোইদুই তাক্লিদা,
সনাই লৈহাও তেনজৈদুনা কেলহল
থৱায় লৈরেনদি ককওপ্পা কেমহল।

১৫/০১/০৬

ꯏꯁꯪ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤ

ꯐꯤꯔꯨꯛ ꯈꯨꯝꯅꯨ ꯐꯃꯦꯟꯊꯛ 'ꯕꯦꯟꯙꯧꯑꯣ
ꯁꯤꯡꯅꯥꯡꯊꯛ ꯍꯩꯕꯤ ꯃꯤꯠꯁꯅꯥ ꯎꯏꯅꯨ,
ꯅꯣꯛꯎ ꯁꯤꯊꯅꯥ ꯀꯪꯂ ꯊꯝꯃꯣꯌꯑꯣ
ꯄꯥꯡꯉꯨ ꯅꯃꯧꯁꯤꯡ ꯂꯤꯜꯂꯥꯅꯤ ꯊꯨꯞꯅꯨ,
ꯀꯔꯤ ꯀꯥꯏ ꯀꯨꯟꯇꯤꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯕꯨ,
ꯈꯨꯗꯣꯜꯕꯤ ꯀꯛꯄꯥ ꯃꯃꯥꯏ ꯁꯤꯜꯂꯥꯅꯤ,
ꯇꯦꯟꯖꯩꯅꯍꯟ ꯆꯤꯡꯀꯣꯟ ꯅꯥꯑꯣꯀꯣꯜꯂꯤꯕꯨ
ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯍꯨꯏꯗ꯭ꯔꯨꯏ ꯇꯂꯕꯨ ꯆꯥꯒꯅꯤ;
ꯌꯦꯃꯧꯅꯥ ꯁꯪꯕ꯭ꯔꯩ ꯃꯅꯥꯏ ꯆꯤꯡꯊꯤꯗꯥ
ꯃꯥꯂꯪꯅꯥ ꯐꯥ ꯁꯃꯂꯥꯡꯂꯛ ꯍꯤꯛꯄꯤꯅꯥ,
ꯆꯣꯡꯈꯨ ꯇꯝꯃꯅꯨ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯏꯇꯨꯗꯥ
ꯆꯥꯎꯃꯕꯤꯅꯨ ꯁꯥ ꯀꯣꯝꯄ꯭ꯔꯦꯛ ꯁꯤꯡꯖꯨꯅꯥ,
ꯀꯣꯀꯤꯂꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯡꯅꯥ ꯅꯤꯟꯗ꯭ꯔꯥ ꯌꯦꯡꯁꯤ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯂꯦ ꯊꯩ ꯉꯝꯕꯥ ꯂꯩꯀꯪꯂꯥꯁꯤ ॥

꯲꯲।꯰꯱।꯰꯶

ঈশং কারবা নুংগী মুর্তি

ফিরুক খুমনু ফমেনথক 'বেনধৌও ...
শিংনাংথক হৈবী মীৎশনা উইনু,
নোকউ শিথনা কংল থম্মোয়ও
পাংঙু নমৌশিং লিল্লানি থুপনু,
করি কাই কুন্তিগী কুম্মৈশিবু,
খুদোল্বী ককপা মমাই শিল্লানি,
তেনজৈনহন চিঙ্কোন নাওকোল্লিবু
কনানা হুইদ্রুই তলবু চাগনি;
য়েমৌনা শংব্রৈ মনাই চীংথীদা
মালংনা ফা শমলাংলক হিকপীনা,
চোংখু তম্মনু নোংয়াই ইতুদা
চাউমবীনু শা কোমপ্রেক শিংজুনা,
কোকিলগী খোল্লাংনা নিন্দ্রা য়েংসি
লৈবাক্লে থৈ ঙম্বা লৈকংলাসি ।

২২/০১/০৬

ꯂꯝꯕꯤ

ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯤ 'ꯅꯤꯇꯅꯤ - 'ꯃꯝꯕ 'ꯉꯥꯟꯕ
'ꯃꯅꯥ 'ꯃꯩ 'ꯍꯧꯕꯅꯤ ꯂꯣꯏꯕꯁꯨꯅꯤ,
ꯆꯣꯡ-ꯆꯣꯡ ꯆꯠꯀꯅꯤ ꯈꯨꯗꯤ ꯊꯤꯔꯕ
ꯆꯦꯟꯊꯕꯤ ꯏꯈꯦꯡ ꯈꯣꯉꯨꯜ ꯇꯥꯛꯂꯤꯅꯤ,
ꯁꯩꯍꯧꯃꯥ ꯍꯧꯅꯤ ꯄꯪꯒꯨꯡ ꯂꯥꯜꯂꯒꯥ
ꯆꯩꯈꯩꯅꯥ ꯍꯥꯏꯗꯣꯛꯂꯤ ꯄꯟꯗꯨꯞ ꯆꯦꯟꯅꯥ,
ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯡ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯒꯥ
ꯆꯩꯈꯩ ꯇꯥꯜꯂꯤ ꯇꯄꯁꯤꯟ ꯌꯥꯟꯁꯤꯟꯅꯅꯥ,
ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯊꯥꯔꯕ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯉꯁꯤꯒꯤ
ꯃꯤꯠꯀꯨꯞ ꯑꯃꯒꯤ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯄꯣꯠꯊꯥꯕꯩ,
ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯊꯦꯝꯕꯅꯤ ꯆꯣꯛꯊ ꯊꯔꯥꯌꯒꯤ
ꯐꯧꯁꯨ ꯈꯣꯟꯗꯥ ꯆꯔꯥ ꯆꯤꯟꯗꯃꯂꯨꯕꯩ,
ꯍꯟꯆꯛ ꯉꯥꯆꯛꯂꯅꯤ ꯐꯗꯤ ꯐꯔꯥ
ꯀ꯭ꯂꯛ ꯅꯥꯍꯣꯡꯅꯥ ꯌꯦꯠꯇꯔꯥ ꯑꯣꯏꯗꯔꯥ ॥

꯲꯵।꯰꯱।꯰꯶

লম্বী

মাইকৈদি 'নীতনি 'মম্বা 'ঙানবা
'মনা 'মৈ 'হৌবনি লোইবসুনি,
চোং-চোং চৎকনি খুদি থিরবা
চেন্থবি ঈখেং খোঙ্গুল তাক্লিনি,
শৈহৌমা হৌনি পঙ্গুং লাল্লগা
চৈখৈনা হাইদোক্লি পন্দুপ চেন্না,
হীংলি ময়েকশিং জগোই শারগা
চৈখৈ তাল্লি তপশিন যানশিন্ননা;
লিশাং থারবা খোঙচৎ ঙসিগী
মীৎকুপ অমগী ঙাইহাক পোৎথাবৈ,
নিংঙাই থেম্বনি চোকথ থরায়গী
ফৌসু খোন্দা চরা চীন্দমলুবৈ,
হনচক ঙাচক্লনি ফদি ফরা
ক্লক নাহোংনা য়েত্তরা ওইদরা।

২৫/০১/০৬

ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯊꯣꯔꯛꯂꯦ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯌꯨꯒ

ꯏꯟꯗ꯭ꯔꯤ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯅꯃꯇꯥ ꯃꯤꯇꯥꯕꯥ
ꯆꯠꯊꯤꯕꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ ꯎꯃꯪ ꯇꯝꯅꯥ,
ꯀꯥꯔꯤ ꯆꯤꯟꯕꯥꯟ ꯃꯦꯅꯁꯤꯟꯒꯦ ꯊꯜꯂꯕꯥ
ꯂꯣꯠꯊꯤꯅꯤ ꯁꯥꯕ꯭ꯔꯧ ꯃꯇ꯭ꯇꯨ ꯆꯣꯝꯗꯨꯅꯥ,
ꯄꯖꯦꯡ ꯐꯤꯕꯥꯜꯒꯨꯝ ꯊꯦꯛꯀꯠ ꯃꯃꯩꯁꯨ
ꯀ꯭ꯔꯥꯡ ꯂꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯁꯨ ꯇꯊꯨꯄꯂꯨꯢ ꯇꯣꯔꯩ,
ꯏꯔꯨꯕꯥ ꯀꯨꯃꯊꯩ ꯂꯣꯛꯆꯞ ꯅꯨꯡꯖꯥꯑꯣꯁꯨ
ꯂꯦꯞꯄꯥꯏꯗꯕꯤ ꯏꯆꯦꯜ ꯏꯄꯣꯝ ꯍꯧꯔꯩ;
ꯀꯣꯡ! ꯀꯥꯡ! ꯀꯣꯅꯨꯡꯒꯤ ꯖꯒꯅꯥꯊꯒꯨꯝ
ꯃꯔꯤꯜ ꯇꯦꯡꯅꯥ ꯃꯀꯅꯊꯤ ꯊꯨꯗ꯭ꯗꯦꯛꯆꯩ,
ꯊꯪꯂꯥꯏ ꯊꯪꯖꯤꯟꯗꯥ ꯊꯪꯄ꯭ꯔꯦꯛ ꯊꯪꯕꯒꯨꯝ
ꯃꯁꯤꯡꯒꯥ ꯐꯣꯢꯗꯠ ꯈꯣꯡꯄꯥꯛꯔꯥ ꯅꯦꯠꯆꯩ,
ꯁꯔꯤ ꯁꯣꯜꯂ ꯎꯞꯔꯥꯛꯔꯥ ꯁꯤꯠꯂꯀꯏ
ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯅꯨꯡ ꯁꯨꯀꯨꯡꯗꯩ ꯂꯦꯡꯊꯣꯔꯛꯀꯏ ॥

꯲꯰।꯰꯲।꯰꯶

মীৎকপ থোরকলে নুঙগী যুগ

ইন্দ্রি লৈরাং লৈনমতা মীতাবা
চৎথিবা তাবনি উমং তম্না,
কারি চীনবান মেনশিনগে থল্লবা
লোৎথিনি শাব্রৌ মত্তু চোমদুনা,
পজেং ফিবালগুম থেক্কৎ মমৈসু
ক্রাং লোনশিন্নসু তথুপলুই তোরৈ,
ঈরুবা কুমথৈ লোকচপ নুঙজাওসু
লেপ্পাইদবী ঈচেল ঈপোম হৌরৈ;
কোঙ! কাঙ! কোনুংগী জগনাথগুম
মরিল তেংনা মকনথি থুদ্দেকচৈ,
থংলাই থংজিন্দা থংপ্রেক থংবগুম
মশিঙ্গা ফোইদৎ খোঙপাক্রা নেৎচৈ,
শরি শোল্ল উপ্রাক্রা শিৎলকই
মুর্তি নুঙ শুকুংদৈ লেংথোরকই।

২০/০২/০৬

ꯁꯨꯅꯨꯒꯣꯛ

ꯂꯝꯂꯣꯡ ꯑꯍꯨꯝ ꯃꯥꯏꯌꯣꯛꯂꯥ ꯄꯣꯠꯐꯝꯔꯤ
ꯉꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤ ꯗꯃꯛꯇꯤ ꯐꯤꯗꯥ ꯐꯪꯗꯦ,
ꯀ꯭ꯔꯣꯡ-ꯀ꯭ꯔꯣꯡ! ꯄꯥꯅꯥ ꯉꯥꯅꯊꯛꯂꯤ ꯊꯨꯞꯐꯝꯔꯤ
ꯕꯣꯔꯥ ꯎꯆꯤ ꯈꯤꯠꯆꯤꯅꯥ ꯃꯤꯇꯥꯗꯦ,
ꯎꯐꯨꯜ-ꯔꯥꯏꯐꯨꯜꯇꯅꯥ ꯐꯤꯔꯨꯛ ꯊꯨꯝꯔꯤ
ꯂꯥꯏꯕꯦꯜꯒꯤꯗꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯉꯥꯅꯣꯏ ꯀꯥꯏ,
ꯎꯖꯥꯎ ꯊꯇ꯭ꯇꯕꯅꯥ ꯁꯥꯏꯖꯤꯟ ꯆꯤꯡꯂꯤ
ꯂꯥꯏꯕꯦꯟ ꯂꯐꯨꯔꯤꯉꯥ ꯁꯥꯔꯣꯏꯒꯨꯝ ꯀꯥꯏ;
ꯌꯣꯝꯔꯤ ꯃꯇꯞ ꯀꯜꯂꯀꯆꯥ ꯅꯃꯁꯤꯟꯊꯤ
ꯍꯌꯤꯡꯅꯥ ꯈꯣꯏꯒꯨꯝ ꯃꯁꯥ ꯊꯒ꯭ꯂꯗꯥ
ꯊꯥꯔꯥ ꯁꯨꯅꯨ ꯃꯌꯥꯛꯂꯥ ꯁꯥꯏꯗꯠꯊꯤ
ꯀꯊꯥ ꯀꯥꯅꯤ ꯇꯩꯁꯤꯜꯂꯤ ꯈꯣꯡꯕꯥꯗꯥ,
ꯐꯨꯠ-ꯐꯥ ꯐꯠ-ꯐꯥ ꯐꯗꯤ ꯐꯔꯥꯅꯗꯤ
ꯁꯤꯟ ꯊꯨꯡꯈ꯭ꯔꯦ ꯂꯦꯞꯔꯣꯁꯤꯒꯤ 'ꯉꯧꯕꯗꯤ ꯫

꯲꯰।꯰꯲।꯰꯶

শুনুগোক

লম্লোং অহুম মাইয়োক্লা পোৎফম্রি
ঙা চাক্লী দমক্তি ফীদা ফংদে,
ক্রোং-ক্রোং! পানা ঙানথক্লী থুপফম্রি
বোরা উচী খীৎচিনা মিতাদে,
উফুল-রাইফুলতনা ফিরুক থুম্রি
লাইবেলগীদি মতুংদা ঙানোই কাই,
উজাউ থত্তবনা শাইজিন চিংলি
লাইবেন লফুরিঙা শারোইগুম কাই;
য়োম্রি মতপ কল্লকচা নমশিনথি
হয়িংনা খোইগুম মশা থগ্লদা
থারা শুনু ময়াক্লা শাইদৎথি
কথা কানি তৈশিল্লি খোঙবাদা,
ফুৎ-ফা ফৎ-ফা ফদি ফরানদি
শিন থুংখ্রে লেপ্রোশিগী 'ঙৌবদি।

২০/০২/০৬

ꯎꯅꯒꯤ ꯇꯨꯔꯦꯜ

ꯔꯥꯡꯂ ꯍꯤꯃꯥꯂꯌ ꯇꯨꯜꯂ ꯆꯤꯡꯗꯣꯟꯗꯦ
ꯂꯡꯇ꯭ꯔꯤꯛꯀꯪ ꯀꯨꯜꯂꯛꯀꯤ ꯆꯤꯡ ꯀꯥꯕꯣꯏꯁꯨ,
ꯁꯥꯔꯥ ꯂꯥꯡꯕꯅꯒꯤ ꯌꯥꯛꯂ ꯃꯩꯁꯥꯗꯦ
ꯈꯣꯡꯒꯪꯕ ꯀꯣꯛꯂꯦ ꯊꯔꯥꯏ ꯊꯤꯕꯤꯀꯁꯨ,
ꯃꯇꯝ' ꯀꯜꯂ ꯏꯆꯦꯜꯂꯥ ꯆꯦꯛꯂꯕꯦ
ꯏꯆꯥꯎꯗꯨ ꯊꯣꯕꯛꯀꯩ ꯅꯣꯡꯖꯨ ꯄꯥꯜꯂꯥꯏ,
ꯀꯤꯛꯂꯦ ꯂꯧꯅꯝꯕꯥꯜ ꯏꯔꯩ ꯍꯥꯝꯖꯤꯟꯕꯦ
ꯍꯅꯨ ꯍꯅꯨꯕꯤ ꯌꯣꯡꯒꯤꯅꯤ ꯄꯥꯟꯊꯥꯏ,
ꯂꯤꯔꯤ ꯂꯤꯔꯤ ꯆꯦꯜꯂꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯨꯒꯨꯝ
ꯚꯦꯅꯤꯟꯖꯨꯜꯂꯥꯏ ꯏꯆꯦꯜ ꯌꯥꯡ ꯀꯪꯂꯛꯀꯏ,
ꯔꯥ ꯔꯥ ꯆꯥꯏꯊꯔꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯕꯤꯒꯨꯝ
ꯒ꯭ꯔꯤꯅꯂꯦꯟ ꯒ꯭ꯂꯦꯁꯤꯌꯥꯔ ꯌꯥꯡ ꯍꯦꯟꯒꯠꯂꯛꯀꯏ,
ꯎꯅꯒꯤ ꯇꯨꯔꯦꯟꯗꯤ ꯃꯣꯡꯁꯨ ꯍꯥꯗꯦ
ꯏꯊꯛ ꯀꯥꯗꯨꯅꯁꯨ ꯏꯄꯣꯝ ꯍꯧꯗꯦ ॥

꯲꯱।꯰꯲।꯰꯶

উনগী তুরেন

রাংল হিমালয় তুল্ল চীংদোন্দে
লংত্রিকং কুল্লকি চীং কাবোইসু,
শারা লাংবনগী যাক্ল মৈশাদে
খোঁগঙবা কোক্লে থরায় থিবীকসু,
মতম ' কল্ল ঈচেল্লা চেক্লবে
ঈচাওদু থোবকঙৈ নোংজু পাল্লাই,
কীক্লে লৌনম্বাল ঈরৈ হামজিনবে
হনু হনুবী যোংগীনি পানথাই;
লিরি লিরি চেল্লি খোঙচত্তুগুম
ভেনিনজুল্লাই ঈচেল যাং কংলকই,
রা রা চাইথরি ঈশিং চাইবীগুম
গ্রীনলেন গ্লেশিয়ার য়াং হেনগৎলকই,
উনতগী তুরেন্দি মোংসু হাদে
ঈথক কাদুনসু ঈপোম্ম হৌদে ।

২১ /০২ /০৬

ꯁꯅꯥ ꯀꯣꯅꯨꯡꯒꯤ ꯔꯥꯙꯤꯀꯥ

ꯁꯤꯡꯖꯨ ꯁꯨꯔꯤꯕꯤ ꯁꯅꯥꯏ ꯁꯥꯏꯕꯦꯝꯃꯥ
ꯅꯡꯒꯤ ꯍꯩꯕꯤ ꯃꯅꯥꯒꯤ ꯁꯤꯡꯖꯨꯅꯥ,
ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯄꯨꯡꯖꯥꯎ ꯊꯤꯟꯅꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏꯕꯦꯝꯃꯥ
ꯄꯣꯠꯐꯝ ꯊꯣꯡꯖꯥꯎ ꯊꯤꯟꯗꯅꯥ ꯊꯤꯡꯖꯣꯅꯥ,
ꯈꯨꯟꯅꯨꯛ ꯈꯨꯟꯈꯥ ꯔꯥꯊꯣꯛ ꯅꯨꯡꯊꯣꯛꯂꯤꯡꯉꯩ
ꯂꯝꯒꯤ ꯁꯥ ꯀꯣꯝꯄ꯭ꯔꯦꯛꯄꯨ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯦꯕꯥ,
ꯊꯗ꯭ꯕꯤ ꯊꯣꯏꯗꯤꯡꯅꯥ ꯂꯩꯊꯦꯡ ꯍꯥꯞꯂꯤꯡꯉꯩ
ꯍꯉ꯭ꯒꯥꯝꯄꯥꯜ ꯃꯇꯦꯛ ꯀꯣꯛꯁꯦꯡ ꯁꯦꯝꯒꯦꯕꯥ;
ꯁꯥꯗ ꯂꯥꯟꯗ ꯊꯧꯕꯥꯎ ꯑꯊꯧꯕꯥ
ꯎꯠꯅꯄ ꯇꯥꯒꯨꯝ ꯄꯡꯊꯔ ꯌꯥꯇꯥꯈ꯭ꯔꯦ,
ꯁꯤꯗ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯃꯍ ꯆꯝꯍꯜꯂꯣꯕꯥ
ꯁꯖꯤꯕꯨꯏ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯐꯥꯛꯇꯥꯏꯒꯨꯝ ꯇꯦꯈ꯭ꯔꯦ,
ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯁꯟꯅꯥꯊꯣꯡ ꯅꯣꯡꯖꯥꯕꯤ ꯄꯩ'ꯁꯨ,
ꯁꯔꯤ ꯂꯤꯡꯈ꯭ꯔꯦ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟꯒꯤ ꯃꯊꯦꯛꯁꯨ ॥

꯲꯲।꯰꯲।꯰꯶

সনা কোনুংগী রাধিকা

শিংজু শুরিবী শনাই শাইবেম্মা
নঙগী হৈবী মনাগী শিংজুনা,
লৈবাক পুংজাও থিন্না মীপাইবেম্মা
পোৎফম থোঙজাও থিন্দনা থিঙজোনা,
খুন্নুক খুনখা রাথোক নুংথোক্লিংঙৈ
লমগী শা কোমপ্রেকপু লৌথোক্লেবা,
থর্দ্বী থোইদিংনা লৈথেং হাপ্লিংঙৈ
হঙ্গামপাল মতেক কোকশেং শেমগেবা;
শাদ লান্দ থৌবাও অথৌবা
উত্নপ তাগুম পংথর যাতাখ্রে,
শিদ হিদাক মহ চমহল্লোবা
শজিবুই নোংলৈ ফাক্তাইগুম তেখ্রে,
নোংচুপ সন্নাথোঙ নোংজাবী পৈ'সু,
শরি লিংখ্রে লাইরেনগী মথেকসু।

২২ /০২ /০৬

ꯂꯁꯤꯡ ꯃꯐꯣꯜ

ꯀꯂꯤ ꯀꯨꯝꯂꯤꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯊꯔꯥꯏꯒꯤ
ꯏꯕꯦꯟ ꯅꯪꯒꯤ ꯁꯨꯝꯂꯥꯡ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯟꯕꯤ,
ꯌꯨꯝꯂꯩꯃꯥ ꯑꯍꯟꯅꯤ ꯇꯥ ꯈꯣꯏꯁꯥꯒꯤ
ꯏꯈꯦꯡ ꯊꯛ ꯂꯩꯁꯥꯡꯕꯤꯅꯤ ꯚꯩꯔꯤꯕꯤ,
ꯍꯦꯜꯂꯣꯏ ꯍꯦꯝꯕꯤ ꯇꯕꯦꯠ ꯇꯣꯟꯕꯤꯅꯤꯅꯦ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯍꯛꯏ ꯈꯨꯠꯌꯥꯝꯕꯤ ꯗꯨꯔꯒꯥꯒꯨꯝ,
ꯊꯝꯕꯥ ꯅꯣꯡꯕꯥꯟꯒꯤ ꯊꯣꯏꯕꯤ ꯇꯜꯂꯥꯅꯦ
ꯊꯛ ꯊꯦꯜ ꯇꯝꯅꯕꯥꯏꯒꯤ ꯇꯝꯅꯔꯩꯒꯨꯝ,
ꯊꯔꯥꯏ ꯁꯩꯖꯥꯅꯤ ꯆꯤꯡꯖꯨꯝ ꯂꯥꯏꯖꯎ
ꯅꯣꯡꯖꯨꯏ ꯏꯆꯦꯜ ꯈꯣꯡꯒꯪ ꯊꯔꯥꯏꯒꯤꯅꯤ,
ꯂꯤꯛꯂꯥꯏ ꯄꯕꯦꯡ-ꯀꯨꯟ ꯊꯝꯂꯥꯏ ꯂꯥꯏꯖꯎ
ꯃꯩꯔꯤ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡꯊꯛ ꯈꯥꯡꯖꯥꯎ ꯏꯆꯥꯎꯅꯤ,
ꯎꯅꯒꯨꯝ ꯇꯧꯕꯩ ꯂꯩꯅꯥꯅꯤ ꯅꯇꯧꯁꯨ
ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯁꯥꯟꯕꯦ ꯂꯩꯆꯤꯟꯅꯤ ꯁꯛꯑꯣꯡꯁꯨ ॥

꯲꯳।꯰꯲।꯰꯶

লশিং মফোল

কলি কুম্লিনি তাইবঙ থরাযগী
ইবেন নঙগী শুম্লাং কুম্মৈশিনবী,
যুম্লৈমা অহন্নি তা খোঁইশাগী
ঈখেং থক লৈশাংবীনি ভৈরিবী,
হেল্লোই হেম্বী তবেৎ তোনবীনিনে
থম্মোয হকই খুৎযাম্বী দুর্গাগুম,
থম্বা নোংবানগী থোইবী তল্লানে
থক থেল তম্নবাইগী তম্নরৈগুম;
থরায় শৈজানি চীংজুম লাইজও
নোংজুই ঈচেল খোঁগং থরাযগীনি,
লীক্লাই পবেং-কুন থম্লাই লাইজও
মৈরী কোকথোংথক খাংজাও ঈচাওনি,
উনগুম তৌবৈ লৈনানি নত্তৌসু
মীৎযেং শান্বে লৈচীন্নি শকওংসু।

২৩/০২/০৬

ꯍꯪꯗꯥ ꯍꯪꯗꯥ.

ꯄꯨꯄꯨ ꯄꯨꯄꯨꯎ - ꯕꯣꯕꯣꯛ ꯕꯣꯕꯣꯛꯎ -
ꯊꯥꯛꯀꯜ ꯇꯔꯦꯠꯀꯤ ꯀꯨꯟꯖꯥ ꯀꯥꯎꯒꯅꯤ,
ꯃꯃꯥ ꯃꯃꯥꯎ - ꯕꯥꯕꯥ ꯕꯥꯕꯥꯎ -
ꯉꯥꯃꯨ-ꯇꯣꯡꯒꯪ ꯂꯨꯛꯎ ꯃꯉꯥ ꯆꯥꯅꯤ,
ꯕꯤꯁ꯭ꯇꯨ। ꯕꯤꯁ꯭ꯇꯨ। ꯄꯜꯍꯩꯗꯦ ꯄꯜꯍꯩꯗꯦ
ꯍꯃꯥꯡ ꯀꯥꯡꯒꯅꯤ ꯇꯔꯦꯠ ꯁꯦꯠꯀꯅꯨ,
ꯍꯪ-ꯍꯪ। ꯍꯪ-ꯍꯪ। ꯍꯥꯏꯍꯩꯗꯦ ꯍꯥꯏꯍꯩꯗꯦ
ꯅꯃꯨ ꯆꯣꯝꯒꯅꯤ ꯃꯉꯥ ꯆꯥꯒꯅꯨ,
ꯇꯔꯦꯠꯅꯤ ꯊꯕꯥꯏ ꯃꯤ ꯂꯣꯏꯅꯕꯒꯤ
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯑꯃꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯩꯁꯨ,
ꯊꯨꯡꯁꯥ ꯃꯉꯥꯅꯤ ꯊꯨꯡ ꯑꯃꯗꯒꯤ
ꯄꯟꯊꯨꯡ ꯑꯃꯅꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯑꯃꯩꯁꯨ,
ꯂꯥꯏ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯕꯤ ꯇꯥꯟꯁꯤ
ꯁꯖꯤꯛ ꯊꯕꯥ ꯏꯇꯥꯎ ꯁꯥꯟꯅꯔꯨꯁꯤ ॥

꯲꯳।꯰꯲।꯰꯶

হংডা হংডা ...

পুপু পুপুও - বোবোক বোবোকও --
থাককল তরেৎকী কুনজা কাওগনি,
মমা মমাও - বাবা বাবাও ...
ঙামু-তোঙগং লুকও মঙা চানি,
বীস্টু! বীস্টু! পলহৈদে পলহৈদে
হমাং কাংগনি তরেৎ শেৎকনু,
হং-হং! হং-হং! হাইহৈদে হাইহৈদে
নমু চোমগনি মঙা চাগনু;
তরেৎনি থবায় মি লোইনবগী
খোঙচৎ অমনি পুন্সি অমৈসু,
থুংশা মঙানি থুং অমত্তগী
পন্থুং অমনি খোঙচৎ অমৈসু,
লাই লৈবাক্তা খোংজোমনুবী তানশি
শজিক থবা ইত্তাও শান্নরুশি।

২৩/০২/০৬

ꯍꯅꯨꯕꯩ ꯂꯩꯀꯣꯜ

ꯂꯩꯈꯣꯛ ꯂꯩꯇꯕꯥ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯀꯣꯟꯅꯤ
ꯁꯤꯉꯦꯜ ꯂꯩꯔꯥꯡꯁꯨ ꯂꯩꯁꯥꯡ ꯇꯟꯅꯤꯕꯥ,
ꯏꯀꯣꯏ ꯀꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯤ ꯍꯅꯨꯏ ꯁꯟꯅꯔꯤ
ꯊꯨꯗꯦ ꯈꯣꯏꯃꯨ ꯈꯨꯡꯖꯦꯡꯕꯥ ꯈꯣꯏꯔꯥꯕꯥ,
ꯄꯥꯏ ꯅꯤꯜꯂꯤꯉꯩ ꯈꯣꯝꯕꯥꯡꯅꯥ ꯄꯟꯆꯝꯃꯒꯤ
ꯈꯧ-ꯄꯣꯡ ꯀꯧꯖꯦꯡ ꯍꯥꯕꯧꯁꯨ ꯁꯩꯗꯝꯃꯦ,
ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯗ꯭ꯔꯤ ꯖꯨꯔꯥ ꯈꯣꯏꯅꯤꯡꯒꯤ
ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯊꯥꯖꯥ ꯅꯣꯡꯗꯤꯜ ꯆꯤꯜꯂꯣꯛꯂꯦ,
ꯆꯤꯡꯖꯨꯝ ꯂꯥꯏꯖꯥ ꯆꯦꯝꯕꯔꯤ ꯅꯥꯎꯊꯦꯝꯂ
ꯍꯥꯅꯧꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯤ ꯇꯥꯝꯕꯥꯒꯥ,
ꯍꯩꯇꯨꯞꯄꯤ ꯍꯩꯄꯥꯜꯗꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤ ꯁꯨꯜꯂ
ꯍꯅꯨꯕꯥ ꯂꯩꯀꯣꯜꯗꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤ ꯕꯥꯒꯥ,
ꯕꯁꯟꯇꯦ ꯃꯥꯂꯡꯕꯥ ꯊꯩ ꯊꯧꯒꯜꯖꯦ
ꯑꯃꯝꯕꯩ ꯇꯥꯎꯖꯥ ꯂꯤꯟꯗꯤ ꯃꯤꯄꯥꯏꯖꯦ ॥

꯲꯷।꯰꯲।꯰꯶

হনুবৈ লৈকোল

লৈখোক লৈতবা লৈরাং লৈকোন্নি
শিঙেল লৈরাংসু লৈশাং তন্নিবা,
ইকোই কোইশিল্লি হনুই শন্নরি
থুদে খোইমু খুংজেংবা খোইরাবা,
পাই নিল্লিঙৈ খোম্বাংনা পনচম্মগী
খৌ-পোং কৌজেং হাবৌসু শৈদম্মে,
লোৎনা পাইরদ্রি জুরা খোইনিংগী
অহিংগী থাজা নোংডিল চিল্লোক্লে:
চীংজুম লাইজা চেম্বরি নাওথেম্ল
হানৌনা জগোই শারি তাম্বাগা,
হৈতুপ্পি হৈপালদা মুল্লি শুল্ল
হনুবা লৈকোলদা মুল্লি বাগা,
বসন্তে মালংবা থৈ থৌগলজে
অমম্বৈ তাওজা লীন্দি মীপাইজে।

২৭ /০২ /০৬

ꯍꯅꯨꯕꯤꯒꯤ ꯍꯩꯀꯣꯜ

ꯍꯩꯈꯜ ꯁꯨꯏꯗꯥ ꯀꯅꯥꯏꯕꯨ ꯍꯩꯀꯣꯝꯔꯣ
ꯍꯩꯔꯥꯡ ꯍꯩꯃꯨꯜꯂꯦ ꯍꯩꯍꯦꯛꯁꯨ ꯎꯗ꯭ꯔꯤ,
ꯍꯩ ꯆꯥꯎꯏꯗꯥ ꯀꯅꯥꯅꯕꯨ ꯊꯥꯏꯅꯣ
ꯅꯥꯄꯤ ꯁꯤꯡꯕꯤꯗꯦ ꯍꯩꯈꯣꯡꯁꯨ ꯁꯣꯝꯗ꯭ꯔꯤ,
ꯀꯦꯜꯂꯥ ꯎꯅꯥ ꯃꯥꯂꯦꯡꯅꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ
ꯎꯅꯥꯏ ꯎꯀꯨꯝꯗꯥ ꯉꯥꯡꯅꯥ ꯃꯨꯜꯂꯤꯗꯥ,
ꯆꯩꯅꯥꯏ ꯆꯩꯕꯤ ꯆꯩꯊꯦꯡꯅꯥ ꯆꯤꯡꯊꯨꯕ꯭ꯔꯥ
ꯅꯨꯡꯁꯥꯏ ꯃꯉꯥꯜꯗꯥ ꯁꯡꯇ꯭ꯔꯤꯛ ꯁꯉꯏꯗꯥ;
ꯂꯩꯇꯣꯟ ꯇꯡ ꯍꯩꯃꯨꯟꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯁꯤꯔꯥ
ꯌꯣꯇ꯭ꯔꯤ ꯇꯨ ꯍꯩꯖꯤꯡ ꯈꯔꯥꯏꯒꯤꯗꯨꯕꯨ,
ꯂꯩꯇꯣꯟ ꯊꯡ ꯇꯤꯟꯖꯡꯕꯅꯤ ꯇꯝꯁꯤꯔꯥ
ꯄꯨꯔꯦ ꯄꯣꯡ ꯑꯄꯣꯛ ꯑꯁꯥꯒꯤꯗꯨꯕꯨ,
ꯍꯅꯤ ꯊꯥꯏ ꯇꯤꯟꯕꯤꯗꯨꯁꯨ ꯆꯡꯂꯦꯅꯦ
ꯃꯅꯝꯁꯤꯗꯤ । ꯍꯩꯁ । ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯇꯥꯈꯦꯅꯦ ॥

꯲꯷/꯰꯲/꯰꯶

হনুবীগী হৈকোল

হৈখল শুইদা কনাইবু হৈকোম্রো
হৈরাং হৈমুল্লে হৈহেকসু উদ্রি,
হৈ চাওইদা কনানবু থাইনো
নাপি শিংবীদে হৈখোংসু শোমদ্রি,
কেল্লা উনা মালেংনা মুল্লিব্রা
উনাই উকুমদা ঙাংনা মুল্লিদা,
চৈনাই চৈবী চৈথেংনা চিংথুব্রা
নুংশাই মঙালদা শংত্রিক শঙইদা;
লৈতোন তং হৈমুনবনি হায়শিরা
য়োত্রি তু হৈজিং খরাইগীদুবু,
লৈতোন থং তীনজংবনি তমশিরা
পুরে পোং অপোক অশাগীদুবু,
হনি থাই তীনবীদুসু চংলেনে
মনমশিদি ! হৈশ ! নুমিৎ তাখেনে ।

২৭ /০২ /০৬

ꯍꯩꯀꯣꯜ ꯂꯩꯀꯣꯜ

ꯎꯔꯥ ꯎꯇꯥꯡꯗ꯭ꯔ ꯂꯩꯄꯥꯜ' ꯂꯩꯀꯣꯜꯗ
ꯍꯥꯛꯂꯦ ꯀꯨꯁꯨꯝꯂꯦ ꯀꯨꯟꯗꯥꯝꯂꯦ ꯁꯥꯡꯂꯩ,
ꯍꯩꯄꯥꯜ ꯁꯨꯏ ꯍꯅꯨꯕꯤꯒꯤ ꯍꯩꯀꯣꯜꯗ
ꯍꯩꯊꯨꯝ ꯍꯩꯊꯥ ꯍꯩꯔꯥꯡꯁꯤꯡ ꯍꯩꯔꯥꯡꯂꯩ,
ꯈꯣꯏꯃꯨꯅꯥ ꯎꯐꯨꯜ ꯇꯥꯅꯥ ꯉꯪꯂꯤꯕ
ꯂꯩꯀꯥ ꯁꯦꯡꯂꯩꯅꯤ ꯈꯣꯏꯍꯤ ꯍꯔꯩꯅꯤ,
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯇꯦꯝꯕꯔꯥꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯤꯕ
ꯅꯥꯔꯥꯏ ꯊꯔꯥꯏ ꯍꯩꯅꯧ ꯆꯔꯣꯡꯒꯤꯅꯤ,
ꯍꯥꯛꯂꯥ ꯃꯤꯠꯇꯥꯏ ꯂꯡꯖꯥꯅꯥ ꯄꯥꯏꯊꯔꯤ
ꯃꯥꯏꯕ ꯁꯥꯔꯤꯅꯤ ꯑꯄꯨꯝꯕ ꯃꯅꯒꯤ,
ꯄꯟꯊꯥꯡ ꯊꯪꯂꯤ ꯏꯆꯦꯝꯃ ꯆꯦꯟꯊꯔꯤ
ꯏꯔꯩ ꯁꯥꯏꯒꯨꯞ-ꯁꯥꯏ ꯎꯔꯥ ꯈꯣꯡꯕꯥꯟꯒꯤ,
ꯂꯩꯈꯣꯛ ꯇꯝꯂꯛꯀꯦ ꯍꯅꯨꯕꯤ ꯂꯩꯀꯣꯜ
ꯍꯩꯈꯣꯛ ꯇꯝꯃꯔꯛꯀꯦ ꯍꯅꯨꯏ ꯍꯩꯀꯣꯜ ॥

꯱꯸।꯰꯱।꯰꯵

হৈকোল লৈকোল

উরা উতাংদ্র লৈপাল' লৈকোলদা
হাক্লে কুসুম্লে কুন্দাম্লে শাংলৈ,
হৈপাল শুই হনুবীগী হৈকোলদা
হৈথুম হৈথা হৈরাংশিং হৈরাংলৈ,
খোইমুনা উফুল তানা ঙংলিবা
লৈকা শেংলৈনি খোইহি হরৈনি,
লাও খোংনা তেম্বরানা পাইরিবা
নারাই থরায় হৈনৌ চরোংগীনি;
হাক্লা মীৎতাই লংজানা পাইথরি
মাইবা শারিনি অপুম্বা মণগী,
পনথাং থংলি ঈচেম্মা চেন্থরি
ঈরৈ শাইগুপ-শাই উরা খোংবানগী,
লৈখোক তম্লক্কে হনুবৈ লৈকোল
হৈখোক তম্মরক্কে হনুই হৈকোল।

২৭/০২/০৬

ꯀꯣꯡꯖꯦꯡ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ

ꯁꯖꯤꯕꯨ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯁꯥꯊꯦꯛꯇꯥ
ꯀꯥꯡꯈꯨꯏꯅꯨꯡꯗꯥ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯀꯥꯏꯔꯦ,
ꯆꯦꯟꯊꯨꯔꯤ ꯆꯩꯔꯥꯎ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯆꯤꯊꯛꯇꯥ
ꯀꯥꯡꯗꯣꯡꯗꯒꯤ ꯍꯦꯜꯂꯣꯏ ꯃꯄꯥꯟ ꯁꯥꯔꯦ,
ꯄꯨꯡꯉꯣꯜꯊꯛꯇꯥ ꯚꯨꯠ ꯃꯔꯨꯝ ꯑꯣꯜꯂꯦ
ꯃꯣꯝꯅꯨꯏ ꯅꯤꯡꯉꯦꯜ ꯊꯨꯝꯊꯣꯡꯁꯨ ꯐꯨꯟꯒꯠꯈ꯭ꯔꯦ,
ꯈꯨꯠꯁꯨꯗꯤ ꯇꯈꯦꯜ ꯊꯥꯎꯂꯦꯟ ꯆꯥꯎꯜꯂꯦ
ꯇꯨꯕꯤ ꯂꯥꯕꯒꯤꯁꯨ ꯃꯃꯩ ꯀꯛꯈ꯭ꯔꯦ;
ꯔꯥꯔꯛꯀꯤ ꯔꯥꯡꯀꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯀꯣꯏꯖꯣꯝꯕꯥ
ꯇꯨ ꯆꯣꯝꯔꯦ ꯇꯤꯜꯂꯥꯏ-ꯈꯣꯝꯕꯤ ꯆꯨꯖꯅꯤ,
ꯔꯥꯁꯥꯅꯥ ꯀꯨꯝꯔꯥꯛ ꯃꯁꯥ ꯀꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯅꯥꯔꯨꯝ ꯎꯅꯥꯗꯥ ꯁꯤꯀꯤ ꯌꯧꯖꯅꯤ,
ꯅꯥꯍꯣꯡꯅꯨꯡꯗꯩꯕꯨ ꯇꯤꯡ ꯇꯤꯡ ꯆꯣꯡꯍꯧꯔꯣ
ꯀꯥꯔꯦꯡꯇꯤꯟꯁꯨꯝ ꯊꯕꯤ ꯃꯍꯨꯝ ꯍꯥꯏꯔꯣ ॥

꯲꯷꯫꯰꯲꯫꯰꯶

কোংজেং কোকফাই

শজিবুই নোংমৈ নোংলৈ শাথেক্তা
কাংখুইনুংদা নুংগী মুর্তি কাইরে,
চেন্থুরি চৈরাও চীংগী চীথক্তা
কাংদোংদগী হেল্লোই মপান শারে,
পুংঙোলথক্তা ভুৎ মরুম ওল্লে
মোমনুই নিংঙেল থুমথোংসু ফুনগৎখ্রে,
খুৎসুদি তখেল থাওলেন চাউল্লে
তুবী লাবগীসু মমৈ ককখ্রে;
রারক্কী রাঙ্কা তাবা কোইজোম্বা
তু চোম্রে তীল্লাই-খোম্বী চুজনি,
রাশানা কুম্রাক মশা কল্লিবা
নারুম উনাদা শিকি য়ৌজনি,
নাহোংনুংদৈবু তীঙ তীঙ চোংহৌরো
কারেংতীনশুম থবী মহুম হাইরো।

২৭/০২/০৬

ꯔꯥꯍꯪ

ꯍꯥꯡꯂ 'ꯇꯤꯌꯥ ꯃꯀꯣꯏꯗꯥ ꯃꯤꯠꯆꯤꯅꯥ
ꯀꯔꯤ ꯔꯥꯍꯪꯅꯣ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯡꯒꯤꯗꯤ,
ꯔꯥꯍꯪ ꯍꯪꯂꯩꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯁꯤꯟꯊꯥꯅꯥ
ꯀꯔꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯥ ꯃꯥꯒꯤꯗꯤ,
ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯔꯥꯍꯪ ꯀꯌꯥꯒꯤ
ꯔꯥꯍꯪꯁꯨ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯆꯩꯅꯥꯁꯨ ꯆꯩꯁꯨ,
ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯀꯥꯏꯔ ꯊꯝꯃꯣꯏꯒꯤ
ꯆꯩꯁꯨꯁꯨ ꯂꯤꯟꯁꯤ ꯂꯤꯟꯕꯨꯁꯨ ꯆꯩꯁꯨ,
ꯔꯥꯍꯪ ꯑꯃꯒꯤꯕꯨ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯀꯌꯥ
ꯈꯨꯟꯅꯤ ꯀꯨꯟꯇꯤꯅꯥ ꯗꯥꯠꯇꯥ ꯀꯔꯟꯗꯥ,
ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯑꯃꯒꯤꯁꯨ ꯔꯥꯍꯪ ꯀꯌꯥ
ꯍꯪꯂꯤ ꯀꯔꯟ ꯑꯍꯥꯡꯕꯥ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ,
ꯀꯔꯝꯃꯥ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯉꯛꯀꯕꯥ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯊꯔꯥꯏ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯃꯤꯍꯧꯕꯥ ॥

꯱꯳।꯰꯳।꯰꯶

রাহং

হাংল 'তিয়া মকোইদা মীৎচিনা
করি রাহংনো থম্মোয নঙগীদি,
রাহং হংলৈনি পুন্সি শিন্থানা
করি পাউখুম নোংদম্বা মাগীদি,
পাউখুম কয়ানি রাহং কয়াগী
রাহংসু পাউখুম চৈনাসু চৈসু,
চৈথেং কয়ানি কাইর থম্মোযগী
চৈসুসু লিন্সি লিনবুসু চৈসু,
রাহং অমগীবু পাউখুম কয়া
খুন্নি কুন্তিনা দাত্তা কর্নদা,
পাউখুম অমগীসু রাহং কয়া
হংলি কর্ন অহাংবা মালংদা,
করম্মা নুঙগী থম্মোয ঙক্কবা
তাইবঙ থরায় করিগী মীহৌবা ।

১৩/০৩/০৬

[illegible]

[illegible]

মচুগী কুম্মৈ

লংজতা থাগা অঙনবা নমুক্কী
কং লুহ উপাল যেন্নিং হল্লকই,
পূর্ণিমা থাগী লনমহং মঙাল
লৈবাং লৈনম তরঙ্গ লংলকই
নাক্কা থোংগী নি যুম্ফোংদু থুগাং
হাওশং কুম্মৈ থেংবম চাওখৎলি,
অংবর খুবাক্কী তাদি তাদিং
থায়েনা খোইদানা হুম বল চোংলে,
লাইথোক্কি চোংখু নুরা মীংলাংমু
হে ল্লিগী ঈংগদি নুরদা ডৈনৈ,
মচুগ কাংজে চকু থুংনাইরম্,
আবর হংশক্কি মচু খেননৈ,
তাইবঙ সংসার কুম্মৈনি উম্ফুলগা
চিং লিনি পৈরোল তুংগী যুগতুগা।

১৫ ০৩ /০৬

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

দু ম্লিবা মঙ্গ

চেরো-চেরো চিংদুনা লাং নানথেং কু
শুং-শুং লাংনবু নাং নানা-হিংবা,
তুং ইন চুম্মা তুমখুন গাপ্লি
হং নায় হিয়া কাংনবু তুগ্রিবা,
তুংখুন মচং নান্না নোমজৈ কয়েম্বা
মংলান ঈথোং খুংশানা চৈথং লু,
খোঙচৎ খোঙথাং খুমহিং লোয়ংনীনা
তাইবংপান্বা খুত্থিবা ফজংলু
হয় ! হয় ! মহংলোঙ কুমথা কৈ
চীংবোনগুম্বু নংলৈনেম্বগী চীং
তাই ! তাই ! ইকোম্বুংগী দয়া-ব্রং
লেইকেনুংমু লুংকুংমু লোংগী চীং,
হৈ হৈ ! লেংগনুনে - শুম খিংকুকো
মীকপ লোল্লু মচু শংঙকো ।

১৫ ০৬ /০৬

ꯃꯆꯨ ꯁꯉꯨꯡꯨ

ꯇꯨꯟꯅꯤ ꯫ ꯌꯦꯛꯇꯤ ꯂꯣꯢꯔꯦ ꯀꯦꯟꯚꯥꯁꯅꯨꯡꯗꯥ
ꯐꯥꯑꯣꯔꯤꯗ꯭ꯔ ꯫ ꯃꯥꯢ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯨ ꯏꯍꯂꯁꯤ,
ꯍꯩ ꯫ ꯀꯩꯅꯣ ꯌꯦꯡꯂꯛꯂꯦꯅꯦ ꯃꯤꯇꯣꯟꯗꯥ
ꯑꯥꯁ ꯫ ꯏꯀꯥꯢꯈ꯭ꯔꯦꯗꯥ ꯃꯤꯡ ꯃꯤꯡꯆꯥꯟꯅꯩꯁꯤ,
ꯑꯣꯍ ꯫ ꯂꯨꯛꯊꯩꯁꯤꯁꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯎꯔꯤꯗ꯭ꯔꯥ
ꯌꯦꯡꯅꯨꯁꯤꯔꯥ ꯫ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯊꯣꯛ ꯅꯣꯛꯂꯒꯥ,
ꯂꯣꯡꯈꯤꯗ꯭ꯔꯥ ꯫ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯏꯐꯨꯡ ꯐꯥꯑꯣꯔꯩꯗ꯭ꯔꯥ
ꯀꯔꯝ ꯫ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯥ - ꯆꯦꯟꯈ꯭ꯔꯣ ꯀꯤꯔꯒꯥ,
ꯉꯥꯢꯈꯣꯛꯂꯣ ꯫ ꯅꯉꯁꯨ - ꯅꯉꯁꯨ - ꯉꯥꯢꯈꯣꯛꯂꯣ
ꯌꯦꯡꯉꯨ ꯫ ꯁꯤꯟꯊꯔꯤ ꯇꯨꯔꯤ ꯄꯤꯕꯥꯡꯁꯦ,
ꯇꯞꯂꯥ ꯫ ꯇꯦꯡꯒꯣꯢꯇꯇꯦ ꯇꯣꯡꯁꯥ ꯇꯩꯈꯣꯛꯂꯣ
ꯐꯖꯗ꯭ꯔꯥ ꯫ ꯆꯨꯔꯤ ꯃꯤꯡꯀꯤ ꯀꯥꯖꯂꯁꯦ,
ꯑꯣꯍꯣ ꯫ ꯈꯨꯡꯊꯦꯖꯨꯕꯨꯗꯤ ꯇꯝꯕꯥ ꯂꯥꯢ
ꯖꯒꯣꯢꯗꯣ ꯫ ꯁꯥꯔꯁꯤ ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯂꯥꯢ ꯫꯫

꯱꯵।꯰꯳।꯰꯶

মচু শঙুঙু

তুন্নি! যেক্তি লোইরে কেনভাশনুংদা
ফাওরিদ্র! মাই থম্মোয়সু ঈহলশি,
হৈ! কৈনো - যেংলক্লেনে মীতোন্দা
আশ! ঈকাইখ্রেদা মীং মীংচান্নৈশি,
ওঃ! লুকথৈশিসু মানা উরিদ্রা
যেংনুশিরা! খোনজেল থোক নোক্লগা,
লোংখিদ্রা! পুক্লিং ঈফুং ফাওরৈদ্রা
করম! পুন্সিনা - চেনখ্রো কিরগা,
ঙাইখোক্লো! নঙসু - নঙসু -- ঙাইখোক্লো
যেংঙু! শিন্থরি তুরি পিবাংশে,
তপ্লা! তেঙ্গোইত্তে তোংশা তৈখোক্লো
ফজদ্রা! চুরি মীংকী কাজলশে,
ওহো! খুংথেজুবুদি তম্বা লাই
জগোইদো! শারশি অহীংবা লাই।

১৫/০৩/০৬

ꯑꯍꯤꯡꯕ ꯂꯥꯏ

ꯇꯨꯖꯣꯝꯔꯥ ꯅꯎꯗꯤ ꯄꯇꯥꯜ ꯔꯥꯅꯤꯅꯤ
ꯄꯥꯟ ꯅꯠꯇꯦ ꯏꯈꯦꯡꯅꯤ ꯇꯩꯔꯤꯕꯥ,
ꯃꯇꯝ ꯃꯥꯏ ꯇꯣꯟꯗꯣꯟꯕꯤ ꯂꯥꯏꯔꯦꯝꯕꯤꯅꯤ
ꯈꯨꯖꯤꯟ ꯅꯠꯇꯦ ꯊꯥꯡꯁꯥꯡꯅꯤ ꯊꯧꯔꯤꯕꯥ,
ꯅꯣꯔꯣꯛ ꯁꯕꯤ ꯈꯨꯡꯉꯣꯛꯂꯥ ꯁꯛꯂꯤꯁꯨ
ꯁꯅꯥ ꯐꯝꯕꯥꯟꯅꯤ ꯁꯨꯛꯂꯥ ꯂꯣꯛꯅꯨꯡꯅꯥ,
ꯍꯨꯏ ꯑꯃꯔꯤꯠꯔ ꯅꯪꯊꯔꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯡꯁꯨ
ꯇꯨꯝꯗꯥ ꯀꯎꯂꯥꯛꯂꯦ ꯅꯎꯒꯤ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝꯅꯥ,
ꯇꯤꯎꯊꯪꯒꯤ ꯑꯥꯁꯟ ꯅꯈꯨꯠꯅꯥ ꯊꯥꯕꯤ
ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯊꯂꯐꯤ ꯊꯛꯇꯥ ꯀꯨꯞꯂꯒꯥ,
ꯂꯩꯍꯤ ꯃꯤꯍꯧ ꯃꯨꯔꯥꯕꯥ ꯍꯤꯞꯊꯔꯤ
ꯎꯠꯁꯨ ꯅꯣꯛꯆꯩ ꯁꯥꯕ꯭ꯔꯧ ꯇꯨꯝꯅꯧꯔꯒꯥ,
ꯁꯥꯡꯇꯣꯛꯂꯨ ꯁꯥꯒꯜ ꯁꯦꯛꯇꯨꯅꯥ ꯁꯣꯏꯊꯤ
ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯏꯔꯩꯅꯥ ꯌꯣꯠꯊꯤ ॥

ꯑ꯱꯵।꯰꯳।꯰꯶

অহীংবা লাই

তুজোম্রা নওদি পতাল রানীনি
পান নত্তে ঈখেংনি তৈরিবা,
মতম মাই তোনদোনবী লাইরেম্বীনি
খুজিন নত্তে থাংশাংনি থৌরিবা,
নোরোক শবি খুঙ্গোক্লা শক্লিসু
সনা ফম্বান্নি শুক্লা লোকনুংনা,
হুই অমৃত্র নংথরি খোল্লাংসু
তুমদা কওলাক্লে নওগী নাউসুম্না,
তীওথংগী আশন নখুৎনা থাবি
লৈরাং লৈথলফি থক্তা কুপ্লগা,
লৈহি মীহৌ মুরাবা হিপথরি
উটশু নোকচৈ শাব্রৌ তুম্নৌরগা,
শাংতোকলু শাগল শেক্তুনা শোইথি
শুরগী ঈপাক্তা ঈরৈনা য়োৎথি ।

১৫ /০৩ /০৬

ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯅꯣꯡꯃꯥ

ꯈꯨꯡꯅꯤ ꯎꯉꯂꯤꯕꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯊꯔꯥꯏꯅꯤ
ꯄꯟꯊꯥꯡ ꯇꯥꯝꯍꯧꯔ ꯃꯕꯨꯛ ꯇꯄꯂꯛꯂꯦ,
ꯃꯆꯤꯅꯤ ꯄꯟꯗ꯭ꯔꯨ ꯆꯦꯟꯊꯨ ꯎꯉꯂꯤꯅꯤ
ꯃꯅꯤꯡꯁꯨ ꯃꯃꯥꯡꯁꯨ ꯆꯄ ꯇꯤꯡꯂꯛꯂꯦ,
ꯚꯥꯏꯍꯥꯛ ꯇꯄꯊꯔꯛ ꯆꯦꯜꯂꯤ ꯈꯣꯉꯆꯠꯅꯥ
ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯏꯍꯧ ꯑꯇꯤꯌꯥꯗꯥ,
ꯏꯄꯣꯝ ꯇꯥꯟꯅꯔꯛꯂꯦ ꯏꯊꯛ ꯇꯣꯡꯅꯥ
ꯃꯚꯥꯎ ꯊꯤꯔ ꯊꯝꯃꯣꯏꯒꯤ ꯅꯤꯡꯚꯥꯏꯗꯥ,
ꯍꯤ-ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯆꯩ ꯆꯨꯕꯥꯁꯨ ꯀꯣꯜꯂꯨꯗꯦ
ꯑꯁꯥꯏ ꯇꯣꯕꯔꯕꯥꯅꯤꯗꯥ ꯌꯦꯟꯅꯤꯡ ꯏꯐꯨꯜꯂꯨꯡ,
ꯏꯁꯪ ꯐꯤꯖꯣꯜ ꯍꯣꯡꯂꯛꯂꯤ ꯏꯅꯥꯡꯗꯦ
ꯌꯥꯇꯥꯏ ꯁꯩꯖꯥꯗꯥ ꯅꯤꯡꯚꯥꯏ ꯏꯔꯣꯜꯂꯨꯡ ,
ꯁꯗꯣꯡ ꯃꯆꯦꯠꯅꯤ ꯂꯁꯤꯡ ꯃꯐꯣꯟꯒꯤ
ꯁꯨꯔ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯖꯒꯣꯏꯅꯤ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯒꯤ ॥

꯱꯵।꯰꯳।꯰꯶

শুরগী ঈপাক্তা নোংমা

খুংনি উঙলিবা হীংলি থরায়নি
পন্থাং তামহৌর মবুক তপ্লক্লে,
মচিনি পন্দ্রু চেন্থু উঙলিনি
মনিংসু মমাংসু চপ তিংলক্লে,
ভাইহাক তপথরক চেল্লি খোঙচৎনা
রাখল নোংলৈ ঈহৌ অতিযাদা,
ঈপোম তান্নরক্লে ঈথক তোংনা
মভাও থির থম্মোয়গী নিংভাইদা;
হি-হি নোকচৈ চুবাসু কোল্লুদে
আশাই তোবর্বানিদা য়েন্নিং ঈফুল্লুং,
ঈশং ফিজোল হোংলক্লি ইনাংদে
যাতাই শৈজাদা নিংভাই ঈরোল্লুং,
শদোং মচেৎনি লশিং মফোনগী
শুর ঈপাক্তা জগোইনি কাওশিংগী।

১৫/০৩/০৬

ꯎꯆꯤ

ꯃꯣꯕꯦ ꯎꯆꯤ - ꯕꯣꯔꯥꯒꯤꯁꯨ ꯎꯆꯤ -
ꯎꯆꯤꯔꯥꯢ ꯎꯆꯤ ꯃꯥꯢꯁꯨ ꯎꯆꯤꯅꯤ,
ꯀꯕꯤꯗꯕꯨ ꯈꯦꯟꯅꯩ - ꯆꯤ-ꯆꯤ - ꯆꯤ-ꯆꯤ -
ꯌꯨꯝꯂꯩꯃꯥ ꯊꯪꯕꯥ ꯎꯆꯤꯁꯨ ꯅꯋꯅꯤ,
ꯂꯨꯍꯣꯡ ꯗꯣꯜꯂꯥꯢꯗꯦ ꯊꯤꯜꯂꯤ ꯀꯩꯟꯌꯥꯎ -
ꯄꯣꯜꯂꯣꯢꯊꯣꯛ - ꯆꯥꯛꯁꯪ ꯃꯥꯡꯁꯣꯛ ꯍꯣꯒꯥꯢꯕꯤ,
ꯇꯥꯢꯕꯪ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯈꯣꯢꯗꯧ ꯅꯤꯛꯂꯤꯕꯤꯎ -
ꯁꯅꯥꯢ ꯂꯩꯀꯣꯟꯗꯥ ꯄꯣꯝꯕꯥ ꯅꯡꯒꯨꯝꯕꯤ;
ꯃꯃꯁꯨꯛ ꯃꯃꯁꯨꯛ' ꯌꯥꯊꯤꯜꯂꯤ ꯔꯥꯁꯥꯅꯥ -
ꯏꯌꯥꯢ ꯀꯨꯃꯗꯨꯅꯥ ꯇꯨꯝꯂꯤ ꯊꯥꯡꯖꯤꯡꯕꯨ,
ꯐꯧꯄꯣꯝ ꯊꯥꯎꯊꯤ ꯅꯣꯡꯌꯥꯢꯗꯥ ꯇꯦꯃꯁꯤꯡꯅꯥ -
ꯃꯤꯔꯥ ꯇꯥꯌ ꯇꯃꯗꯨꯅꯥ ꯃꯇꯧꯗꯨꯕꯨ,
ꯄꯂꯦꯒꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯅꯋꯅꯥ ꯊꯋꯗꯦ
ꯃꯤꯡꯁꯦꯟꯗꯥ ꯇꯥꯔꯤ ꯃꯃꯤꯁꯨ ꯈꯪꯗꯦ ॥

꯱꯵।꯰꯳।꯰꯶

উচী

মোবে উচী - বোরাগীসু উচী -
উচীরাই উচী মাইসু উচীনি,
কবিদবু খেন্নৈ - চী-চী - চী-চী -
য়ুম্লৈমা থংবা উচীসু নওনি,
লুহোং দোল্লাইদে থিল্লি কৈন্যাও -
পোল্লোইথোক - চাকশং মাংশোক হোগাইবী,
তাইবঙ মালেম খোইদৌ নীক্লিবীও -
সনাই লৈকোন্দা পোম্বা নঙগুম্বী;
মমসুক মমসুক' য়াথিল্লি রাশানা -
ঈয়াই কুমদুনা তুম্লি থাংজিংবু,
ফৌপোম থাওথি নোংযাইদা তেমশিংনা -
মীরা তায তমদুনা মতৌদুবু,
প্লেগশিবু করিনো নওনা থওদে
মিংশেন্দা তারি মমিসু খংদে।

১৫/০৩/০৬

ꯊꯋꯥꯏꯒꯤ ꯃꯃꯤ

ꯃꯤꯠꯃꯥꯡ ꯃꯃꯤ ꯃꯨꯛꯇꯤꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯅꯤ
ꯃꯨꯛꯇꯤ ꯐꯪꯂꯕꯥ ꯊꯋꯥꯏ ꯍꯛꯆꯥꯡꯒꯤ,
ꯃꯅꯨ ꯃꯥꯡꯂꯨꯔꯤ ꯃꯄꯨꯏ ꯅꯥꯛꯇꯅꯤ
ꯁꯤꯕꯤ ꯆꯥꯕꯤ ꯁꯤꯡꯊꯥꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ,
ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯂꯧꯏ ꯂꯣꯡꯂꯣꯛꯇꯦ ꯅꯪꯕꯨ
ꯅꯪꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯊꯤꯡꯉꯝꯗꯦ ꯅꯥꯈꯟꯅꯥ,
ꯐꯤꯗꯥ ꯊꯥꯗꯦ ꯑꯇꯤꯊꯤ ꯅꯪꯒꯤꯕꯨ
ꯅꯪꯁꯨ ꯊꯋꯥꯏ ꯄꯥꯜꯂꯤ ꯈꯪꯗꯔꯕꯅꯥ;
ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯊꯋꯥꯏ ꯁꯤꯕꯥ ꯅꯥꯏꯗꯒꯨꯝ
ꯃꯃꯤꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯁꯨ ꯁꯤꯜꯂꯨ ꯂꯩꯇꯦ,
ꯊꯋꯥꯏ ꯃꯃꯤ ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯎꯠꯇꯝꯗꯒꯨꯝ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯃꯤꯁꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯨ ꯂꯩꯇꯦ,
ꯃꯃꯤ ꯏꯀꯥꯏꯔ ꯎꯅꯤ ꯃꯃꯤꯁꯤꯡ
ꯔꯥꯔꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯤ ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯊꯋꯥꯏꯁꯤꯡ ॥

꯱꯶।꯰꯳।꯰꯶

থৱায়গী মমি

মীৎমাং মমি মুক্তিগী মুর্তিনি
মুক্তি ফংলবা থৱায় হকচাংগী,
মনু মাঙলুরি মপুই নাক্তনি
শিবি চাবি শিঙ্থানি পুন্সিগী,
কনানা লৌই লোঙ্লোক্তে নঙবু
নঙগী খোনজেল থিংঙমদে নাখন্না,
ফিদা থাদে আতিথি নঙগীবু
নঙসু থৱায় পাল্লি খঙদ্রবনা;
অহীংবা থৱায় শিবা নাইদগুম
মমিগী পুন্সিসু শিল্লু লৈতে,
থৱায় মমি মীৎনা উত্তমদগুম
তাইবঙ মমিসু নিংশীংলু লৈতে,
মমি ইকাইর উনি মমিশিং
রারি শান্নরি হীংলি থৱায়শিং ।

১৬/০৩/০৬

ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯒꯤꯅꯤ ꯇꯧꯔꯕꯥ ꯀꯨꯟꯗꯣ ꯄꯔꯦꯡ

ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯄꯉ꯭ꯒꯨꯡꯅꯥ ꯈꯨꯗꯥꯡ ꯆꯤꯡꯂꯗꯥ
ꯊꯨꯝꯍꯧꯜ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯏꯆꯦꯜ ꯄꯟꯊꯥꯡꯗꯦ,
ꯀꯨꯟꯗꯣ ꯄꯔꯦꯡꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯉꯛꯁꯃꯗꯥ
ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯤꯡꯅꯥ ꯈꯥꯝꯃꯨꯗꯦ,
ꯚꯧꯔ ꯀꯨꯟꯗꯣꯏ ꯃꯆꯨꯅꯤ ꯃꯛꯔꯨꯕꯥ
ꯁꯤꯊ ꯁꯤꯟꯅꯤ ꯃꯇꯝ ꯅꯣꯡꯂꯩꯛꯇꯥ,
ꯈꯨꯏ ꯍꯧꯅꯁꯥꯅꯤ ꯇꯣꯡꯁꯥ ꯇꯤꯡꯂꯝꯅꯥ
ꯀꯦꯝ ꯌꯥꯡꯊꯤ ꯄꯉ꯭ꯒꯨꯡꯒꯤ ꯊꯣꯡꯆꯧꯂꯛꯇꯥ;
ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯤꯡ ꯂꯩꯀꯣꯜꯒꯤ ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩꯅꯥ
ꯀꯨꯟꯗꯣ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯂꯪꯂꯥꯒꯤ,
ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯏꯔꯤꯛꯁꯤꯡ ꯊꯤꯛꯔꯥ ꯊꯤꯛꯔꯥ
ꯌꯦꯟꯅꯤꯡ ꯆꯣꯡꯍꯜꯂꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯑꯒꯂꯥꯒꯤ,
ꯊꯔꯥꯏ' ꯃꯜꯂ ꯐꯤꯖꯤꯗꯥ ꯂꯣꯠꯉꯝꯅꯥ
ꯃꯇꯝ' ꯃꯤꯊꯤꯟꯆꯩꯅꯥ ꯊꯤꯟ ꯇꯨꯝꯉꯝꯅꯥ ॥

১৫।০৯।০৫

নুংশিবগীনি তৎত্রবা কুন্দো পরেং

নুংশি পঙ্গুংনা খুদাং চিংলদা
থুম্নহৎল থম্মোয় ঈচেল পনথাংদে,
কুন্দো পরেংবু নুংশি ঙকশম্নদা
রাখল নোংলৈ পুক্রিংনা খাম্মুদে,
ভৌর কুন্দোই ম্নচুনি ম্নক্রুবা
শিথ শিন্নি ম্নতম নোংলৈক্তা,
খুই হৌনশানি তোংশা তিংলম্না
কেম্ন যাংথি পঙ্গুংগী থোঙচৎলক্তা;
পুক্রিং লৈকোলগী রাখল নোংলৈনা
কুন্দো লৈরাং অহীংবা লংলাগী,
নুংশিগী ঈরিকশিং থিক্রা থিক্রা
যেন্নিং চোংহল্লি থম্মোয় অগলাগী,
থরায়' ম্নল্ল ফিজিদা লোৎঙম্না
ম্নতম' মীথিনচৈনা থিন তুম্নঙম্না।

১৬/০৩/০৬

ꯃꯤꯊꯤꯟ ꯆꯩꯅꯅꯤꯅꯦ

ꯃꯤꯊꯤꯟ ꯆꯩꯒꯤ ꯇꯨꯍꯥꯎꯒꯤ ꯄꯇꯨꯝꯅꯥ
ꯅꯥꯔꯣꯟꯗꯥ ꯍꯥꯏꯖꯤꯟꯊꯤ ꯈꯨꯖꯤꯟ ꯅꯨꯡꯗꯥ,
ꯀꯛ ꯀꯛ ꯇꯝꯕꯔꯛꯀꯏ ꯍꯨꯏꯌꯥꯁꯤꯡꯅꯥ
ꯈꯡꯄ꯭ꯔꯦꯛ ꯈꯡꯖꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯏꯍꯟꯗꯥ,
ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯅꯣꯡꯂꯩꯒꯥ ꯁꯒꯥꯏꯕꯨ ꯇꯣꯡꯊꯤ
ꯎꯄꯥꯏꯗꯤ ꯂꯩꯇꯦ ꯇꯈꯦꯜꯗꯩ ꯊꯥꯎꯅꯤ,
ꯏꯍꯤꯡ ꯅꯥꯏꯍꯤꯡꯅꯥ ꯊꯣꯡꯂꯝ ꯇꯧꯊꯣꯛꯈꯤ
ꯂꯝꯖꯥ ꯁꯔꯥꯁꯤꯡꯁꯤ ꯍꯥ ꯀꯥꯔꯅꯤ,
ꯊꯥꯎꯖꯦꯟꯀꯝ ꯀꯨꯝꯊꯩ ꯃꯥꯡꯁꯣꯛ ꯐꯃꯩꯗꯦ
ꯀꯨ ꯃꯅꯨꯡꯗꯨꯗꯥ ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯅꯣꯀꯜꯂꯛꯀꯏ,
ꯆꯤꯇꯥꯊꯛ ꯍꯪꯆꯤꯡ ꯂꯥꯡꯂꯤ ꯗꯣꯂꯥꯏꯗꯩ
ꯃꯃꯥ ꯃꯆꯥ ꯆꯤꯔꯣꯟ ꯐꯥꯔꯣꯜꯂꯛꯀꯏ,
ꯃꯤ । ꯏꯔꯥꯛꯍꯜꯂꯤ ꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯗꯥꯕꯨ
ꯂꯥꯎ । ꯄꯨꯕꯤꯊꯣ ꯃꯃꯥꯗꯥ ꯃꯆꯥꯕꯨ ॥

꯱꯷।꯰꯳।꯰꯶

মীথিন চৈননিনে

মীথিন চৈগী তুহাওগী পতুম্না
নারোন্দা হাইজিনথি খুজিন নুংদা,
কক কক তম্বরকই হুইয়াশিংনা
খংপ্রেক খংজী থম্মোয়গী ঈহন্দা,
নোঙ্ল নোঙ্লগা শগাইবু তোংথি
উপাইদ্দি লৈতে তখেলদৈ থাওনি,
ঈহিং নাইহিংনা থোংলম তৌথোকখি
লমজ্জা শরাশিংশি হা কারনি;
থাওজেনকম কুমথৈ মাংশোক ফমৈন্দে
কু মনুংদুদা মোমোন নোকললকই,
চীতাথক হংচিং লাংলি দোলাইদৈ
মমা মচা চীরোন ফারোল্লকই,
মী ! ঈরাকহল্লি ঈশিংদা ডাবু
লাউ ! পুবিথো মমাদা মচাবু ।

১৭ /০৩ /০৬

ꯃꯆꯤꯟ ꯃꯧꯄꯥ

ꯁꯅꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯩ ꯇꯝꯐꯥ ꯒꯥꯗꯤꯗꯥ
ꯃꯥꯂꯦꯡ ꯏꯊꯛꯀꯨ ꯏꯄꯣꯝ ꯍꯧꯔꯀꯏ,
ꯂꯦꯡꯗꯥ ꯀꯣꯔꯕꯧ ꯃꯉꯥꯜ ꯃꯁꯦꯛꯅꯨꯗꯥ
ꯊꯥꯖ ꯊꯥꯅꯤꯜꯒꯤ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯀꯏ,
ꯇꯔꯪ ꯃꯥꯂꯦꯡꯅꯥ ꯏꯆꯤꯛ ꯍꯜꯂꯤꯉꯩ
ꯁꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯦꯡꯅꯤ ꯂꯨꯄꯥ ꯀꯣꯟꯌꯥꯏꯅꯤ,
ꯀꯣꯟꯁꯦꯡ ꯀꯣꯟꯌꯥꯏꯅꯥ ꯅꯤꯡꯖꯥꯏ ꯇꯧꯔꯤꯉꯩ
ꯎꯔꯨ ꯎꯔꯨꯕꯥ ꯃꯤꯠꯀꯤ ꯃꯅꯤꯅꯤ,
ꯊꯌꯥꯠ ꯆꯤꯀꯏ ꯁꯖꯤꯕꯨꯏ ꯅꯣꯡꯂꯩꯅꯥ
ꯀꯦꯀꯨ ꯃꯊꯥꯅꯨꯡ ꯙ꯭ꯔꯨꯕꯥ ꯇꯥꯔꯥꯁꯨ,
ꯄꯥꯜꯂꯕꯗꯥ ꯊꯥꯡꯖꯦ ꯃꯤꯠꯆꯤ ꯇꯦꯝꯅꯥ
ꯂꯤꯔꯤ ꯍꯉꯕꯦ ꯀ꯭ꯂꯥꯛꯇꯥꯏ ꯅꯥꯝꯃꯤꯕꯁꯨ,
ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯇꯨꯔꯦꯟꯗꯤ ꯏꯊꯦꯡ ꯅꯥꯏꯔꯛꯂꯦ
ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯕꯤ ꯃꯥꯏ ꯁꯥꯊꯦꯛ ꯁꯥꯐꯣꯡꯂꯦ ॥

꯱꯸।꯰꯳।꯰꯶

মচীন মৌপা

সনা অহীংবৈ তম্ফা গাদিদা
মালেং ঈথকু ঈপোম হৌরকই,
লেংদা কোর্বৌ মঙাল মশেক্নুদা
থাজ থানিলগী জগোই শারকই,
তরঙ মালেংনা ঈচিক হল্লিঙৈ
সনা কোনশেংনি লুপা কোনযাইনি,
কোনশেং কোনযাইনা নিংজাই তৌরিঙৈ
উরু উরুবা মীৎকী মণিনি;
থয়াৎ চীকই শজিবুই নোংলৈনা
কেকু মথানুং ধ্রুবা তারাসু,
পাল্লবদা থাঙ্জে মীৎচি তেম্না
লিরি হঙ্বে ক্লাক্তাই নাম্মিবসু,
নিংথৌ তুরেনদি ঈথেং নাইরক্লে
খোংজোমনুবী মাই শাথেক শাফোংলে।

১৮ /০৩ /০৬

ꯊꯦꯡꯃꯜꯂꯦ ꯙ꯭ꯔꯨꯕ-ꯇꯥꯔꯥ

ꯍꯥꯡꯂ ꯑꯇꯤꯌꯥꯏ ꯙ꯭ꯔꯨꯕ ꯇꯥꯔꯥꯎ
ꯇꯥꯅꯈ꯭ꯔꯣ ꯇꯥꯜꯂꯨꯝꯕꯥ ꯅꯁꯦꯛ ꯅꯉꯥꯝꯕꯥ,
ꯍꯤꯕꯥ ꯌꯨꯛꯇꯥꯅꯥ ꯊꯥꯝꯂꯦ ꯂꯩꯇꯦꯡꯎ
ꯎꯗ꯭ꯔꯦ ꯆꯦꯡꯂꯧ ꯑꯃꯝꯕꯩ ꯃꯩꯈꯨꯅꯥ,
ꯐꯥꯡꯒꯣꯡ ꯇꯝ ꯆꯠꯂꯤꯅꯤ ꯂꯝꯕꯤꯁꯤꯗꯥ
ꯍꯡꯒꯠ ꯍꯟꯗꯥ ꯌꯔꯩꯒ꯭ꯔꯦ ꯌꯧꯕꯗꯤ,
ꯇꯤꯡꯊꯪ ꯇꯨꯝꯕꯧ ꯑꯃꯝꯕꯩ ꯖꯡꯒꯜꯗꯥ
ꯏꯊꯦꯡ ꯅꯨꯡꯊꯦꯡ ꯃꯊꯛꯂꯦ ꯏꯆꯦꯜꯗꯤ,
ꯆꯤꯡꯍꯤ ꯁꯝꯕꯥꯜ ꯂꯥꯡꯂꯨꯕꯨ ꯊꯥꯖꯒꯤ
ꯀꯣꯔꯧ ꯍꯟꯕꯁꯨ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯄꯩꯔꯛꯂꯦ,
ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯇꯩꯅꯔꯥ ꯊꯔꯥꯟ ꯀꯣꯠꯇꯤꯒꯤ
ꯊꯥꯖꯩ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯀꯤꯁꯤ ꯀꯣꯝꯊꯣꯔꯛꯂꯦ,
ꯀꯅꯥꯗꯥ ꯀꯔꯤ ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯂꯤꯕꯥ
ꯊꯦꯡꯂꯦ ! ꯀꯔꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯅꯥ ꯚꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ॥

꯲꯰।꯰꯲।꯰꯶

থেংমল্লে ধ্রুবতারা

হাংল অতিযাই ধ্রুবা তারাও
তানখ্রো তাল্লুম্বা নশেক নঙাম্বা,
হিবা যুক্তানা থাম্লে লৈতেংও
উদ্রে চেংলৌ অমম্বৈ মৈখুনা,
ফাঙ্গোং তম চৎলিনি লম্বীশিদা
হঙ্গৎ হন্দা যরৈগ্রে যৌবদি,
তীঙথং তুম্বৌ অমম্বৈ জঙ্গলদা
ঈথেং নুংথেং মথক্লে ঈচেলদি,
চীংহি শম্বাল লাংলুবু থাজগী
কোরৌ হনবসু মীৎয়েং পৈরক্লে,
কুম্মৈ তৈনরা থরান কোত্তিগী
থাজৈ থম্মোয কীশি কোমথোরক্লে,
কনাদা করি খুদুম শিংলিবা
থেংলে ! করি থম্মোয়না ভাইরিবা ।

২০ /০৩ /০৬

ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯄꯤꯗꯥ

ꯍꯥ ꯁꯤꯡꯉꯦꯜ ꯅꯨꯄꯥ ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯄꯤꯗꯣ
ꯅꯈꯣꯌ ꯅꯥꯆꯣꯝꯕ ꯅꯟꯗꯟ ꯀꯥꯅꯟꯒꯤ,
ꯍꯥꯎꯕꯪ ꯅꯥꯄꯣꯝꯒꯤ ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯍꯥꯎꯕꯗꯣ
ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯎꯗꯦ ꯃꯉꯥꯜ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ,
ꯀꯔꯤꯗꯤ ꯇꯅꯤꯛ ꯉꯥꯜꯂꯤ ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ
ꯃꯥꯂꯪ ꯅꯥꯄꯜ ꯉꯝꯃꯕ ꯉꯝꯂꯕꯅꯦ,
ꯏꯌꯨꯝ ꯀꯥꯔꯛꯂꯤ ꯃꯤꯠꯂꯨꯏ ꯂꯥꯏꯖꯅꯥ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯄꯥꯟꯕ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯨ ꯈꯪꯕꯅꯦ;
ꯈꯣꯉꯗꯥꯔꯣ ꯅꯈꯣꯌ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯝꯂꯦꯃꯗꯥ
ꯀꯣꯛꯁꯦꯠꯄꯨ ꯁꯥꯔꯣ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡꯁꯨ ꯅꯥꯔꯣ,
ꯇꯤꯟꯐꯥ ꯃꯊꯦꯛ ꯊꯦꯛꯍꯜꯂꯣ ꯏꯔꯦꯂꯗꯥ
ꯈꯨꯉꯆꯦꯠ ꯂꯥꯛꯁꯤꯜꯂꯣ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯈꯕꯣ,
ꯐꯥꯔꯥ ꯁꯝꯂꯥꯡ ꯄ꯭ꯔꯂꯌ ꯃꯩꯀꯥꯝꯁꯤꯡꯅꯤ
ꯐꯝꯊ' ꯎꯠꯄꯨꯡ ꯊꯔꯥꯏ ꯃꯤꯔꯦꯜꯁꯪꯅꯤ ॥

꯲꯰।꯰꯳।꯰꯶

খোংজোমনুবীদা

হা শিঙেল নুবা খোংজোমনুবীও
নখোয় নাচোম্রা নন্দন কাননগী,
হাওবং নাপোমগী তাংখুল হাওবও
করিগী উদে মঙাল মখোয়গী,
করিদি তনিক ঙাল্লি নখোয়না
মালং নাপল ঙম্মবা ঙম্লবনে,
ঈয়ুং কারক্লি মীৎলুই লাইজনা
থম্মোয় পানবা থম্মোয়দু খংবনে;
খোঙদারো নখোয় অমুক লম্লেমদা
কোকশেৎপু শারো কোকথোংসু নারো,
তিনফা মথেক থেকহল্লো ঈরেলদা
খুঙচেৎ লাকশিল্লো মালেম পুখবো,
ফারা শম্লাং প্রলয় মৈকামশিংনি
ফমথ' উৎপুং থরায় মীরেলশংনি।

২০/০৩/০৬

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥

[illegible]

তুমখো অমুবা নুংশাশুর

হে মালংবও লেম্বুনে নঙবো
ঋতুরাজ হল্লক্লে খঙদে কৈগী,
যৌঙমদা লৈতে তাক্লিব্রা নঙবো
থরাযবু করেম্মা লাক্লে কৈগী,
থরায ফিমন খুল্লসু নোক্লিনে
নমদুনা ফত্রি ফিদা থাদনা ,
ঙক মেত্তুনা নহাকপু তাল্লিনে
হমঙল্লোই মালেম হনচক ঙাচক্লা;
লৌজৌ চরৈশে নঙনা চুখ্রবা
লিরু নপুদা ফুঙ্গা ব্রারিসু,
শোনজৌ শোয়োনবু শিংকুপ শাখ্রবা
মনিংথোঙ চগুম্নি খুং' পাইরিসু,
নখোয নোক্লি তাইবঙগী তেংথাদা
শক্তম লাংলি লিলাই ফম্বাকশিদা ।

২৩/০৩ /০৬

ꯈꯨꯗꯣꯡꯒꯤꯗꯨꯅꯅꯤ ꯍꯣꯢꯔꯤꯕꯁꯦ ꯃꯪꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯂꯤꯅꯦ ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯃꯤꯕꯥꯎꯈꯣꯜꯗꯨꯏ
ꯃꯪꯐꯥꯎꯕꯦ ꯃꯪꯂꯥꯛꯂꯥ ꯃꯤꯠꯀꯞꯇꯨꯗꯥ,
ꯇꯝꯃꯦ ꯇꯥꯏꯕꯪꯁꯤꯗꯁꯨ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗꯨꯏ
ꯆꯣꯡꯊꯠꯂꯤꯅꯤ ꯊꯡꯄ꯭ꯂꯦꯛ ꯊꯡꯂꯕꯗꯥ,
ꯍꯥꯅꯨꯃꯥꯟꯃꯛꯂꯥ ꯒꯔ꯭ꯚ ꯇꯜꯂꯤꯅꯤ
ꯃꯤꯡꯁꯦꯜꯗꯅꯤ ꯒꯣꯡ ꯔꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯨꯕꯤꯕꯥ,
ꯁ꯭ꯔꯦꯡ-ꯁ꯭ꯔꯥꯡ । ꯕ꯭ꯔꯨ-ꯕ꯭ꯔꯨ । - ꯃꯍꯤꯛꯁꯤꯡꯁꯤꯅꯅꯤ
ꯀꯗꯥꯏ । ꯃꯕꯩꯅꯤꯅꯦ ꯇꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯥ,
ꯅꯣꯡꯊꯥꯡꯒꯤ ꯃꯤꯠꯆꯤꯅꯤ ꯊꯠꯂꯛꯂꯤꯁꯦ
ꯃꯕꯩꯗꯤ ꯅꯇ꯭ꯇꯦꯅꯦ ꯕ꯭ꯔꯖꯁꯤꯕꯣ,
ꯕꯖ꯭ꯔꯦ ꯁꯥꯟꯅꯄꯣꯠꯅꯤ ꯄꯤꯔꯛꯂꯤꯁꯦ
ꯃꯈꯣꯏꯁꯨ । ꯅꯈꯣꯏꯗꯁꯨ । - ꯑꯩꯈꯣꯏꯕꯣ
ꯈꯨꯗꯣꯡꯒꯤ ꯃꯇꯣꯝꯗꯨꯅꯤꯅꯦ । - "ꯅꯪꯁꯨ"
ꯍꯣ ꯏꯃꯥꯎ । ꯑꯩꯍꯥꯛꯊꯛꯀꯗꯁꯨ ॥

꯲꯳।꯰꯳॥꯰꯶

খুদোঙ্গীদুননি হোইরিবশে মংলৈবাক্তা

খোনজেল্লিনে মীৎকপ মীবাওখোলদুই
মঙফাওবে মঙলাক্লা মীৎকপতুদা,
তম্মে তাইবঙশিদসু সংসাবদুই
চোংথৎলিনি থংপ্লেক থংলবদা,
হানুমানমক্লা গর্ভ তল্লিনি
মিংশেলদনি গোং রাইশিল্লুবিবা,
শ্রেং-শ্রাং! ব্রু-ব্রু! - মহীকশিংশিননি
কদাই! মবৈনিনে তল্লক্লিবা,
নোংথাঙগী মীৎচিনি থৎলক্লিসে
মবৈদি নত্তেনে ব্রজশিবো,
বজ্রে শান্নপোৎনি পীরক্লিসে
মখোয়সু! নখোয়দসু! - ঐখোয়বো,
খুদোঙ্গী মতোম্দুনিনে! - "নঙসু"
হো ইমাও! ঐহাকথক্কদসু।

২৩/০৩/০৬

ꯃꯪ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯦ

ꯅꯇꯇꯦ । ꯂꯩꯁꯤ ꯃꯕꯛꯇꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ
'ꯗꯨꯗꯤ - ꯏꯆꯦꯜꯁꯨ ꯚꯧꯁꯣꯛ ꯚꯧꯔꯕꯥ,
ꯈꯪꯗꯤ । ꯈꯣꯜꯂꯥꯡ ꯈꯣꯡꯉꯨꯜꯗꯦ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯒꯤ
ꯍꯦ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯔꯥꯈꯂꯁꯦ ꯊꯦꯝꯖꯤꯜꯂꯨꯕꯥ,
ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯅꯉꯕꯨꯁꯨ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯇꯧꯔꯅꯨ
ꯎꯗ꯭ꯔꯥ । ꯈꯣꯡꯗꯦꯁꯦ ꯒꯗꯥ ꯄꯥꯏꯗꯨꯅꯤ,
ꯇꯄ꯭ꯂꯥꯅꯥ ꯊꯧꯁꯨ ꯅꯤꯟꯗꯥ ꯇꯧꯔꯨꯅꯨ
ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯉꯥꯏꯔꯤ ꯃꯌꯝꯁꯨꯛ ꯃꯃꯗꯨꯏꯅꯤ,
ꯅꯣꯛꯔꯦ ꯉꯥꯏꯔꯝꯂꯤ ꯁꯅꯥꯏ ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯁꯨ
ꯌꯣꯡꯂꯩ ꯀꯥꯡ ꯑꯁꯡ ꯐꯤꯖꯣꯜꯍꯜꯂꯁꯤ,
ꯃꯔꯨ ꯀꯣꯛꯔꯦ ꯆꯤꯡꯌꯥ ꯇꯃꯌꯥꯗꯨꯁꯨ
ꯉꯛꯇꯦ ꯊꯧꯗ꯭ꯔꯤ ꯀꯣꯡꯉꯣꯏ ꯍꯛꯇꯣꯛꯔꯦꯁꯤ,
ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯂꯁꯤ ꯈꯨꯕꯥꯝ ꯇꯤꯡꯅꯕꯩ
ꯈꯨꯕꯥꯝ ꯇꯤꯡꯂꯁꯤ ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯅꯕꯩ ॥

꯲꯶।꯰꯳।꯰꯶

মং লৈবাক্তে

নত্তে! লৈশি মবক্তা মখোয়গী
'দুদি - ঈচেলসু ভৌসোক ভৌরবা,
খংডী! খোল্লাং খোঙ্গুলদে খোঙথাংগী
হে পুক্রিং রাখলশে থেমজিল্লুবা,
থম্মোয় নঙবুসু নিংঙাই তৌরনু
উদ্রা! খোঙদেশে গদা পাইদুনি,
তপ্লানা থৌসু নিন্দা তৌরুনু
ঐখোয়না ঙাইরি মযম্‌সুক মমদুইনি,
নোক্রে ঙাইরম্লি সনাই খোংনাংসু
য়োংলৈ কাং অশং ফিজোলহল্লশি,
মরু কোক্রে চীংযা তময়াদুসু
ঙক্তে থৌদ্রি কোঙ্গোই হক্তোক্রেশি,
খুদুম শিংলশি খুবাম তিংনবৈ
খুবাম তিংলশি খুদুম শিংনবৈ।

২৬/০৩/০৬

ꯍꯨꯏ-ꯍꯨꯏ !

ꯍꯨꯏꯁ । ꯍꯨꯏ-ꯍꯨꯏ ! ꯍꯨꯏꯕꯣꯏ ꯍꯟꯖꯕꯟꯕꯣ
ꯑꯃꯥ ꯁꯤꯕꯕꯥ । ꯑꯅꯤ । ꯇꯥꯕꯥꯁꯨ ...,
ꯁꯥꯗꯥꯟꯁꯤ ꯌꯨꯝ ꯁꯉꯎ ꯆꯥꯛꯊꯥꯛꯂꯤꯕꯣ
ꯄꯨꯀꯣꯛ ꯄꯨꯔꯣꯜ ꯄꯊꯥꯡ ꯅꯥꯏꯊꯥꯡꯗꯩꯁꯨ,
ꯁꯪꯒꯥꯏ ꯁꯪꯂꯦꯟ ꯁꯪꯒꯥꯗꯩ ꯁꯪꯒꯨꯟꯅ
ꯃꯣꯡꯐꯝ ꯇꯥꯟꯃꯤꯟꯅꯔꯤ ꯀꯩ ꯌꯣꯛꯇꯨꯅꯥ,
ꯁꯅꯥ ꯁꯣꯔꯣꯛꯊꯛ ꯗꯣꯜꯂꯥꯏꯗꯥ ꯂꯦꯡꯂ
ꯈꯣꯡꯕꯥꯟ ꯂꯨꯀꯂꯥꯡꯗꯥ ꯃꯤꯕꯛ ꯅꯥꯔꯛꯂꯥ,
ꯆꯤꯟꯗꯝꯕꯦ ꯄꯛꯂꯤ ꯔꯦꯕꯤꯁ ꯃꯍꯤꯀꯁꯤꯡ
ꯈꯣꯡꯅꯨ - ꯈ꯭ꯔꯣ-ꯈ꯭ꯔꯣ - ꯎꯕꯤꯔꯣꯏ - ꯏꯈꯦꯡꯁꯦ,
ꯄꯇꯥꯂꯗꯥ ꯃꯈꯧ ꯁꯪꯂꯨ ꯍꯨꯏꯌꯥꯁꯤꯡ
ꯍꯧꯔꯣ ꯑꯇꯤꯪꯉꯥ ꯂꯩꯔꯣꯜ ꯆꯅꯁ꯭ꯂꯁꯦ,
ꯍꯨꯏꯒꯪ ꯊꯥꯡꯖꯣ ꯊꯔꯥꯌꯑꯣ ꯊꯔꯥꯌꯒꯤ
ꯀꯣꯕ ꯊꯥꯔꯣ ꯃꯔꯨꯞꯂꯣꯏ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ॥

꯲꯸।꯰꯳।꯰꯶

হুই-হুই !

হুইশ ! হুই - হুই ! হুইবোই হনজবনবো -
অমা শিববা ! অনী ! তাবাসু ...
শাদানশি যুম শঙউ চাকথাক্লিবো
পুকোক পুরোল পথাং নাইথাংদৈসু,
শঙ্গাই শংলেন শঙ্গাদৈ শঙ্গুন্ন
মোংফম তানমিন্নরি কৈ যোক্তুনা,
সনা শোরোকথক দোল্লাইদা লেংল
খোংবান লুকলাংদা মীবক নারক্লা:
চীন্দম্বে পক্লি রেবিশ মহীকশিং
খোংনু - খ্রো-খ্রো - উবিরোই - ঈখেংসে,
পতালদা মখৌ শংলু হুইয়াশিং
হৌরো অতীংঙা লৈরোল চনস্লসে,
হুইগং থাংজো থরায়ও থরায়গী
কোব থারো মরুপ্লোই পুন্সিগী ।

২৮/০৩/০৬

ꯃꯈꯨꯠ ꯍꯥꯏꯔꯛꯂꯦ ꯃꯪꯐꯝꯅꯥ

ꯅꯨꯡꯍꯤꯛꯀꯥ ꯇꯇ꯭ꯇ ꯀꯧꯔꯦ ꯃꯪꯐꯝꯅꯥ
ꯅꯥ ꯄꯪꯗ ꯎꯏꯁꯤꯟꯅꯒꯕꯨ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯥ,
ꯄꯥꯡꯂꯣ ꯍꯤꯞꯂꯦꯅꯨ ꯂꯦꯡꯈ꯭ꯔꯣ ꯅꯥꯔꯦꯡꯅꯥ
ꯊꯥꯛꯀꯅꯈꯥ ꯑꯁꯤ ꯆꯥꯛꯌꯣꯝ ꯇꯪꯅꯤꯡꯗ꯭ꯔꯥ,
ꯇꯥꯅꯨ ꯇꯥꯠꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤꯁꯦ
ꯑꯍꯟ ꯐꯤꯖꯣꯟꯅꯥ ꯅꯪ ꯗꯥꯏꯍꯧꯔꯤꯕꯤꯅꯤ.
ꯀꯗꯥꯏ ꯅꯪꯒꯤ ꯈꯨꯖꯦꯡ ꯄꯥꯜꯂꯣꯏꯒꯦꯁꯦ
ꯁꯨꯃꯍꯠꯁ꯭ꯔꯣ । ꯂꯩꯕꯥꯡ ꯃꯥꯂꯪ ꯂꯩꯀ꯭ꯀꯣꯟꯅꯤ,
ꯅꯈꯨꯠꯅꯥ ꯅꯪꯀ ꯃꯦꯠꯅꯨ ꯕꯤꯗ꯭ꯔꯣꯍꯤ
ꯐꯤꯆꯨ ꯊꯜꯂꯨ ꯂꯩꯔꯝꯃꯤ ꯆꯥꯟꯅꯥ'ꯃꯥ,
ꯂꯝꯊꯥꯏ ꯄꯥꯟꯖꯤꯟꯐꯝ ꯍꯩꯒ꯭ꯔꯨ ꯍꯤꯗꯣꯡ-ꯍꯤ
ꯊꯛꯀꯥ ꯊꯥꯗ꯭ꯗꯥ ꯊꯜꯂꯨꯀꯣ ꯂꯝꯕꯤ'ꯃꯥ,
ꯀꯪꯒꯨ ꯄꯦꯟꯅꯥ ꯃꯪꯐꯝꯅꯨ ꯇꯥꯟꯕꯒꯤ
ꯅꯣꯛꯎ ꯄꯦꯟꯅꯥ ꯃꯪꯐꯝꯅꯥ ꯇꯥꯟꯕꯒꯤ ॥

꯱꯶।꯰꯸।꯰꯵

মখুৎ হাইরক্লে মংফম্না

নুংহিক্কা তত্ত কৌরে মংফম্না
না পংদ উইশিন্নগবু তাদ্রো,
পাংলো হিপ্লেনু লেংখ্রো নারেংনা
থাক্কনখা অশি চাকয়োম তংনিংদ্রা,
তানু তাৎনি তাইবঙনা তৌরিসে
অহন ফিজোন্না নঙ ডাইহৌরিবিনি ,
কদাই নঙগী খুজেং পাল্লোইগেসে
শুমহৎস্রো ! লৈবাং মালং লৈক্কোন্নি;
নখুৎনা নঙক মেৎনু বিদ্রোহী
ফিচু থল্লু লৈরম্মি চান্না'মা,
লমথাই পানজিনফম হৈগ্রু হীদোং-হী
থক্কা থাদ্দা থল্লুকো লম্বী'মা,
কঙ্গু পেন্না মংফম্নু তানবগী
নোকউ পেন্না মংফম্না তানবগী ।

২৮/০৭/০৬

ꯌꯥꯎꯁꯪ ꯃꯔꯥꯊꯣꯟ

ꯏꯔꯩꯀꯥꯏ ꯏꯔꯝ ꯏꯃꯥꯏ ꯏꯃꯧꯁꯥ -
ꯁ꯭ꯋꯥ ꯫ ꯃꯩꯅꯝ ꯃꯩꯕꯤꯂꯛꯇꯥ ꯐꯤꯔꯥꯂꯗꯣ
ꯆꯦꯜꯂꯛꯂꯦ ꯫ ꯊꯩꯗꯣꯛꯎ ꯌꯥꯡꯗꯧ ꯁꯡꯁꯥ
ꯂꯃꯦꯖꯟꯅꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯂꯩꯗꯥ ꯇꯥꯛꯂꯤꯗꯣ,
ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯈꯣꯟꯊꯥꯡꯅꯥ
ꯅꯤꯀꯄꯩ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯛꯀꯆꯪ ꯆꯦꯛꯊꯥꯏꯕꯤ,
ꯈꯨꯡꯊꯦꯛ ꯇꯝ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ ꯎꯐꯨꯜꯂꯤꯛꯀꯥ
ꯆꯣꯔꯐꯣꯟ ꯃꯅꯥꯅꯤ ꯃꯧꯁꯤꯡ ꯃꯨꯟꯅꯔꯤ;
ꯍꯤ-ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯀꯥ ꯄꯟꯊꯨꯡꯕꯨ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯃꯁꯜ ꯀꯥꯅꯥ ꯃꯁꯤꯡꯒꯥ ꯐꯨꯛꯀꯤꯅꯤ,
ꯅꯥ ꯇꯥꯊꯤꯁꯤꯡ ꯈꯨꯕꯥꯛꯀꯨꯝ ꯈꯨꯔꯤꯕꯥ
ꯃꯤꯡꯂꯨꯏ ꯂꯥꯏꯖ ꯏꯁꯇꯣꯞꯄꯥ ꯁꯤꯡꯄꯅꯤ,
ꯄꯖꯦꯡ ꯐꯤꯔꯥꯂꯆꯩ ꯀꯟꯅꯥ ꯌꯨꯡꯂꯝꯕꯨ
ꯅꯣꯡꯍꯧ ꯅꯣꯡꯂꯩꯁꯨ ꯁꯃꯥꯏ ꯊꯩꯔꯝꯕꯨ ॥

꯳꯰।꯰꯳।꯰꯶

য়াওশং মরাথোন

ইরৈকাই ইরম ইমাই ইমৌশা -
শ্বা ! মৈনম মৈবীলক্তা ফীরালদো ...
চেল্লক্লে ! থৈদোকউ য়াংদৌ শংশা
লমেজন্না মালেম লৈদা তাক্লিদো,
খোঙথাং খোঙথাং খুদিংগী খোন্থাংনা
নিকপৈ মালেম লৈত্রক্কচং চেকথাইবি,
খুংথেক তম মালংদা উফুল্লিক্কা
চোরফোন মনানি মৌশিং মুন্নরি:
হি-হি নোক্কা পন্থুংবু তাল্লিবা
মশল কানা মশিঙ্গা ফুক্কিনি,
না তাথিশিং খুবাক্কুম খুরিবা
মীংলুই লাইজ ইশতোপ্পা শিংপনি,
পজেং ফীরালচৈ কন্না য়ুংলম্বু
নোংহৌ নোংলৈসু শমাই থৈরম্বু ।

৩০ /০৩ /০৬

ꯑꯍꯤꯡꯕ ꯁꯝꯕꯨꯗꯣ

ꯊꯥꯖꯒꯤ ꯊꯦꯡꯂ ꯑꯇꯤꯌꯥꯗꯅꯤ
ꯁꯝꯕꯨꯗꯣ ꯉꯥꯜꯂꯤ ꯙ꯭ꯔꯨꯕ-ꯇꯥꯔꯥꯒꯤ,
ꯅꯣꯡꯉꯥꯜꯂꯝꯗꯥꯏ ꯁꯖꯤꯛ ꯏꯀꯥꯏꯔꯤꯅꯤ
ꯍꯤ-ꯌꯥꯏꯁꯨꯅꯤ ꯑꯣꯏꯊꯪꯕꯩ ꯈꯖꯥꯏꯒꯤ,
ꯊꯥꯖ-ꯊꯥꯅꯤꯜ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯅꯣꯡꯖꯤꯜꯒꯤꯗꯤ
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯂꯩꯀꯣꯟꯅꯨꯡꯁꯤꯗꯥ ꯉꯥꯜꯂꯨꯛꯀꯣ,
ꯇꯅꯤꯛꯀ ꯅꯉꯥꯝꯅꯤꯅꯦ ꯅꯉꯒꯤꯗꯤ
ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯩ ꯊꯥꯁꯤ ꯅꯥꯊꯩꯔꯝꯃꯨꯛꯀꯣ;
ꯊꯧꯗꯨꯅꯨꯡꯕꯨ ꯑꯣꯜꯂꯕ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯦ
ꯀꯥꯑꯣꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏ ꯇꯥꯑꯣꯍꯜꯂꯦ ꯏꯆꯦꯟꯗꯨꯅꯥ,
ꯉꯥꯏꯈꯣ ! ꯆꯥꯝꯊꯣꯛꯀꯦꯁꯤꯔꯅꯦ ꯅꯉꯁꯦ
ꯈꯣꯡꯍꯥꯡ ꯗ꯭ꯔꯤꯎ ꯏꯔꯥꯑꯣꯂꯛꯀꯅ ꯑꯩꯒꯨꯝꯅꯥ,
ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯣ ! ꯍꯛꯀꯅꯨ ꯁꯨꯝꯍꯠꯌꯥꯏꯅꯁꯨ
ꯃꯩꯔꯥꯅꯕꯤꯅꯤ ꯃꯩꯔꯤꯗꯨꯏ ꯇꯥꯏꯕꯪꯁꯨ ॥

꯳꯰।꯰꯳।꯰꯶

অহীংবা শম্বুদো

থাজগী থেংল অতিয়াদনি
শম্বুদো ঙাল্লি ধ্রুব-তারাগী,
নোংঙাল্লমদাই শজিক ইকাইরিনি
হি-য়াইসুনি ওইথংবৈ খজাইগী,
থাজ-থানিল থম্মোয় নোংজিলগীদি
পুক্রিং লৈকোন্নুংশিদা ঙাল্লুক্কো,
তনিক্ক নঙাম্নিনে নঙগীদি
পুন্সিদৈ থাশি নাথৈরম্মুক্কো;
থৌঁদুনুঙবু ওল্লবা থম্মোয়সে
কাওশিং ওই তাওহল্লে ঈচেন্দুনা,
ঙাইখো ! চামথোক্কেশিরনে নঙসে
খোঙ্হাং দ্রিউ ঈরাওলকঁ ঐগুম্না,
পুখ্রো ! হক্কনু শুমহৎয়াইনসু
মৈরানবীনি মৈরীদুই তাইবঙসু ।

৩০ /০৩ /০৬

[illegible]

ꯈꯨꯝꯖꯤꯟꯈꯨꯕꯗꯥ ꯃꯥꯏꯈꯨꯝꯐꯤ

ꯍꯦ ꯃꯥꯂꯪꯕꯥ ꯀꯟꯅꯔꯔꯣꯏ ꯍꯟꯈꯣ -
ꯊꯣꯡ ꯊꯣꯡꯅꯥꯎꯁꯨ ꯉꯝꯃꯥ ꯂꯣꯜꯂꯕꯅꯤ,
ꯊꯥꯒꯤꯁꯨ ꯔꯥꯡꯒꯤꯁꯨ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯍꯨꯝꯈꯣ
ꯎꯕꯦ - ꯇꯥꯔꯦ - ꯈꯉꯉꯦ - ꯃꯤꯍꯧꯗ꯭ꯔꯅꯤ,
ꯃꯨꯛꯇꯥꯏ ꯃꯉꯥꯜ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯥ
ꯊꯛꯀꯠꯄꯥ ꯉꯛꯂꯣꯏ ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯃꯤꯠꯇꯥꯡꯗꯥ,
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯇꯤꯡꯈꯪ ꯇꯨꯝꯕꯧꯁꯨ ꯇꯨꯝꯍꯟꯅꯥ
ꯆꯩꯁꯨ ꯁꯨꯁꯨ ꯈꯨꯔꯨꯝ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯗꯨꯗꯥ;
ꯉꯛꯂꯤꯕꯨ ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯆꯨꯝꯅꯥ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯁꯨ -
ꯄꯟꯊꯥꯡ ꯁꯤꯔꯤꯗꯥ ꯊꯛꯇꯝ ꯀꯥꯈꯤꯕꯥ,
ꯈꯨꯔꯧ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯈꯥꯔꯣꯝꯗꯥ ꯉꯝꯅꯁꯨ
ꯅꯥꯀꯣꯏꯔ ꯎꯐꯨꯜ ꯈꯣꯡꯒꯨꯜ ꯊꯩꯔꯤꯕꯥ,
ꯌꯥꯜꯂꯤ ꯇꯣꯛꯂꯤꯡ ꯀꯦꯜꯂꯛꯂꯤ ꯀꯩꯗꯧꯉꯩ
ꯔꯥꯍꯪ ꯆꯝꯃꯅꯤ ꯐꯝꯕꯥꯜꯁꯨꯝ ꯇꯣꯡꯉꯩ ॥

꯳꯰।꯰꯳

খুমজিনখুবদা মাইখুমফি

হে মালংবা কান্নররোই হনখো -
থোঙ থোঙনাওসু ঙম্মা লোল্লবনি,
থাগীসু রাংগীসু লোইনা হুমখো
উবে-তারে - খঙঙে - মীহৌদ্রনি,
মুক্তাই মঙাল মালংদা মঙলাক্লা
থক্কৎপা ঙক্লোই মায়াই মীৎতাংদা,
তাইবঙ তীঙখং তুম্বৌসু তুমহন্না
চৈসু শুসু খুরুম খোঙ্থাংদুদা:
ঙক্লিবু তিংনা চুম্না মীৎযেংসু -
পনথাং শিরিদা থক্তম কাখিবা,
খুরৌ খুদ্দিং খারোমদা ঙম্নসু
নাকোইর উফুল খোঙ্গুল থৈরিবা,
যাল্লি তোক্লিং কেল্লক্লি কৈদৌঙৈ
রাহং চাম্মনি ফম্বালসুম তোংঙৈ ।

৩০/০৩/০৬

ꯇꯦꯟꯖꯩꯗꯨꯒꯤ ꯇꯦꯟꯗꯣꯟꯗꯨꯅꯥ

ꯆꯤꯟꯕꯥꯟꯗꯨꯒꯤ ꯆꯤꯟꯗꯣꯟꯗꯨꯕꯨ ꯂꯨꯛꯊꯧ
ꯌꯥꯡꯅꯥ ꯆꯨꯝꯂꯨꯁꯨ ꯄꯥꯏꯊꯈꯤꯒꯅꯤ,
ꯃꯩꯔꯤꯒꯤꯗꯤ ꯁꯩꯖꯥꯗꯨꯗꯥ ꯍꯤꯞꯊꯧ
ꯁꯪꯖꯤꯜꯂꯩꯗꯨꯁꯨ ꯃꯩꯇꯥꯟ ꯃꯆꯨꯅꯤ,
ꯅꯤꯡ-ꯃꯥꯡꯒꯤ ꯊꯥ-ꯔꯥꯡꯗꯕꯨ ꯊꯩꯔꯁꯨ
ꯃꯔꯥꯏꯗꯤ ꯂꯨꯛꯊꯔꯛꯂꯤ ꯊꯥꯔꯣꯝꯗꯥ,
ꯄꯜꯂꯨꯡ ꯊꯤꯔꯛꯂꯤꯅꯤ ꯍꯟꯗꯨꯅꯁꯨ
ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯄꯩꯔꯛꯂꯤꯗꯨꯅꯥ ꯀꯗꯣꯝꯗꯥ.
ꯐ꯭ꯔꯦ-ꯐ꯭ꯔꯦ ꯀꯣꯛꯇꯣꯟꯗꯨꯇꯕꯨ ꯇꯝꯃꯨꯅꯦ
ꯑꯃꯨꯛ ꯀꯨꯜꯂꯨꯛꯔꯣꯏꯗꯣ ꯌꯧꯊ꯭ꯔꯗꯤ,
ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ ꯊꯩꯊ꯭ꯔꯁꯨ ꯇꯥꯏꯕꯪꯅꯤꯅꯦ
ꯍꯥꯅꯧ ꯍꯧꯔꯩꯅꯤ ꯎꯠꯄꯨꯡꯗꯨꯗꯗꯤ,
ꯇꯦꯡꯒꯥꯗꯦ ꯇꯦꯟꯖꯩꯅꯥ ꯇꯦꯟꯗꯝꯃꯨꯅꯥ
ꯍꯩꯊꯨꯜꯂꯥ ꯍꯩꯈꯥꯔꯥ ꯍꯦꯛꯍꯜꯂꯨꯅꯥ ॥

꯳꯰।꯰꯳।꯰꯶

তেনজৈদুগী তেন্দোন্দুনা

চীনবান্দুগী চীন্দোন্দুবু লুকথৌ
যাঙনা চুম্লুসু পাইথখিগনি,
মৈরীগীদি শৈজাদুদা হিপথৌ
শংজিল্লৈদুসু মৈতান মচুনি,
নিং-মাংগী থা-রাংদবু থৈরসু
মরাইদি লুকথরক্লি থারোমদা,
পল্লুং থিরক্লিনি হন্দুনসু
মীৎযেং পৈরক্লিদুনা কদোমদা;
ফ্রে-ফ্রে কোক্তোন্দুতবু তম্মুনে
অমুক কুল্লুকরোইদো যৌথ্রদি,
মালংদা থৈথ্রসু তাইবঙনিনে
হানৌ হৌরৈনি উৎপুংদুদদি,
তেঙ্গাদে তেনজৈনা তেন্দম্মুনা
হৈথুল্লা হৈখারা হেকহল্লুনা।

৩০/০৩/০৬

꯸ ꯄꯥꯝꯕꯤ

ꯃꯥꯂꯪ ꯈꯨꯔꯛ ꯆꯤꯡ ꯃꯥꯂꯦꯝ - ꯂꯩꯗꯅꯤ
ꯑꯃꯃꯗꯥ ꯂꯣꯡ ꯃꯗꯣꯝ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯗꯨꯗꯥ,
ꯃꯇꯣꯟ ꯊꯤꯟꯗꯣꯕꯛ ꯁꯥꯔꯦꯞ ꯇꯥꯜꯂꯤꯅꯤ
ꯃꯤꯡꯌꯦꯡ ꯁꯥꯡꯈꯩ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯇꯥꯜꯂꯛꯂꯗꯥ,
ꯈꯌꯥꯠ ꯀ꯭ꯔꯛ-ꯆꯤꯛ ꯈꯨꯗꯨꯝꯕꯨ ꯁꯤꯡꯂꯛꯀꯏ
ꯍꯩꯄꯥꯜ ꯇꯟꯅ ꯃꯆꯨ ꯑꯃꯨꯕꯒꯤ,
ꯁꯔꯧ ꯂꯥꯡ ꯂꯥꯡꯊꯥꯛ ꯂꯥꯟꯁꯤꯡꯅꯕꯀꯏ
ꯃꯇꯨꯝ ꯃꯇꯨꯝꯗꯨꯝ ꯌꯥꯟꯊꯦ ꯎꯐꯦꯒꯤ,
ꯆꯔꯣꯏ ꯇꯦꯇꯨ ꯎꯔꯨꯝ ꯎꯈꯥ-ꯊꯥꯔꯤ
ꯐꯣꯡꯂꯨꯗꯦ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡ ꯐꯜꯂꯞ ꯐꯂꯞꯄꯥ,
ꯂꯪꯖꯥ ꯐꯥꯛꯔꯥ ꯁꯪꯉꯥ ꯁꯪꯉꯨꯔꯤ
ꯉꯖꯥꯎ ꯐꯥꯔꯤꯅꯤ ꯂꯨꯖꯥꯎ ꯊꯨꯝꯗꯨꯅꯥ,
ꯎꯁꯥꯊꯛ ꯅꯤꯛꯂꯤ ꯃꯀꯨ ꯆꯣꯡꯈꯨꯁꯨ
ꯊꯥꯁꯤ ꯑꯍꯤꯡꯅꯤ ꯎꯍꯦ ꯀꯦꯜꯂꯤꯁꯨ ॥

꯰꯱|꯰꯴|꯰꯶

৮ পাম্বী

মালং খুরক চীং মালেম-লৈদনি
অমমদা লোং মদোম খোঙথাংদুদা,
মতোন থিন্দোবক শারেপ তাল্লিনি
মীংযেং শাংখৈ লান্না তাল্লক্লদা,
খযাৎ ক্রক-চিক খুদুমবু শিংলকই
হৈপাল তন্ন মচু অমুবগী,
শরৌ লাং লাংথাক লানশিংনবকই
মতুম মতুমদুম যান্থে উঁফেগী;
চরোই তেতু উরুম উখা-থারি
ফোংলুদে পাউখোং ফল্লপ ফলপ্পা,
লংজা ফাক্রা শঙ্গা শংঙ্গুরি
ঙজাও ফারিনি লুজাও থুমদুনা,
উশাথক নীক্লি মকু চোংখুসু
থাশি অহিংনি উঁহে কেল্লিসু ।

০১ /০৪ /০৬

ꯁꯤꯟꯁꯪ

ꯏꯍꯦ । ꯌꯨꯕꯥ - ꯌꯨꯕꯤ - ꯌꯧꯔꯛꯂꯦꯅꯦ -
ꯑꯁꯤ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯨꯗꯧ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯤ,
ꯃꯤꯠ ꯃꯌꯣꯝ ꯀꯤꯗꯅꯤ ꯆꯔꯣꯡꯁꯤꯅꯦ
ꯅꯨꯄꯤꯃꯆꯥ ꯄꯦꯛꯂꯦꯠ - ꯅꯨꯄꯥꯃꯆꯥ ꯊꯥꯎꯗꯤ,
ꯍꯣꯏꯅꯦ - ꯑꯔꯦꯝꯃꯈꯩ ꯁꯦꯟꯗꯣꯡꯅꯤ ꯄꯤꯈꯣ
'ꯗꯨꯕꯨ - ꯁꯨꯅꯩ ꯁꯤꯟꯃꯤꯗꯤ ꯊꯎꯗꯦꯅꯥ,
ꯍꯩ । ꯅꯅꯥꯑꯣꯅꯨꯄꯤ - ꯅꯅꯦꯝ ꯌꯦꯄꯁꯤꯟꯈꯣ
ꯏꯍꯦ । ꯅꯈꯨꯔꯥ ꯅꯇꯣꯟ ꯄꯣꯠꯍꯥꯄꯅꯥ,
ꯍꯩꯃꯥ । ꯎꯌꯨꯡ - ꯅꯅꯥꯗꯨꯕꯨ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯣ -
ꯍꯣꯏꯅꯦ - ꯑꯔꯥꯡꯇꯥ ꯗ꯭ꯔꯃꯗꯨ ꯌꯣꯛꯂꯣꯛꯈꯦ,
'ꯗꯨꯕꯨ - ꯅꯀꯣꯀꯨ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯥ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯣ
ꯆꯨꯝꯃꯤꯍꯦ - ꯇꯨꯝꯕꯥꯁꯨ ꯑꯁꯥꯏ ꯄꯨꯈꯦ,
ꯑꯥꯁ । ꯀꯩꯅꯤꯅꯥ - ꯀꯩꯗꯧꯉꯒꯤ - ꯀꯥꯏꯗꯩ
ꯑꯍ । ꯑꯩꯒꯤꯅꯤ - ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯁꯤꯗꯥ - ꯖ-ꯃ-ꯗꯩ -

꯰꯱।꯰꯸।꯰꯶

শিনশং

ইহে ! য়ুবা - য়ুবী - যৌরক্লেনে -
অশি মখোয়না পুদৌ পোৎশিংদি,
মীৎ ময়োম কীদনি চরোংশিনে
নুপিমচা পেক্লেৎ - নুপামচা থাউদি,
হোইনে - অরেমখৈ শেন্দোংনি পীখো
'দুবু - শুনৈ শিনমীদি থওদেনা,
হৈ ! ননাওনুপী - ননেম য়েপশিনখো
ইহে ! নখুরা নতোন পোৎহাপনা,
হৈমা ! উয়ুং - ননাদুবু তাদ্রো -
হোইনে - ওরাংতা দ্রমদু য়োক্লোকখে,
'দুবু - নকোকু শিজিন্না যাদ্রো
চুম্মিহে - তুম্বাসু অশাই পুখে,
আশ ! কৈনিনা - কৈদৌঙগী - কাইদৈ
এঃ ! ঐগীনি - মীৎকুপশিদা - জ-ম-দৈ -

০১/০৮/০৬

ꯊꯤ ꯂꯥꯏꯈꯣꯝꯕꯤ

ꯀꯥꯆꯤꯟ ꯀꯣꯏꯌꯥꯗꯅꯤ ꯀꯨꯐꯦꯡ ꯀꯨꯐꯦꯡ
ꯂꯩꯀ꯭ꯔꯥꯡ ꯅꯨꯡꯀꯥꯡꯁꯨ ꯁꯥꯔꯧ ꯃꯇꯨꯗꯥ,
ꯃꯥꯂꯪ ꯇꯥꯝꯕꯥꯗꯅꯤ ꯂꯨꯐꯦꯡ ꯂꯨꯐꯦꯡ
ꯃꯔꯥꯡ ꯇꯨꯕꯥꯡꯉꯤ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯀꯣꯟꯗꯥ,
ꯉꯧꯕꯥ ꯀꯣꯔꯕꯥꯊꯛ ꯀꯥꯂꯤ ꯆꯩꯊꯥꯔꯤ
ꯚꯥꯁꯟ ꯄꯤꯔꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯥ ꯇꯤꯜꯂꯤꯕꯥ,
ꯑꯄꯨꯟꯕꯥ ꯊꯔꯥꯏꯗꯥ ꯑꯣꯛꯁꯟ ꯂꯥꯎꯔꯤ
ꯁꯣꯚꯥ ꯌꯇ꯭ꯔꯥꯗꯥ ꯃꯤꯀꯣꯛ ꯊꯣꯡꯉꯤꯕꯥ;
ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯐꯣꯡ ꯆꯤꯡꯗꯨꯝꯁꯤꯡ ꯂꯩꯁꯧꯄꯨꯡꯒꯤ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯉꯐꯥꯑꯣꯒꯥ ꯆꯕꯦꯡ ꯈꯣꯡꯄꯥꯛꯂꯥ,
ꯆꯨꯗꯨꯅꯥ ꯍꯛꯊ꯭ꯔ ꯗꯥꯛꯔꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯒꯤ
ꯇꯤꯡꯈꯪꯒꯤ ꯍꯗꯤ ꯍꯊꯤ ꯃꯇꯝꯅꯥ,
ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯑꯣꯗꯥꯏ ꯆꯨꯝꯊꯥꯡꯕꯨ ꯊꯜꯂꯤꯅꯤ
ꯅꯤꯡꯂꯨꯏ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯔꯥꯈꯝꯅꯥ ꯂꯥꯏꯆꯨꯏꯅꯤ ॥

꯰꯱।꯰꯴।꯰꯶

থি লাইখোম্বী

কাচিন কোইয়াদনি কুফেং কাফেং
লৈক্রাং নুংকাংসু শারৌ মতুদা,
মালং তাম্বাদনি লুফেং লুফেং
মরাং তুবাংঙি লৈরাং লৈকোন্দা,
ঙৌবা কোরবাথক কালি চৈথারি
ভাশন পীরি মীয়ামদা তিল্লিবা,
অপুন্বা থরায়দা ওকশন লাউরি
সোভা যত্রাদা মীকোক থোংঙিবা;
লোৎনা ফোং চিংদুমশিং লৈশৌপুংগী
তাইবঙ মঙফাওগা চবেং খোঙপাক্লা,
চুদুনা হকথ্র দাক্রি থম্মোয়গী
তীঙখংগী হদি হথি মতম্না,
চাদা নাওদাই চুমথাংবু থল্লিনি
নিংলুই পুক্রিং রাখম্না লাইচুইনি।

০১/০৪/০৬

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥

[illegible]

কৈথেলগীদি অঙাওবীদো ইমানি

তাইবঙ সনা কৈথেল কারিবীও
মনজুর ফনেক খোংদাই শেত্তুনা,
লুখোং কোকথোং নারিবী পলেমও
থনুং লোকনুং মীৎলুগী নাপোম্না,
লাংবন নুংশাদা কাদ্রি কুচুসু
চৈসুসু চৈরুং চেপ চাকথুংদবৈ,
মালংবা কি কুপ্লি নাচোমদুসু
খ্বাঙচেৎ খ্বাঙলাক খ্বাইগীনি থাংহৈবৈ;
কৈ অমোম্রি কোক্কবা উমংগী
চীংমাইখোল লাম্মৈ নাওসুম শুন্নরি,
কৈনিং কৈমাং কৈজেংলাং চিঙগী
উফুলথক মণি ফিজিনুং কিরি,
থম্মোয় কিশিথোক কুম্মৈ মোরানবী
লাইরেন হংকোজুই য়োকচৈ পোকচবী ।

০২ /০৪ /০৬

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯕ ꯁꯨꯔꯒꯤꯗꯤ ꯁꯩꯔꯣꯢꯁꯨ ꯁꯩꯍꯧꯅꯤ

ꯑꯃꯝꯕ ꯑꯇꯤꯌꯥꯒꯤ ꯑꯁꯤꯕ
ꯑꯉꯥꯟꯕꯗ ꯑꯁꯤꯕ ꯅꯉꯇꯅꯤ,
ꯍꯪꯂꯥꯢꯁꯤꯡꯅ ꯊꯔꯥꯌꯗꯤ ꯄꯥꯟꯗ꯭ꯔꯕ
ꯉꯥꯢꯕꯤꯕꯁꯦ ꯁꯤꯔꯁꯨ ꯍꯤꯡꯂꯤꯅꯤ,
ꯂꯥꯛꯂ ꯐꯥꯟꯅꯕꯨ ꯍꯤꯡꯂꯤꯉꯩꯗ
ꯃꯜꯂ ꯊꯔꯥꯌꯁꯤꯡ ꯅꯥꯑꯣꯊꯦꯝꯂꯗꯨꯅ,
ꯐꯟꯂꯦ ꯀꯔꯦꯝꯅꯔ ꯑꯇꯤꯊꯤꯗ
ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯗ ꯕꯥꯔꯇꯣꯟꯗꯤ ꯇꯧꯗꯅ,
ꯌꯣꯡꯇꯥꯛꯇꯨ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯇꯧꯔꯕꯤꯕꯗꯨ
ꯊꯥꯛꯂꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯦ ꯁꯔꯧ ꯂꯥꯡꯁꯨ,
ꯌꯧꯗ꯭ꯔꯤꯐꯥꯑꯣꯕ ꯇꯥꯟꯉꯝꯗ꯭ꯔ ꯄꯨꯡꯐꯝꯗꯨ
ꯅꯣꯛꯍꯟ ꯄꯥꯟꯖꯤꯟꯐꯝꯗꯦ ꯄꯜꯂꯨꯡꯗꯨꯢꯁꯨ,
ꯇꯥꯢꯕꯪꯒꯤꯗꯤ ꯁꯤꯟꯅꯥꯅꯤ ꯃꯄꯨꯒꯤ
ꯁꯩꯔꯣꯢꯁꯤ ꯄꯜꯂꯨꯡꯅꯤ ꯁꯩꯍꯧꯗꯨꯒꯤ ॥

꯰꯲।꯰꯴।꯰꯶

মাংখ্রবা শুরগীদি শৈরোইস্যু শৈহৌনি

অমম্বা অতিযাগী অশিবা
অঙানবদা অশিবা নঙতনি,
হংলাইশিংনা থরাযদি পান্দ্রবা
ঙাইবিবসে শিরসু হীংলিনি,
লাক্লা ফান্নবু হীংলিঙৈদা
মল্ল থরাযশিং নাওথেমলদুনা,
ফন্লে করেম্নর অতিথিদা
কুম্মৈশিদা বার্তোন্দি তৌদনা,
যোংতাক্তু ফাওবা তৌরবিবদু
থাক্লরিবনিনে শরৌ লাংসু,
যৌদ্রিফাওবা তানঙমদ্র পুংফমদু
নোকহন পানজিনফমদে পল্লুংদুইসু,
তাইবঙগীদি শিন্নানি মপুগী
শৈরোইশি পল্লুংনি শৈহৌদুগী ।

০২/০৪/০৬

ꯄꯨꯗꯨꯅ ꯆꯠꯈꯣ ꯅꯉꯒꯤꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ

ꯅꯉꯗꯤꯅꯦ - ꯅꯤꯡꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗ -
ꯁꯨꯃꯍꯠꯄꯅ ꯁꯨꯛꯇꯣꯛ ꯁꯩꯁꯛꯂꯤꯕꯤ,
ꯊꯥꯖꯗꯨꯅꯤ ꯊꯦꯡꯂꯕ ꯇꯥꯡꯂꯧꯗ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯐꯝꯕꯥꯛꯊꯛꯀꯤꯁꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯝꯕꯤ,
ꯃꯥꯍꯥ-ꯃꯥꯌꯥ ꯆꯥꯌꯥꯏꯁꯨ ꯍꯦꯟꯅꯣꯏꯅꯤ
ꯆꯨꯝꯊꯥꯡꯒꯤꯅꯤ ꯃꯤꯅꯣꯛ ꯇꯝꯂꯤꯕꯁꯨ,
ꯆꯤꯟꯕꯥꯟꯗꯨꯅ ꯄꯣꯝꯁꯥꯠꯂꯤ ꯒꯨꯂꯥꯞꯄꯤ
ꯆꯥꯏꯔꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯕꯤꯅꯤ ꯁꯃꯂꯥꯡꯁꯨ;
ꯁꯤꯟꯅꯥꯏꯗꯕꯤ ꯁꯛꯇꯤꯛꯂꯣꯏ - ꯁꯝꯕꯨꯎ -
ꯁꯨꯝꯂꯈꯣ ꯅꯥꯎꯁꯨꯃꯗꯨꯗ ꯇꯥꯏꯕꯪꯕꯨ,
ꯍꯛꯀꯃꯨꯅꯦ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯩ ꯁ꯭ꯔꯦꯅꯤꯎ
ꯊꯨꯃꯍꯛꯀꯨꯅ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯤꯕꯨ,
ꯄꯨꯈꯣ ꯈꯣꯡꯆꯛꯀꯨꯒꯤꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ
ꯗꯥꯛꯐꯝꯁꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤꯅꯤ ꯍꯛꯂꯤꯕ ॥

꯱꯲।꯰꯴।꯰꯶

পুদুনা চৎখো নঙগীনি নুংশিবা

নঙদিনে - নিংথিবীগী নিংঙাইদা -
শুমহৎপ্না শুক্তোক শৈশক্লিবী,
থাজদুনি থেংলবা তাংলৌদা
তাইবঙ ফম্বাকথক্কীসু লাইরেমবী,
মাহা-মায়া ছায়াইসু হেন্নোইনি
চুমথাংগীনি মীনোক তম্লিবসু,
চীনবান্দুনা পোমশাৎলি গুলাপ্পি
চাইরি ঈশিং চাইবীনি শমলাংসু;
শিন্নাইদবী শক্তিক্লোই - শম্বুও
শুম্লখো নাউশুমদুদা তাইবঙবু,
হক্কমুনে নুংশিবৈ শ্রেনিও
থুমহক্কুনা নুঙগী থম্মোয়সিবু,
পুখো খোঙচক্কুগীনি নুংশিবা
দাকফমশি পুন্সিগীনি হক্লিবা।

১২/০৪/০৬

ꯑꯩꯗꯤ ꯁꯛꯊꯤꯒꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯏꯁꯩ

ꯁꯛꯊꯤꯒꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯏꯁꯩꯁꯦ
ꯄꯅꯊꯨꯡꯕꯨ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯥ ꯈꯣꯡꯆꯠꯁꯤꯗꯥ,
ꯊꯤꯔꯨꯊꯤꯅꯤ ꯃꯥꯡꯈꯔꯕꯁꯨ ꯁꯨꯔꯁꯦ
ꯅꯥꯢꯇꯣꯃꯗ ꯇꯥꯔꯕꯥ ꯏꯄꯥꯛꯁꯤꯗꯥ,
ꯁꯨꯕꯗꯨꯒꯤ ꯏꯄꯣꯜꯂꯛꯇꯥ ꯇꯥꯎꯕꯤꯉꯩ
ꯍꯨꯝꯃꯨꯅꯦ ꯃꯥꯂꯪꯕꯑꯣ - ꯀꯩꯗꯅꯣ,
ꯇꯣꯝꯊꯤꯟ ꯙ꯭ꯔꯨꯕꯥ-ꯇꯥꯔꯥꯑꯣ - ꯗꯥꯜꯂꯤꯉꯩ
ꯃꯥꯌꯥꯢ ꯁꯪꯁꯥꯔꯗꯨꯔꯨ ꯀꯗꯣꯝꯗꯅꯣ,
ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯑꯣ ꯅꯉꯗꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤꯅꯤ
ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩꯅꯁꯨ ꯃꯤꯇꯥꯖꯕꯥ,
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡꯒꯤꯗꯤ ꯑꯅꯨꯇꯥꯞ ꯃꯩꯔꯤꯅꯤ
ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯥ ꯆꯤꯇꯥꯊꯛꯇꯥ ꯀꯦꯃꯖꯕꯥ,
ꯆꯦꯟꯊꯈꯤꯅꯤ ꯏꯆꯦꯂꯁꯤ ꯀꯥꯂꯤꯡꯁꯨꯝ
ꯇꯥꯎꯊꯈꯤꯅꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯁꯤ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯁꯨꯝ ॥

꯱꯲।꯰꯴।꯰꯶

ঐদি শকথিগনি পুন্সিগী ঈশৈ

শকথিগনি পুন্সিগী ঈশৈসে
পনথুংবু তাল্লিবা খোঙচৎশিদা,
থিরুথিনি মাংখ্রবসু শুরসে
নাইতোমত তারবা ঈপাকশিদা,
শুবদুগী ঈপোল্লক্তা তাওবিঙৈ
হুম্মুনে মালংবও - কৈদনো,
তোমথিন ধ্রুবা-তারাও - ডাল্লিঙৈ
মাযাই সংসারদুরু কদোমদনো;
নুংশিবও নঙদি থম্মোয়গীনি
রাখল নোংলৈনসু মীতাজবা,
পুক্রিংগীদি অনুতাপ মৈরীনি
পুন্সিনা চীতাথক্তা কেমজবা,
চেন্থখিনি ঈচেলসি কালিংশুম
তাওথখিনি পুন্সিসি কাওশিংশুম।

১২/০৪/০৬

ꯊꯦꯝꯂꯈꯣꯅꯦ ꯅꯣꯡꯃꯇꯁꯨ ꯃꯉꯂꯥꯟꯗꯨꯗꯥ

ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯅꯤꯡ ꯆꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯛꯀꯦ
ꯍꯦ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗꯨ ꯊꯧꯔꯒꯅꯨ,
ꯅꯥꯎꯁꯨꯝ ꯏꯁꯩ ꯁꯨꯔꯅꯥ ꯇꯝꯃꯔꯛꯀꯦ
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯉꯁꯨ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯂꯦꯞꯂꯒꯅꯨ,
ꯌꯦꯡꯉꯨ ꯇꯝꯂꯤꯁꯦ ꯂꯥꯝꯃꯩ ꯃꯔꯩꯅꯤ
ꯀꯦꯟꯅꯥ ꯁꯡꯉꯥꯏ ꯃꯥꯂꯡꯅꯥ ꯁꯦꯠꯂꯤꯁꯦ,
ꯏꯔꯦꯜ ꯈꯣꯡꯅꯨꯡ ꯀꯥꯊꯣꯛꯂꯤ ꯂꯩꯀꯔꯛꯂꯤ
ꯌꯣꯠ - ꯀꯦꯜꯂꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯊꯝꯕꯥꯜ ꯂꯩꯔꯤꯀꯁꯦ;
ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯅꯥ ꯊꯦꯝꯗꯔ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯉꯕꯨ
ꯂꯧꯊꯣꯛꯎ ꯉꯀꯁꯝ' ꯈꯧꯔꯤ ꯀꯣꯡꯒꯣꯏꯗꯣ,
ꯂꯠꯅꯨ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯇꯤꯊꯤ ꯃꯥꯕꯨ
ꯍꯨꯛꯍꯜꯂꯨ ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩꯁꯨ ꯀꯨꯟꯗꯣ,
ꯃꯉꯂꯥꯟ ꯐꯨꯔꯥ ꯐꯨꯔꯥꯅꯤ ꯇꯨꯝꯈꯨꯟꯗꯥ
ꯄꯨ ꯆꯥꯌꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ ꯂꯩꯀꯪꯂꯥꯗꯥ ॥

১৪।০৬।০৫

থেম্লখোনে নোংমতসু মঙলান্দুদা

পুন্সি মনিং চিন্দুনা থককে
হে থম্মোয় নিংঙাইদু থৌরগনু,
নাউশুম ঈশৈ শুরনা তম্মরক্কে
পুন্সি নঙসু খোঙথাং লেপ্লগনু,
য়েঙঙু তম্লিসে লাম্মৈ মরৈনি
কেন্না শংঙাই মালংনা শেৎলিসে,
ঈরেল খোংনুং কাথোক্লি লৈক্রক্লি
য়োৎ - কেল্লি নুংশি-থম্বাল লৈরিকসে;
নুংশিবনা থেমদ্র থম্মোয় নঙবু
লৌথোকউ ঙকশম' খৌরি কোঙ্গোইদো,
লৎন্নু পুন্সি অতীথি মাবু
হুকহল্লু রাখল নোংলৈসু কুন্দো,
মঙলান ফুরা ফুরানি তুমখুন্দা
পু ছায়া পুন্সিনি লৈকংলাদা।

১২/০৪/০৬

ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯊꯝꯕꯥꯜ ꯄꯣꯝꯁꯥꯡꯅꯕꯛꯂꯗ

ꯇꯞꯄꯥ ꯇꯨꯝꯃꯤꯟ ꯆꯦꯜꯂꯨ ꯏꯆꯦꯜ ꯅꯪꯕꯣ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯪꯁꯨ ꯇꯞꯊꯧ ꯍꯥꯛꯂꯥ ꯐꯤꯡꯅꯨ,
ꯇꯤꯡꯈꯪ' ꯃꯨꯕ ꯍꯁꯦ ꯀꯥꯎꯕꯔꯥ ꯅꯪꯕꯣ
ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯊꯝꯕꯥꯜ ꯄꯨꯟꯅꯨꯝ ꯈꯦꯟꯖꯣꯡ ꯂꯥꯡꯅꯨ,
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯐꯥꯊꯧ - ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯊꯥꯝꯃꯨ
ꯃꯥꯂꯪꯕꯥ ꯃꯥꯁꯨ ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯀꯩ ꯍꯗꯦ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯅꯪꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯟ ꯅꯤꯡꯗꯥꯏ ꯊꯦꯝꯃꯨ
ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯃꯊꯦꯛ ꯊꯥꯕꯜ ꯆꯣꯡꯂꯨ ꯉꯝꯗꯦ;
ꯍꯩꯕꯣꯡ ꯆꯔꯣꯡ 'ꯃꯇꯥ ꯊꯥꯖ ꯅꯪꯕꯨ
ꯅꯝꯗꯥ ꯄꯣꯕꯤ ꯁꯅꯝ ꯅꯝꯕꯤ' ꯁꯨꯟꯅ,
ꯀꯣꯟꯅꯥ ꯂꯥꯕꯥ ꯇꯤꯡ-ꯇꯤꯡ ꯆꯥꯎꯔꯣ ꯅꯪꯕꯨ
ꯊꯕꯤꯅꯥ ꯀꯥ ꯅꯨꯝꯃꯤꯠ ꯔꯥꯡꯒꯨꯝ ꯔꯥꯡꯂ,
ꯁꯔꯤ ꯂꯤꯠꯁꯦ ꯁꯔꯤ ꯂꯤꯠꯁꯦ - ꯌꯥꯍꯩ
ꯁꯔꯤ ꯐꯥꯁꯦ ꯁꯔꯤ ꯐꯥꯁꯦ - ꯌꯥꯍꯩ ॥

꯱꯳।꯰꯴।꯰꯶

নুংশি-থম্বাল পোমশাংনবক্লদ

তপ্পা তুম্মিন চেল্লু ঈচেল নঙবো -
থম্মোয় নঙসু তপথৌ হাক্লা ফিংনু,
তীঙখং' মুব হশে কাউব্রা নঙবো
নুংশি থম্বাল পুন্নুম খেনজোং লাংনু,
পুক্রিং ফাথৌ - রাখল নোংলৈ থাম্মু
মালংবা মাসু লোৎনা কৈ হদে,
থম্মোয় নঙগী মীহুন নিংডাই থেম্মু
লাইরেন মথেক থাবল চোংলু ঙমদে;
হৈবোং চরোং 'মতা থাজ নঙবু -
নমদা পোবী শনম নম্বী' শুন্ন,
কোন্না লাবা তীং-তীং চাওরো নঙবু
থবীনা কা নুম্মিৎ রাংগুম রাংল,
শরি লিৎশে শরি লিৎশে - য়াহৈ
শরি ফাশে শরি ফাশে - য়াহৈ।

১৩/০৪/০৬

ꯄꯣꯟꯒꯤ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯑꯝꯕꯥ

ꯃꯤꯠꯆꯤ ꯇꯦꯟꯖꯩ ꯀꯦꯜꯂꯗ ꯆꯤꯜꯂꯣꯛꯀꯥ
ꯀꯤꯁꯤꯟꯗ꯭ꯔ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯀꯤꯁꯤ ꯊꯣꯛꯀꯔꯩ,
ꯆꯤꯡꯃꯥꯏ ꯈꯣꯟꯅꯥ ꯇꯥꯟꯅꯔꯤ ꯂꯥꯝꯃꯦꯅꯥ
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯕ꯭ꯔꯥꯏꯊꯤ ꯆꯩꯅꯥꯅꯥ ꯇꯝꯃꯔꯩ,
ꯇꯨꯃꯈꯨꯟ ꯇꯥꯜꯂꯞꯄꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯂꯥꯌꯅꯥꯁꯨ
ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯇꯥꯜꯂꯛꯂꯦ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯥ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯁꯥꯒꯔꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯏꯆꯦꯜꯁꯨ
ꯑꯐꯛ ꯀꯨꯔꯥꯡ ꯊꯥꯡꯂꯩ ꯇꯥꯟꯊꯥꯔꯛꯇꯥ,
ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝꯗꯥ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯅꯤ ꯑꯥꯁꯥ
'ꯀꯦꯜꯂꯥꯏ ꯅꯥꯄꯦꯠ ꯕꯁꯟꯇꯦ ꯄꯥꯎꯃꯤꯅꯤ,
ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯍꯤꯔꯨꯊꯛ ꯍꯤꯅꯥꯎꯁꯥ
ꯏꯚꯥꯏ ꯅꯣꯡꯖꯨ ꯀꯥꯂꯦꯟ ꯅꯨꯡꯁꯥꯟꯅꯤ,
ꯂꯩꯁꯥꯠ ꯊꯤꯡꯉꯜꯂꯣꯏ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯂꯩꯀꯣꯟꯗꯥ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯁꯥꯍꯨꯝ ꯔꯧꯗ꯭ꯔ ꯑꯒꯂꯥꯅꯨꯡꯗꯥ ॥

১৪।০৩।০৫

পোনগী চেক্লা অম্বা

মীৎচি তেনজৈ কেল্লদ চীল্লোক্কা
কিশিন্দ্র থম্মোয় কিশি থোক্করৈ,
চীংমাই খোন্না তান্নরি লাম্মেনা
থম্মোয় ব্রাইথি চৈনানা তম্মরৈ,
তুমখুন তাল্লপ্পা ব্রাখল লায়নাসু
মীৎকপ তাল্লক্লে তাইবঙ খোঙচত্তা,
থম্মোয় সাগরগী নুংশি ঈচেলসু
অফক কুরাং থাংলৈ তান্থারক্তা;
ঈথক ঈপোমদা কাওশিংনি আশা
'কেল্লাই নাপেৎ বসন্তে পাউমীনি,
ব্রাখল নোংলৈ হীরুথক হীনাওশা
ঈভাই নোংজু কালেন নুংশাননি,
লৈশাৎ থিংঙল্লোই পুক্রিং লৈকোন্দা
তাইবঙ শাহুম রৌদ্র অগলানুংদা।

১৩/০৪/০৬

ꯕꯁꯟꯇꯦ ꯄꯥꯎꯃꯤ

ꯉꯪꯂꯅꯨ ꯅꯪꯗꯥ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯇꯝꯅꯥ
ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯍꯥꯎ ꯂꯩꯕꯦꯟꯗꯤ ꯍꯨꯈ꯭ꯔꯦ ,
ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯐꯤꯖꯤꯗꯥ ꯀꯤꯁꯤꯟ ꯀꯤꯁꯤꯅꯥ
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯐꯤꯔꯩꯗꯥ ꯂꯣꯡꯅꯥ ꯌꯦꯞꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ ,
ꯔꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯈꯖꯥꯏꯗꯨ ꯆꯨꯞꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ
ꯃꯇꯝ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝ ꯇꯨꯝꯊꯈ꯭ꯔꯗꯥ ,
ꯇꯥꯗꯤꯡ ꯇꯥꯗꯤꯡ ꯈꯣꯝꯊꯥꯡꯅꯥ ꯂꯛꯔꯨꯗ꯭ꯔꯦ
ꯃꯤꯍꯨꯟꯂꯩ ꯈꯨꯏꯈ꯭ꯔꯦ ꯄꯨꯡꯈꯣꯟꯗꯨꯏ ꯁꯨꯔꯗꯥ
ꯃꯥꯂꯪ ꯈꯨꯖꯤꯟꯁꯨ ꯃꯌꯥ ꯀꯨꯟꯅꯕꯣꯏ
ꯏꯆꯦꯜ ꯐꯩꯖꯨꯞꯁꯨꯞ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝꯗꯥ ꯆꯦꯞꯂꯦ ,
ꯃꯉꯂꯥꯟ ꯃꯤꯅꯣꯛꯇꯝ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯃꯉꯍꯟꯕꯣꯏ
ꯇꯥꯏꯕꯉꯒꯤ ꯐꯣꯡꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡ ꯆꯜꯂꯦ ,
ꯁꯤꯟꯖꯟꯅꯔꯣꯏ ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯁꯤꯟꯊꯥ - ꯁꯤꯟꯃꯤ
ꯍꯟꯈ꯭ꯔꯣ ꯃꯥꯏꯈꯨꯝꯎꯞ ꯕꯁꯟꯇꯦ ꯄꯥꯎꯃꯤ ॥

১৪।০৪।০৫

বসন্তে পাউমী

ঙংলনু নাঙ্গদা থম্মোয় তম্না -
নুংশিগী লৈহাও লৈবেন্দি হুখ্রে,
থম্মোয় ফিজিদা কিশিন কিশিনা
পুক্রিং ফিরৈদা লোংনা য়েপশিনখ্রে,
রাখল নোংলৈ খজাইদু চুপঙমদ্রে
মতম ঈথক ঈপোম তুমথখ্রদা,
তাদিং তাদিং খোম্থাংনা লক্রুদ্রে
মীহুনলৈ খুইখ্রে পুংখোন্দুই শুরদা
মালং খুজিনসু ময়া কুন্নবোই -
ঈচেল ফৈজুপশুপ নাউসুমদা চেপ্লে,
মঙলান মীনোক্তম মালেম মঙহনবোই
তাইবঙগী ফোংঙমদ্রে পাউখোং চল্লে,
শিনজন্নরোই শিল্লম শিন্থা - শিনমী
হনখ্রো মাইখুমউপ বসন্তে পাউমী ।

১৪/০৪/০৬

ꯁꯝꯕꯨꯗꯨꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ

ꯑꯍꯤꯡ ꯇꯥꯡꯂꯧ ꯂꯩꯅꯥ ꯊꯦꯡꯂꯛꯂꯒꯥ
ꯊꯥꯕꯜ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝꯗꯥ ꯇꯥꯎꯗꯨꯅꯥ,
ꯆꯣꯏꯔꯨ ꯂꯨꯇꯨꯡ ꯈꯣꯏꯕꯥꯛ ꯈꯣꯏꯌꯣꯜꯂꯒꯥ
ꯀꯣꯏ ꯅꯥꯇꯣꯟ-ꯌꯦꯠꯊꯡ ꯆꯦꯛꯌꯥꯏ ꯁꯟꯅꯨꯅꯥ,
ꯑꯍꯤꯡ ꯍꯔꯤꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯇꯨꯔꯦꯟꯅꯤ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯁꯨꯟꯅꯕꯤ ꯑꯣꯏꯊꯡ ꯈꯖꯥꯏꯊꯛ,
ꯃꯥꯌꯥꯏ ꯁꯪꯁꯥꯔꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ
ꯄꯥꯎꯈꯣꯡꯕꯨ ꯆꯟꯅꯦ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ꯇꯊꯛ;
ꯈꯣꯡꯁꯨꯜꯂꯛ ꯎꯐꯨꯜ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ ꯍꯧꯊꯤ
ꯁꯥꯅꯩ ꯐꯨꯔꯥ ꯂꯩꯇꯣꯏꯒꯤ ꯁꯦꯝꯄꯥꯛꯇꯥ,
ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯁꯟꯅꯨꯏ ꯅꯣꯡꯖꯨꯗꯥ ꯇꯥꯛꯊꯤ
ꯖ꯭ꯕꯥꯔ ꯇꯥꯟꯅꯩ ꯑꯥꯁꯥꯅꯥ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ,
ꯈꯣꯝꯂꯥꯡꯈꯣꯝꯅꯥ ꯇꯝꯃꯥ ꯍꯨꯏ ꯑꯃꯃꯇꯤꯟ
ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯀꯥꯄꯣꯟ ꯀꯥꯟꯅꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯇꯤꯟ ॥

꯱꯰।꯰꯵।꯰꯶

শম্বুদুগী খোঙচৎ

অহিং তাংলৌ লৈনা থেংলক্লগা
থাবল ঈথক ঈপোমদা তাওদুনা,
চোইরু লুতুং খোইবাক খোইযোল্লগা
কোই নাতোন-য়েৎথং চেকযাই শন্নুনা,
অহিং হরিবা নিংথৌ তুরেন্নি
তাইবঙ শুন্নবি ওইথং খজাইথক,
মায়াই সংসারগী খোঙচৎ পুন্সিনি
পাউখোংবু চন্নে তাইবঙদা তথক;
খোঙ্গুল্লক উফুল মালংদা হৌথি
শানৈ ফুরা লৈতোইগী শেমপাক্তা,
অহীংবা শন্নুই নোংজুদা তাকথি
জ্বার তান্নৈ আশানা ঈপাক্তা,
খোম্লাংখোম্না তম্মা হুই অমমতীন
নুংশিগী কাপোন কান্নি থম্মোয়তীন।

১০/০৫/০৬

ꯅꯉꯁꯨ ꯑꯉꯥꯡꯕꯤꯅꯤ

ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯌꯦꯟꯗꯥꯏ ꯌꯥꯡꯗꯧꯊꯛ ꯂꯦꯟꯅꯔ
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯑꯊꯦꯟꯄꯣꯠꯅꯥ ꯊꯦꯟꯅꯤ,
ꯅꯣꯡꯒꯧꯕꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯃꯌꯥꯏ ꯇꯥꯟꯅꯔ
ꯋꯥꯈꯜ ꯅꯣꯡꯂꯩꯅꯥ ꯇꯝꯂꯅꯥ ꯍꯜꯂꯤ,
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡ ꯂꯩꯀꯣꯂꯒꯤ ꯑꯁꯟꯗꯥ ꯐꯜꯂ
ꯊꯋꯥꯏꯅꯥ ꯑꯍꯟꯕꯥ ꯐꯤꯖꯣꯜ ꯍꯕꯤ,
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯁꯤꯜꯂꯝꯊꯩ ꯁꯤꯟꯊꯥꯊ ꯇꯥꯟꯅ
ꯃꯥꯂꯪ ꯈꯣꯏꯃꯨꯒꯨꯝ ꯈꯣꯏꯍꯤꯔꯦꯜ ꯊꯤꯔꯤ,
ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯂꯩꯅꯝꯃꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯋꯥꯏꯗꯨꯅꯥ
ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯩ ꯄꯤꯋꯥꯡ ꯁꯤꯟꯊꯍꯟ,
ꯏꯆꯦꯂꯒꯤ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝ ꯏꯍꯧꯅꯥ
ꯁꯨꯔꯗꯨꯏ ꯏꯄꯥꯛꯊꯛꯇꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯇꯝꯍꯟ,
ꯃꯩꯔꯤ' ꯃꯩꯔꯥꯅꯕꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯉ
ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ' ꯇꯥꯟꯊꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ ꯐꯤꯃꯅꯉ ॥

꯱꯰।꯰꯵।꯰꯶

নঙসু অঙাঙবীনি

নুংশি যেন্দাই যাংদৌথক লেন্নর -
পুন্সি নিংঙাই অথেনপোৎনা থেন্নি,
নোঙ্গৌবী থম্মোয় মাযাই তান্নর
ৱাখল নোংলৈনা তম্লনা হল্লি,
পুক্রিং লৈকোলগী আশন্দা ফল্ল
থৱায়না অহনবা ফিজোল হবি,
তাইবঙ শিল্লমথৈ শিন্থাথ তান্ন
মালং খোইমুগুম খোইহিরেল থিরি,
নুংশি লৈনম্মা পুন্সি ৱাইদুনা
নুঙগী থম্মোয়দৈ পীৱাং শিন্থহন,
ঈচেলগী ঈথক ঈপোম ঈহৌনা
শুরদুই ঈপাকথক্তা জগোই তমহন,
মৈরী' মৈরানবী নুংশি থম্মোয়ঙ
তাঙ্গোই' তান্থি পুন্সিনি ফিমনঙ ।

১০ /০৫ /০৬

ꯈꯣꯡꯒꯥꯡꯁꯨ ꯈꯣꯡꯒ꯭ꯔꯦꯝꯅꯤ

ꯏꯔꯥꯏ ꯏꯊꯨꯡ ꯑꯣꯟꯃꯤꯟ - ꯆꯥꯎꯃꯤꯟꯅꯕꯦ
ꯉꯥꯅꯨ ꯃꯆꯥ'ꯃꯥ - ꯌꯦꯅꯥꯎ ꯃꯆꯥ'ꯃꯥ,
ꯏꯄꯥꯛ ꯏꯌꯥꯏꯗꯥ ꯆꯣꯡꯊ ꯁꯥꯟꯅꯔꯦ
ꯈꯣ-ꯈꯣ ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯊꯤꯟꯅꯖꯦ ꯈꯣꯡꯅꯥꯝꯃꯥ,
ꯏꯔꯣꯟꯅꯨꯡꯗꯥ ꯏꯔꯨꯞ ꯊꯥꯡꯖꯦ ꯅꯨꯡꯁꯥ
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯇꯦꯡꯊꯥꯖꯦ ꯃꯥꯂꯪꯗꯥ,
ꯖꯝ-ꯖꯝ ꯅꯣꯡꯖꯨꯂꯛꯇꯥ ꯀꯣꯛꯆꯩ ꯃꯩꯁꯥ
ꯀꯩ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯇꯦꯊꯖꯦ ꯇꯄꯥꯗꯨꯗꯥ;
ꯁꯦꯟꯗ꯭ꯔꯥꯡ ꯐꯧꯁꯨꯈꯣꯟꯗꯥ ꯇꯝꯅꯦ ꯇꯣꯛꯄꯥ
ꯅꯣꯛꯆꯩ ꯄꯂꯦꯝ ꯐꯣꯡꯂꯗꯥ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡꯅꯥ,
ꯍꯨꯈ꯭ꯔꯗ ꯃꯇꯝꯃꯥ ꯊꯤꯡꯗꯦ ꯄꯣꯡꯄꯥ
ꯇꯦꯟꯕꯥ ꯃꯆꯨ ꯂꯦꯡꯂꯤ ꯂꯪꯂꯥꯅꯥ,
ꯉꯥꯁꯥꯡ ꯐꯥꯗꯨꯅꯥ ꯆꯔꯥ ꯅꯣꯡꯊꯔꯦ
ꯇꯤꯛꯂꯣꯛ ꯈꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯆꯔꯥ ꯔꯥꯟꯃꯤꯔꯦ ॥

꯱꯴।꯰꯵।꯰꯶

খোঙ্গাংসু খোঙ্গ্রেম্নি

ঈরাই ঈথুং ওনমিন - চাওমিন্নবে
ঙানু মচা'মা - য়েনাও মচা'মা,
ঈপাক ঈয়াইদা চোংথ শান্নরে
খো-খো খোংনা থিন্নজে খোঙনাম্মা,
ঈরোন্নুংদা ঈরুপ থাংজে নুংশা
লাউ খোংদুনা তেংথাজে মালংদা,
জম-জম নোংজুলক্তা কোকচৈ মৈশা
কৈ থম্মোয় তেথজে তপ্পাদুদা;
শেন্দ্রাং ফৌসুখোন্দা তম্নে তোকপা
নোকচৈ পলেম ফোংলদা পাউখোংনা,
হুখ্রদ মতম্মা থিংদে পোংপা
তেনবা মচু লেংলি লংলানা,
ঙাশাং ফাদুনা চরা নোংথরে
তীক্লোক খোক্তুনা চরা রানমিরে।

১৪ /০৫ /০৬

ꯑꯦ.ꯄꯤꯁ.ꯄꯣꯜ.ꯁꯨꯔꯆꯟꯗ

ꯑꯦ. ꯁꯨꯔꯆꯟꯗ ꯁꯦꯔꯨꯕꯨꯇꯤꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯑꯣ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯱꯹꯷꯳ ꯗ ꯇꯦꯡꯅꯣꯨꯄꯥꯜ ꯃꯅꯤꯡꯇꯝ ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯁꯨꯔꯆꯟꯗ ꯍꯤꯡꯃꯇꯦꯄ ꯃꯆꯥ ꯄꯨꯡꯗ ꯍꯪꯍꯛ ꯗꯛꯇꯥ ꯄꯥꯏꯕꯥ ꯍꯥꯏꯗꯨꯃ ꯄꯨꯟꯅꯥꯕꯥ ꯫ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯊꯍꯕꯔ ꯌꯥꯝꯍꯤꯡ, ꯏꯁꯇꯤꯡꯗ ꯇꯥ ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯏꯄꯨꯔꯥꯟꯅꯅ ꯇꯤꯈꯥꯕꯌꯥ ꯃꯥ.ꯄꯤ.ꯃꯣ.ꯗꯤ. ꯏꯇꯕ ꯄꯨꯕꯅꯤ ꯃꯤꯔꯦꯡꯗꯤ ꯄꯥꯝꯂꯤ ꯫ ꯑꯥꯏꯅ ꯁꯤꯗꯩ ꯁꯥꯒꯤꯗꯥ ꯏꯅꯡ ꯏꯅ ꯁꯇꯤꯂ ꯁꯤꯗꯩꯗꯇ (NEIFES) ꯍꯨꯃꯗꯩꯒꯤ ꯇꯁꯦꯛ ꯂꯣꯏꯅꯕꯒꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯇꯁꯦ ꯍꯩꯔꯕ ꯄꯍꯦ ꯄꯁꯦ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛꯁꯤꯡ ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯎꯔꯦ ꯫

ꯄꯨꯕꯒꯤ ꯏꯌꯦꯇꯕ ꯇꯁꯦꯛꯂꯣꯝ :

1) The Fictions of Ruth Prawer Jhabvala (Critical Study, 2006)
2) ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯁꯦ (ꯂꯣꯏꯍꯥꯡ, ꯲꯰꯰꯴)
3) ꯁꯍꯥꯡꯒꯤ ꯁꯦꯄꯌꯨꯟ (ꯂꯣꯏꯍꯥꯡ, ꯲꯰꯰꯷)
4) ꯃꯦꯁꯨꯕꯌꯨꯟꯒꯤ ꯌꯥꯏꯕ (ꯂꯣꯏꯁꯤꯡ, ꯲꯰꯰꯷)

— ꯑꯦꯗꯤꯇꯔ